সাহিত্যদর্শন

সাহিত্যগ্রী সমালোচনাতত্ত্বাশং নৈনথা

সাহিত্যদর্শন

সাহিত্যগী সমালোচনাতর্কশিং নৈনবা

লেখক—

ব্রজবাসিময়ুম্ শ্রীমণিন্না শর্ম্মা সাহিত্য ব্যাকরণ শাস্ত্রী

প্রধানমন্ত্রী—মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ্

প্রকাশক—

শ্রীমণিন্না শর্ম্মা. এলাংবম্ লৈকাই

ইম্ফাল

লাইরিকী বারোল—

১। প্রবন্ধ শীজিন্নবা—

কোন্ত খিন্নগদৌরিব অতৈ বারেং (প্রবন্ধ) শিংহু উত্তুনা মাঙ-খৌনদ্রা লেখকতগী অয়াবা (স্বীকৃতি) লৌবিরবভদা লাইরিকসিদগী বারেং (প্রবন্ধ) অতৈ মকম্দা লৌহনা শীজিন্নবা য়াগনি, মশ্রবদি অয়াবা (স্বীকৃতি) তকপি শীজরোয়। লাইরিকসিগী স্বত্ব পূন্নমক্ লেখকীনি।

২। ছাপা নম্থিবা—

শ্রীপঞ্চমী, ২৯ মাঘ ১৮৯৯ শক

১২ ফেব্রুয়ারী ১৯৭৮ ইং

মশীং ৭০০ খক্

সিটি প্রেস—পাওনা বাজার, ইম্ফাল


৩। মথুম্ য়েকৃপা অমসুং প্রোক শাথা

এম, দেবেন্দ্র সিংহ B.A., B.Ed. (MADRAS)

৪। লাইরিক্সি ফংফম্—

ইম্ফাল বুক্ হাউস—পাওনা বাজার, ইম্ফাল

রাজ ষ্টোর—পাওনা বাজার, ইম্ফাল



৫। মমল্—

অচৎ মথুম্—লুপা ১০.০০

লাইব্রেরীগীদমক্—লুপা ১২.০০

मणिपुरस्य शिक्षाप्रचारकार्येषु अग्रतमस्य

शिक्षासंस्थानेषु वदान्यशीलस्य

मणिपुरसर्वकारशिक्षाविभागाधिकारिणः

राकेशकरवत्धवलकीर्ति

द्विजकुलवरश्रीयुक्तद्विजमणिदेवशर्म एम ए (संस्कृत), संगीतरत्नस्य

...

करसरोजयोः

... ...

साहित्यदर्शनम्

मणिपुर संस्कृत परिषद्	आदरेण समर्पितम्
इम्फाल—	विनीत—
२१ माघ १८६६ शक	श्रीमणिरत्न शर्मणा

সাহিত্যদর্শনগী মশেক্-মতাম্

[illegible]

[illegible] —

(I)

— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] . [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] —

[illegible] [illegible] কাব্যং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।

[illegible] অমর কায়াদি — রেফদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ; [illegible] [illegible] [illegible] [[illegible] [illegible] [illegible]] [illegible] [illegible] , [illegible] হৌদোক্লম্মিবশিংসি কাব্য ওাক্তনি, অসুম্না লৌনৈ। [illegible] [illegible] — [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] — [illegible] (বেদ মতমদগী কায়নথংদা কাওরকপা) [illegible] [illegible] অঙাইকত্রব মচাক্‌শিংনি ([illegible], [illegible]) [illegible] [illegible], হায়রদি — গুণ, রীতি, অলঙ্কার, ধ্বনি [illegible] কাব্যগী [illegible] বাক্যশিং [illegible] মাধুর্য-ওজঃ-প্রসাদ [illegible] গুণশিংগী মচাতাবনু মওোন্দা য়াওব ফেংনরি। রীতিগী বিচার [illegible] য়াওরি। উপমা, রূপক, দৃষ্টান্ত, উৎপ্রেক্ষা, অসিনচিংব, অলঙ্কারশিংগী [illegible] [illegible] মরোন্দা, মরাং কায়না য়াওরি। [illegible] —

[illegible] [illegible] [illegible] ন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ন [illegible] ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥

[illegible] , ১০ — [illegible]

— [illegible] [illegible] মহৎকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] , [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] — [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] — (১) [illegible] [illegible] [illegible]

বৃহৰ্ষা বার্ষ—কনাগুম্বনা করিগুম্ব বাকম্ অমবু (পোং অমবু) কনা উহনমক্ মাগী চানব শক্‌কম্‌হু থঙ্‌দে। (২) হূম্বন্ অধি ন হূঞাল্যৈনা—কনা ইনাকোংনা তারবস্থু মঙ্গুংগী ভাবতি ইরৌ লৌশিবা ওম্‌দে। (৩) ধরী সব হমী নবর্ব বিজয়ে আযৈব পন্থে ভবরী মুবাজাঃ—(অহুম্‌গুব মীখল্ কাংবু অমস্থু লৈরি) মুপী ওইবীনা নিংথিনা কিজেং-লৈতেংলহুনা, মপুম্ কানা ফজরব মওং-মতৌনা কেনা শেম্ শাজরহুনা, মশানা মশাবু ওম্‌থৈ লৈতনা ফজরে থল্লহুনা মপুরোয়বগী মমাংদা উথোক্‌চবা, মতৌ অহুগুম্বা বাণীনা (কাব্যগী লোলনা) মশাগী ফজজমিঙাই লৈতেং'পুম্ব শূনা নিংথিনা লৈতেংলগা সাহিত্য জগত্তা কে-মৌনা থোরক্কুনা 'ফজবা' উথোক্লে।

শ্লোক্‌সিগী অহাম্ব-অনিগুব খুদম্‌শিংসি বিরোধাভাস অলঙ্কার-গী (প্রসাদগুণনস্থু তীল্লবা) পুক্লিং হুনিঙাই খুদম্লি। অহুম্-গুবসিনা উপমালঙ্কারনি।

ওবা হুস্নৈব নির্ণীতি ভস্মেঃ

উবা লাইরেম্বীনা মোমোন্-মোমোন্ নোক্‌পগুম্বা মশাগী ফজরব মতৌশিংবু মাইকৈ'পুম্বদা শন্দোক্লি। মসিনা উৎপ্রেক্ষা-লঙ্কারগী ফজরব খুদম্লি।

দ্বা সুপর্ণা সযুজা সখায়া সমানং বৃক্ষং পরিষস্বজাতে।
তয়োরন্যঃ পিপ্পলং স্বাদ্বত্তি অনশ্নন্নন্যো অভিচাকশীতি ॥

— ঋগ্বেদ ১—১৬৪—২০

—বেদগী দার্শনিক সিদ্ধান্ত মতুং ইম্না—জগৎ অসি শেম্নন-বগীদমক্ ঈশ্বর, জীব, প্রকৃতি পোংশক্ অহুম্‌সি য়াম্নমক্ তঙাই-ফদবনি। মখোয়সিদগী হাম্বিনব লৈতবনি—অনাদিনি, মপান্ নাইদবনি, য়াম্নমক্ মরু ওইবনি (মৌলিক তত্ত্বনি)। ঈশ্বরনা প্রকৃতি শাম্বৈনরহুনা জগৎ শেম্মি অহুগা জগৎ সৃষ্টিগী থোঙ্‌চৎ-সিদা জীবনা (পোক্‌পা-শিবা—কোঙ্‌দোক্‌পা থ্‌প্‌চিবা নাইরিব

থম্বাইপাথা পোৎশক্ অমনা) মাবা তৌরূরিব কর্ম্মশিংগী ফল-শিংগী মতুং ইন্না—অবা-মুংঙাই ফলশিং ভোগ তৌহনা ইত্তুহনা চত্মনা লৈ।

মন্ত্র অসিদা দর্শনগী লুরব রহস্ততত্বশিং মমুং হুজিন্না থম্না য়াওহনা লৈ। দর্শনগী লুরব তত্বশিংবু ফজনা লায়না কোঙ্-দোক্পা মরম্বা বেদবু—"দিব্যকাব্য" কৌনরিবনি। মাবু কাব্যগুম্বা ফজে হায়নস্থ শীংথানবিবনি। হায়রিব মন্ত্রসিদা ঈশ্বর, জীব অমসুং প্রকৃতিবু শংশংনা শেংনা মমিং কান্নুনা পন্নুদনা মথংশিংনা—উচেক্ অনি অমসুং উপাম্বী অমগা পাম্থক্লি শীংথারি; মসিমক্ রূপক অলঙ্কারগী ফজরব থুদম্নি। প্রকৃতিনা চাউরব স্নাখোংনাং পাম্বীনি। ঈশ্বর অমসুং জীবনা—দ্বা সুপর্ণা সযুজা সখায়া—ফজরব মশা অনি পাল্লিব থক্ কায়নবা লৈতনা লৈমিন্নরিব উচেক মরূপ্ অনিনি। মথোয় অনিদিনা—প্রমানং স্বৰ্দ্ধং পরি-ষস্বজাতে উপাল অমগুদা হায়বদি স্নাখোংনাং পাম্বী অমত্তদা (প্রকৃতিদা অনিসি চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নৈ। তয়োরন্যঃ পিপ্পলং স্বাদ্বত্তি—অনিহুদা অমনা হাযবদি জীবনা উপালহুগী হায়বদি প্রকৃতিহুগী অক-ফত্ত ফলশিং ভোগ তৌরি। মসিগী ভাবত্তি—জীবাত্মানা মশাগী কর্ম্ম ফল মতুং ইন্না জগৎসৃষ্টিসিদ। অবা-মুংঙাই কংই অহুগা—অনশ্নন্নন্যঃ অভিচাকশীতি—অতোপ্প উচেকা—পরমাত্মানা কর্ম্ম ফল ভোগ ইতৌতৌদনা জগৎ অসি মাইকৈ'পুম্বদা মশাগী ফজরব মগুণশিং ফোঙ্দোক্লুনা লৈ (নত্রগা মশানা শেম্জখিব ফজবশিংসি য়েংহুনা লৈ)।

কাব্যগী ফজবব লোঙ্গনা অমদি মাগী ফজবগী অতৈ-অত্তৈ পাম্বৈশিংনা দর্শনগী লুবব তত্বশিংবু মতৌ অমুম্বা লায়না ফোঙ-দোক্লহুনা শরুাইদব পোৎপু শরুাইনা লায়না থীন্দুনা তাক্পা মতৌসি সংস্কৃত সাহিত্যু নত্তব অতৈ সাহিত্যদা পাক্ওইখোক্তে। মসিদা রূপক অলঙ্কারদি চাননা মহয় য়াম্নে অহুগা মসিদসু

নহনা—স্বর্ণমণী, জন্তুয়া, প্রজনম, অনন্ত পরিবলনবারে, মসিদা অনুপ্রাস অলঙ্কার কয়না ফোঙ্‌লোক্লি। অলঙ্কারমন্যাঃ অভিধান-হৌবি—কর্মফল ভোগ্য ইতৌ-তৌদনা মশাগী তেঙবু অমসুং কনরব মতৌশিংবু মাইকৈ পুরুমতন মকাময়া শক্লোক্লি। মসিদা অনুপ্রাস অলঙ্কারনা মাধুর্য্যগুণ হেনগৎহল্লি লোয়ননা বিভাবনা কৌবা অর্থালঙ্কারস্‌ মসিদা ফোঙ্‌দোক্লি। হায়রি—বিধানলা রু খিনা হেতু অবৌবিশিন্দুরগী—থবক্‌ অচু ওইহনবা বরম্‌হ ইমাও য়াওনা থবক্‌ পাঙথোক্‌খিবগু বিভাবনা অলঙ্কার কৌই। করিগুম্ব কর্ম্ম অমগী ফলভোগ তৌবা হায়বসিমক্না হক্‌চাংগি কনহনবগী মক ওইরব মরম্‌স্‌ ওইরি তৌইগুমসুং মকম্‌ অশিনদি মচুগী ওৎতৈনবদা—ইচা চাদনা কঙ্গে হায়বা ফোঙ্‌দোক্লি। মরম্‌ অদুনা মসি বিভাবনা অলঙ্কারনি। মরম্‌ অশিনা মখোয়সি দেবতা সমূহ কারণ ন মনমহ ন জাঁয়নি। পূমচুম্‌ চুরবনি।

বেদ মতম্‌দগী থরা লেংখরক্লগা সমালোচকশিংনা বেদাঙ্গ সাহিত্য কৌবা শাস্ত্র তরুক্কী বাকম্‌স্‌ শীংথারি—শিক্ষা, কল্প, ব্যাকরণ, নিরুক্ত, ছন্দ, জ্যোতিষ। মখোয়সি বেদ অমসুং-কাব্যদা শাস্ত্রশিংনি। মখোয়সিনা, য়ারমক্‌ লেংনা সাহিত্যগী সৃজনশীল সাহিত্য বিভাগ নত্রবস্‌ অতৈ সাহিত্য মখলগী থোগায়দি পুরিবনি। বেদ অমসুং মাগী মচাকশিং অসুম্না মচা তারক্লিব মতৌ অসিমক্‌ সমালোচনাগী মরূনি

(II)

ফনা ওল্লিভৈদা সাহিত্য সমালোচনাগী য়াহৌদোক্‌ বেদদা মরূহুবা হৌখিদুনস্‌ মাগী মওং মতৌ-শূরব শক্‌কম্‌দি—নাট্য-শাস্ত্র লেঙবা ভরত মুনিগী মতম্‌দা চংখোম্না মনা পান্‌-মক্না মরেং ফবা হৌখি। মম্মটাচার্য্য, জগন্নাথ, বিশ্বেশ্বর অসিনচিংব পণ্ডিতশিংগী মতম্‌ ফাওবদদি সংস্কৃত সমালোচনা সাহিত্যসি

চানন মপান্-শাৎ মহম্ম মায়ে, মপুং কারে। হায়রিব মতম্ সিবু মরিখোক্না চহিমতাজা কোয়না থায়দোয়দনা সমালোচকশিংনা নৈনরিবদ্গী শয়ম্ম বাকম্ থরা মথাদা পীরি—

১। প্রারম্ভিক কাল—খঙনব্রব মতম্দগী ভামহকাওবা

২। রচনাত্মক কাল ভামহদগী আনন্দবর্দ্ধনকাওবা

৬০০—৮০০ [বিক্রমী সম্বৎ]

৩। নির্ণয়াত্মক কাল আনন্দবর্দ্ধনদগী মম্মাটাচার্যকাওবা

৮০০—১০০০ [বিক্রমী সম্বৎ]

৪। ব্যাখ্যা কাল—মম্মটাচার্য্যদগী জগন্নাথ-বিশ্বেশ্বরকাওব

১০০০—১৭৫০ [বিক্রমী সম্বৎ]

মথং মথং ওইনা শয়ম্ম থারোজ থরা—

১। প্রারম্ভিক কাল সংস্কৃত সমালোচনা সাহিত্যগী ইহান্-হাম মতম্সি কনামত্তনা খিরুবদা ফংনরক্কুব মতম্দগী হৌরগা (নীংশিং থোক্কুব মতম্দগী) তরেৎশুবা শতাব্দী হৌগৎলকপা ভামহগী মতম্ কাওববু সমালোচনা সাহিত্যগী অহাব তাহক্নি লৌনৈ। (ভরতমুনি, ভামহকবি অনিসিতন্নু মতম্ অসিগী মকোক্ থোংবনি শীংথানৈ। ভরতকী 'নাট্যশাস্ত্র', মতম্ অসিগী মরুওইব সমালোচনা লাইরিক্নি।) মসিদা রসকী বাকম্ মপুং ওইনা নাটককী বাকম্ নৈনরি।) মাহাক্না সূত্র ওইনা ইরম্বশিংছু তুংদা হৌরকপ সমালোচক পণ্ডিতশিংনা পাক্না ব্যাখ্যা তৌনৈ। নাট্যশাস্ত্রগী তরাতরুক্শুব অধ্যায়দা অলঙ্কার মরি, গুণ তরা অহুগা দোষ তরাথকী বাকম্ নৈনরি শয়া শয়া। ভরত মুনিগী হেক মতুংদা ভামহগী মিং শীংথানৈ। মাহাক্না কাব্য আদর্শ ইহুনা কাব্য সৌন্দর্য্যগী বায়াম্বু অমুম্না নৈনরম্মি মহাক্নি—

(করিগুম কজ্রব পোৎ অহুম্ মকমচানা থম্নবদি কজরব গুণ ওইনৈ, খুদম্ ওইনা— মুশিনমুরব কাজলছ কজ্রব মুখীগী মিৎপাক্না থারবদা লৈতেং ওইনৈ।

২। রচনাত্মক কাল— মাস ভামহ (৬০০ বিক্রমী সম্বৎ) ডগী আনন্দবর্দ্ধন (৮০০ সম্বৎ) ফাওবা চহি চনিরোমানিবু অনিশূব মতম্ —রচনাত্মক কাল্ল অমুম্না খণ্ডনৈ। মসিদা সম্প্রদায় কয়ামকম্ হায়বদি অলঙ্কার সম্প্রদায়, রীতি সম্প্রদায়, রস সম্প্রদায় অমসুং ধ্বনি সম্প্রদায় কাংলূপ্ মরি অসিগী মায় মরু ওইরব লাইরিক্‌শিং লেংনরে। মতম্ অসিগী মরুওইব লেখকশিং—

১। অলঙ্কার সম্প্রদায়— ভামহ, রুদ্রট।

২। রীতি সম্প্রদায়— বামন, দণ্ডী।

৩। রস সম্প্রদায়— লোল্লট, শঙ্কুক, ভট্টনায়ক অভিনবগুপ্ত।

৪। ধ্বনি সম্প্রদায়— আনন্দবর্দ্ধন।

রচনাত্মক কাল্ অসি সাহিত্য শাস্ত্রগী (সমালোচনাগী) মায়মক্ মরু ওইরব হিরম্ কয়ামকম্‌দা মপুংফানা চাউর্খৎলব মতম্নি। ভামহ, উদ্ভট অমসুং রুদ্রটনচিংবনা কাব্যগী অলঙ্কার কলাগী বাকম্‌শিং পুখোক্‌না নৈনরে। ভরতনা অলঙ্কার মরিথক্তি শীংঙারকগী মশীং য়ায়া পাক্লা নৈনরে। দণ্ডী, বামননচিংবনা কাব্যগী রীতি, গুণনচিংবগী বাফম্ নৈনরে। ভরতকী বিভাবানু-ভাবব্যভিচারিসংযোগাদ্রসনিষ্পত্তিঃ, হায়রিব রসসূত্র অসিগী মখল মখা য়ায়ব ব্যাখ্যাশিং—লোল্লট, শঙ্কুক অমসুং ভট্টনায়ক অভিনচিংব পণ্ডিতশিংনা তৌনরহুনা রসনিষ্পত্তিগী সিদ্ধান্ত য়ায়া মপূং ফাহল্লে। আনন্দবর্দ্ধনাচার্য্যনা "ধ্বন্যালোক" ইরগা "কাব্যস্যাত্মা ধ্বনিঃ" সিদ্ধান্তসি সমালোচনা জগত্তা লিখৎনবা হোৎনরে।

৩। নির্ণয়াত্মক কাল— আনন্দবর্দ্ধনাচার্য্যদগী মম্মটাচার্য্য ফাওবগী মতম্ (৮০০—১০০০ বিঃ সং) নির্ণয়াত্মক কাল হায়না খঙ্‌নৈ। ধ্বন্যালোককী অভিনবগুপ্তাচার্য্যন ইবা 'লোচন' টীকা অদুগা ভরতমুনিগী নাট্যশাস্ত্রগী 'অভিনব' ভারতী টীকা—বক্রোক্তিজীবিতম্ লেংবা কুন্তক, ব্যক্তিবিবেকপু লেংবা মহিম-ভট্ট মখোয়সি হায়রিব মতম্‌সিগী মরুওইরব টীকাশিং অমসুং

লেখকশিংনি। কুন্তকনা বক্রোক্তিজীবিত ইদ্না বক্রোক্তিমা কাব্যগী আত্মানি, হায়ব মত অসি লেপ্পনবা হোৎনরম্মি। মহিম-ভট্টনা ব্যক্তিবিবেক ইরগা—আনন্দবর্দ্ধনগী ধ্বনিসিদ্ধান্তবু কক্-থৎনবা কন্না হোৎনরম্মি। রুদ্রভট্ট, ভোজরাজ, ধনিক অমসুং ধনঞ্জয় মখোয়সি মতম্ অসিগী অখোয়ব লেখকশিংনি।

৪। ব্যাখ্যা কাল— মরিশুব কাল অসিসু য়াম্নমক্ মরুওইরি। মম্মটাচার্য্যদগী জগন্নাথ অমসুং বিশ্বেশ্বর পণ্ডিত ফাওবা—(১০০০—১৭৫০ খ্রিঃ সং) অসিদা সমালোচনাগী বিদ্বান্ কয়ামরুম্ পোক্খি—হেমচন্দ্র, বিশ্বনাথ অমসুং জয়দেবনচিংবা। মখোয়দ্না কাব্যগী মচাক্শিং শূনা নৈনদ্না পুথোরক্মি। রুয্যক অমসুং অপ্পয় দীক্ষিতনচিংবনা অলঙ্কার শাস্ত্ররোম্দা; শারদাতনয়, শিঙ্গভূপাল অমসুং ভানুদত্তনচিংবনা সমালোচনা সিদ্ধান্তরোম্দা শীংথানিঙাই থবক্ কয়া তৌরম্মি। গৌড়ীয় বৈষ্ণবাচার্য্য রূপ-গোস্বামীনসু মতম্ অসিদা য়াম্নমক্ শীংথানিঙাই থবক্ কয়ামরুম্ তৌরম্মি। রাজশেখর, ক্ষেমেন্দ্র, অমরচন্দ্র অসিনচিংবনা কবি-শিক্ষা— কবিশিংনা লেপ্পনক্ কায়দনা ইনুগদব পরীং-লমাপ্-শিংগী ব্যাকমগী লাইরিক্শিং ইরম্মি। কাল অসিমক্তি সমা-লোচনা শাস্ত্রগী চাননা ব্যাখ্যা তৌনবা মচাতানা রেহ্নোরক্মা থঙ্নরবা মতম্নি। মতম্ অসিদা থবক্ তৌরব পণ্ডিতশিংবু পোরপ্না কাংলুপ্ মরি থোক্না খায়দোক্পা য়াই—

১। ধ্বনিসম্প্রদায়— মম্মট, রুয্যক্, বিশ্বনাথ, হেমচন্দ্র, বিদ্যাধর, বিদ্যানাথ, জয়দেব অমসুং অপ্পয়দীক্ষিৎ অসিনচিংবা।

২। রস সম্প্রদায়— শারদাতনয়, শিঙ্গভূপাল, ভানুদত্ত, রূপ-গোস্বামী।

৩। কবিশিক্ষা— রাজশেখর, ক্ষেমেন্দ্র, অরিসিংহ, অমরচন্দ্র, দেবেশ্বর।

৪। অলঙ্কার সম্প্রদায়— পণ্ডিতরাজ জগন্নাথ, বিশ্বেশ্বর পণ্ডিত।

(III)

সংস্কৃত সমালোচনা সাহিত্যগী শন্নপ্প ইতিহাস খরকং নৈনরব ছুংদা হৌজিক্ অমুক্ কবিশিংনা হৌদোক্লম্মিব কাব্যগী কথবা (মহাও) লৌনব্রিব্ মরৌ অমসুং মতুদগী পাক্ খোক্-চাউ-খোরক্লিবা, ওসিগী অনৌব যুগ অসি কম্ দৌনা শায়োল্লক্লিবনো ? হায়বদু নৈনসি। ক্রিস্তুখৃষ্ট পোকদব চহি ৬০০ লোম্গী মমাং ওইরম্বা তায় (প্রোঃ জেকোবী) আদিকবি বাল্মীকিনা—

মা নিষাদ। প্রতিষ্ঠাং ত্বমগমঃ শাশ্বতীঃ সমাঃ।
যৎ ক্রৌঞ্চমিথুনাদেকমবধীঃ কামমোহিতম্॥

— রামায়ণ

অনুষ্টুভ ছন্দগী শ্লোক অসি খঙ্ হৌদনা শক্তোক্থি আদি-কবিনা। অসিনা হায়রিব ছন্দসি ইহান্-হাব পোক্প মপোক্নি। অসিগী মমাংদা ছন্দ অসি লৈরম্ দ্রি। আদিকবিনা পীখিব শাপ্ মতাদি—হে শাদাখা, উকৈদা তোংলতুনা অপাম্-মুংশি চিল্লোক্লবগুম্ হরাও-তয়াম্না শান্নজরিব ক্রৌঞ্চ্তুমাদগী নামশেংনা হাত্তোক্লিবতুদি— নহাক্ নপুস্লিসিদা কৈদৌঙৈদসু য়াইবি মরাং কায়না চাওখৎখুভম্ ফংনা পাবা ফংলগনু।

আদিকবিগী শাপস্তুক্ অসিমক্পু মহাকবি কালিদাস অমসুং মহাকবি ভবভূতি অনিমক্না সমালোচনা তৌনা শৌগৎলি।

নিষাদবিদ্ধাণ্ডজদর্শনোত্থঃ শ্লোকত্বমাপদ্যত যস্য শোকঃ।

— রঘুবংশম্ ১৪। ৭০

শাদাখনা উচেক্ হাংপা উরুবদগী পোক্লক্পা আদিকবিগী অবাবদ্ মক্না [অনুষ্টুভ ছন্দগী] শ্লোক্ ওইখরে।

ভবভূতিনা—

অথ স মহর্ষিরেকদা মাধ্যন্দিনসবনায় নদীং তমসামনুপ্রপন্নঃ, তত্র যুগ্মচারিণোঃ ক্রৌঞ্চয়োরেকং ব্যাধেন বিধ্যমানং দদর্শ।

আম্রেডিয়ঃ প্রত্যবভাসা দৈবী বাগমানুষ্ছন্দেন সংবৃত্তা পরিণতাম-স্তুদৈয়ত্ ।

— উত্তররামচরিতম্ ২ | ৪

—নোংমগী হুমিত্তা বাল্মীকি মুনিনা হুমিংনা কোক্তোন্ লোয়্লুবদা তমসা তুরেন্দা মধ্যাহ্নস্নান তৌবা লেংথখি। মকম্‌-হুদা ক্রৌঞ্চতুমা'মনা হবাওমথোয় কানা শায়্লজরিতৈদা শাদাম্ব'মনা ক্রৌঞ্চ অমবু নামশেংনা হাংখিবা আদিকবিনা উথি। মথম্মোইদা তীং পান্‌খি। বাণী দেবীমক্না [লোলগী লাইরেম্বীমক্না] শক্লাইনা চোংথোবক্‌খি—অনুষ্টুভ ছন্দফিজোলমক্না। মুনিগী অবাবত্ লোলগী শক্‌কন্না থোবক্‌খি।

বাকম্ অসিবু আনন্দবর্দ্ধননা অথেঙ্‌বদা অস্নুন্না অমুক্ হায়বম্মি—

কাব্যস্যাত্মা স এবার্থস্তথা চাদিকবেঃ পুরা ।

ক্রৌঞ্চদ্বন্দ্ববিয়োগোত্থঃ শোকঃ শ্লোকত্বম গতঃ ।।

— ধ্বন্যালোকঃ ১—৫

—থাইনা আদি কবিগী থম্মোইদগী, ক্রৌঞ্চতুমাদগী নাম হাংখ্রবদা পোক্‌খিব শোকনা শ্লোক ওন্‌খিবহ্নমক্তনা কাব্যগী আত্মানি।

মতৌ অস্নুন্না ভারতকী কাব্যগী ঈহৌকম্ মক্কদি—মীনুংশি অমস্নুং মসিদগী থাক্ খবা কাথংলগা করুণরসতনি, অস্নুন্না কাংবু অমনা লৌনবি। মসিদা ভবভূতিনা—

একো রসঃ করুণ এব নিমিত্ত ভেদাত্

ভিন্নঃ পৃথক্ পৃথগিবাশ্রয়তে বিবর্ত্তান্ ।

আবর্ত্তবুদ্বুদ তরঙ্গময়ান্ বিকারান্

অম্ভো যথা সলিলমেব হি তত্ সমগ্রম্ ।

— উত্তররামচরিতম্ ৩ | ৪৭

রসকী মশীং ৫, ৮, ৯, ১০ অসিনচিংব শীংথানরিবশিংসি অওইবমক্তি করুণকোব রস অসিমক্তনি, মথল্-মথা কয়ামক্না

শীংথারুরিবসিদি ঈশিংগী শকুকম্ উল্, লিল্লা, লেলনচিংবগী মশক্ তোঙান্-তোঙান্থিবগুম্বনি। অসিকাওবা হায়রহনা কাব্যগী য়াম্না মরু ওইরিব মচাক্—ঈহৌকম্দি করুণরস অমসুং মীয়ুংশিখণ্ড্বা হায়বসিনি ; রাকম্ অসিবু চেৎশিন্নবা হোৎনরম্মি আদিকবিনা লুচীংলহনা—আনন্দবর্দ্ধন, ভবভূতি, কালিদাসনচিংবনা।

(IV)

কাব্যগী ফজবা করিনো ? করম্ব যোগ্যতা লৈবনা করিগুম্ব সাহিত্য-লৈচন অমবু কাব্য কৌনরিবনো ? শম্না হায়রবদা কাব্য কৌননবগী জিবনী শক্তিমক্তি করিনো ? মসি খিনরক্পদা অখণ্ড্-অহৈশিংনা মান-মানা পান্না লেপ্লুব যুক্তি প্রমাণশিংনা—কাব্যগী জিবনী শক্তি—কাব্যগী আত্মাগী রাকম্শিং লেপ্লে। মরম্ অসিনা সাহিত্য সমালোচনা জগত্তা কাব্যগী জীবনী শক্তিগী কাংলুপ (সম্প্রদায়) কয়ামরম্ লৈরি। মখোয় পুন্নমক্ মাগী মাগী লম্শিংদা মপুং ইফা ফাই। সাহিত্য জগত্তা মীয়াম্গী লুপ্তিন্-কম্ ওইবনা হায়রিব লুরব হিরম্ অসিদসু রারেপ্ থেম্নব থরা লৈন লৈনা অরোয়ব পম্থুংদদি মান্নব থরা লৈবসু উই। চাননা ধর্ম্ম সম্পাদায়শিংনা অমগা অমগা য়ান্না থাপ্নবা, অমনা অমগীদা চংলুবা ইয়া য়াদবা থৌদৌহমক্তি নত্তে। সাহিত্য সম্প্রদায়-শিংসিদা চাননা বার্ত্তোন করুবা, মহৈ-মহৈ আনী তৌনহনা হন্না য়েংনদবা থৌদৌমক্তি লৈতে। করিগুম্বদা সম্প্রদায় অনি নত্রগা অনিদগী হেম্ব মশীংশিং য়াম্না নক্শিন্নখিবমকসু য়াওদবা নত্তে। সংস্কৃত সাহিত্য সমালোচনা জগত্তা নীংশিংবা থোক্লব্রব মতম্

হায়বদি আদি কালদগীনা চহি ১৭৫০ (বিক্রমী সম্বৎ) শুরক্পা অমসুং মসিগী মতুং কাওবৃদা শীংথারক্লিব সাহিত্য সম্প্রদায়-শিংগী রাকম্শিং নৈনসি—

সম্প্রদায়শিংগী মিং . হৌদোক্লব মী অমসুং তুংইনহৌবশিং
১। রস সম্প্রদায়— ভরতমুনি, বিশ্বনাথ, হরিদাস-সিদ্ধান্তবাগীশ।
২। অলঙ্কার সম্প্রদায়— ভামহ, উদ্ভট, রুদ্রট
৩। রীতি সম্প্রদায়— বামন
(কনাগুম্বনা গুণসম্প্রদায়)
৪। বক্রোক্তি সম্প্রদায়— কুন্তক
৫। ধ্বনি সম্প্রদায়— আনন্দবর্দ্ধন
৬। ঔচিত্য সম্প্রদায় — ক্ষেমেন্দ্র

সংস্কৃত সাহিত্য সমালোচনাগী, অসিদা পোল্লেপ্ ফম্ ওই-গদবনি হায়বা সিদ্ধান্ত পীনরক্লনা, কাব্যশিংগী ফজব মতৌশিংবু, গুণ-দোষশিংবু কূপ্ন-কূপ্ন নৈনরক্লনা মখোয়-মখোয়তগী ওইজরব জগৎ অমমম্ শেম্নজরিবসি মথক্কী কাংলুপ্ তরুক্ অসিনি। কাংলুপ্ লুচীংবশিং অমসুং মখোয়গী তুংইল্লিবশিংসিসু চুপ্পা কাব্য শাস্ত্র মুপ্না খঙবদ নত্তনা—ন্যায়, বেদান্ত, সাংখ্য, পূর্ব্ব মীমাং-সানচিংব দর্শনশিংদা য়াম্না হৈনরব মাইগৈ ভাক্লিব বিদ্বান্ ভাক্তনি। মরম্ অসিনা ভারতকী সাহিত্য সমালোচনাসি য়াম্না রাংই, য়াম্না লুই। মসিগী পৌরব খুদম্দি— রস সিদ্ধান্তগী মতাং অসিমক্তি। ভরত মুনিগী 'রসনিষ্পত্তি' অসিমক্তদা সংয়োগ অমসুং নিষ্পত্তি রাহৈ অনিসিগী মমুংগী অর্থ অভিপ্রায়শিংত্থু লেপ্নবা হোৎনবদা দার্শনিক বিচার কয়ামরুম্ থীংজিল্লক্লনা সূত্র অসিবু চাননা বেদান্তব্রহ্মসূত্রগী, সম্প্রদায় কয়ামরুম্গী দার্শনিকশিংনা মান-মনা পামজব লম্বীশিংদা লমজীংনবা হোৎনজবমক্তা পাম্থক্লি। * কূপ্না 'নৈনৈ, লোয়বা নাইদে। হৌজিক্ সম্প্রদায় তরুক্কী রাকম্শিং নৈনসি; অহানবদা -

১। রস সম্প্রদায় -

ভরত মুনি, রস সম্প্রদায়গী লময়াম্ব অপোয়ব পণ্ডিতনি। মাহাক্না মশাগী নাট্যশাস্ত্রগী তরুকশুব অধ্যায়দা রসপু অহুগা

* রস নিষ্পত্তিগী সংয়োগ অমসুং নিষ্পত্তিগী কূপ্নব বিচারগী রাকম্ অসি এখোয়না -'রস অলঙ্কারগী অলঙ্কার' কৌব লাই-রিক্তা মপুং ফানা নৈনরি।

তরেংশুব অধ্যায়দনা ভাবপু নিংখিনা তাক্লি। মসিমক্তি সাহিত্য জগংকী মমল্ য়াম্লব পোৎশক্লি। ভরতনা রসসূত্র— "বিভা-বানুভাবব্যভিচারিসংযোগাদ্রসনিষ্পত্তিঃ" (অসি ইরগা বিভাব [উদ্দীপন অমসুং আলম্বন] অনুভাব অমসুং ব্যভিচারিভাব (সঞ্চারিভাব) মথোয়সি পূল্লগা রস পোক্ই,) অসুম্না শক্লাইত্রবব্ শক্লাইব মতৌগুম্না লায়না থিন্দুনা তাক্লম্মি। পিক্লব রসসূত্র-সিগী ব্যাখ্যা কয়া বিচার কয়া তৌনবদা লোয়বা লৈতে। খঙ্হরিবমখৈ লুথনিঙাইনি। ভরত মুনিমক্না ইরম্বসিদি লায়রপ্ তৌই হায়নৈ অহুগা অতৈ অনৌব পণ্ডিতশিংনা মসিগী বিচার তৌরম্লিবশিংসিদি য়াম্ন চৈহক্লা লুই। সূত্র অসিগী বিচার তৌরম্ব পণ্ডিতলক্তা— ভট্টলোল্লট, শঙ্কুক্, ভট্টনায়ক অমসুং অভিনবগুপ্ত মথোয়সিনা অথোয়বনি।

	আচার্য্য	হৈরুব	লৌরিব বারেপ্	সংয়োগগী অর্থ	নিষ্পত্তিগী অর্থ
১।	ভট্টলোল্লট	—পূর্ব্বমীমাংসা	উৎপত্তি নত্রগা আরেপ	কার্য্যকারণ	উৎপত্তি
২।	শঙ্কুক্	— ন্যায়	অনুমিতিবাদ	অনুমাপ্য-অনুমাপক ভাব	অনুমিতি
৩।	ভট্টনায়ক	—সাংখ্য	ভুক্তিবাদ	ভোজ্য-ভোজকভাব	আস্বাদ
৪।	অভিনবগুপ্ত	—উত্তর-মীমাংসা	অভিব্যক্তি	ব্যঙ্গ্য-ব্যঞ্জকভাব	অভিব্যক্তি

মতৌঅসুম্না দার্শনিকশিংসিনা মান-মানা হৈরুব দর্শনশিংগী বাখল্ পরিং তুংইন্না সংয়োগ অমসুং নিষ্পত্তি বাহৈ অনিসিগী অভিপ্রায় (রস ফোঙদোক্পদা অর্থ লৌগদব মরোল্হ) কূপ্না নৈনরহুনা মশা মশাগী সিদ্ধান্তশিংদা সূত্র অসিগী য়ুম্ফম্ চেৎননা কন্না হোৎনরম্মি, লোয়ননা মপুং ফাই।

ভরতনা নাট্যশাস্ত্রদা রস নিপাল্ শীংথারি— ১। শৃঙ্গার, ২। হাস্য, ৩। করুণ, ৪। রৌদ্র, ৫। বীর, ৬। ভয়ানক, ৭। বীভৎস, ৮। অদ্ভুত।

ভরতনা কাব্যগী [মতম্ অহগীনা রূপককীদমক্ ?] শেন্নয় রসসূত্র অসিনা লম্জীংলম্ষিবত্ত্রবু তুংদা হৌরক্প সমালোচক-শিংনা মশা মশাগী মচিন্ থৌরব রাখল্ পরিংশিংনা অস্থুম্ অস্থুম্ নোয়খৎ চাউংহন্খি। কায়নথংদা বাক্যং রসাত্মকম্ কাব্যম্ (বিশ্বনাথ) মসি সম্প্রদায় অসিগী অরেপ্প সিদ্ধান্ত-সূত্র ওইনখি।

ভরতকী তুংদা হৌরক্প সমালোচকশিংনা কাব্যজগত্তা অতৈ রস কয়া হাপ্চিন্খি। আনন্দবর্দ্ধননা শান্তরস, রুদ্রটনা প্রেয়ান্ রস, বিশ্বনাথনা বাৎসল্যরস, রূপগোস্বামীনচিংব-গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা মধুররস। রসনা কাব্যগী আত্মানি, সাহিত্য লৈচন্-'পুম্বগী মাতনা মপুং ওইরিবনি, অস্থুম্না য়ানরিবসিমক্তি—আদি-কবিগী থম্মোইদা ক্রৌঞ্চ চেক্লা তুমাদগী নামশেৎনা হাৎখিবা উরুবদা ফাওরক্খিব ঈকূৎ অচ্ছদগী হেৎখ্রবনি। আদিকবি বাল্মীকিদা ফাওরক্খিব করুণ রসকী মতৌ অহুগুম্বগী, তুংদা হৌরক্প কবিশিংনা অমসুং অতৈ পণ্ডিতশিংনা কায়দনা খুদুং ইপ্পবনি। মসিনা, রসনা কাব্যগী আত্মা ওইবগী রাহোদোক্লি। মহাকবি ভবভূতিনা মাগী উত্তররামচরিতম্‌দা নৈনরম্বা থক্তা পন্থ্রিব রাকম্ অদুনা মসিগী চেৎলব প্রমাণনি। সংসারসিনা খ চেৎনা নিংথিনা পান্নবগীদমক খ্বাইমক্তুগী হেন্না য়াম্না চাউর দাং করুণরসনা পুরিবনি, মসিদি শোয়দ্রবনি।

২। অলঙ্কার সম্প্রদায় -

সম্প্রদায় অসিগী লুচীংবদি ভামহনি। মাহাক্ ভরতমুনিগী তুংদা কাওখিবনি। মাগী তুংইথ্বা উদ্ভটনা 'ভামহবিবরণ' কৌব লাইরিক্ ইরম্বনা ভামহগী অলঙ্কারনা কাব্যগী আত্মানি, হায়রিব

সিদ্ধান্তসিবু শব্দোল্লম্মি। তুংদা দণ্ডী, রুদ্রট, প্রতিহারেন্দুরাজ অমসুং জয়দেব অসিনচিংবসি সম্প্রদায় অসিগী সমালোচক পণ্ডিতশিংনি। কাব্যগী জীবনী শক্তিদি—অলঙ্কারনি, মগোন্দা মগিমক্তনা প্রধাননি। সম্প্রদায় অসিগী পণ্ডিতশিংনা সিদ্ধান্ত অসিদা লেপ্পি।

জয়দেবনা অসুম্না হায়রি—

अङ्गीकरोति यः काव्यं शब्दार्थावनलङ्कृती।
असौ न मन्यते कस्मादनुष्णमनलङ्कृती॥

— चन्द्रालोकः १—८ (जयदेवः)

কনাগুম্বনা শব্দালঙ্কার অমসুং অর্থালঙ্কার অনিনা লৈতেংগ্রবা (য়াওদ্রবা) কাব্যহুবু 'কাব্যনি' হায়না লৌরবদি— মাহাক্ মৈ শাদে হায়রবস্তু য়াবা তায়। অসুম্না ভামহনস্তু হায়রি—

`न कान्तमपि निर्भूषणं विभाति वनितामुखम्।

— काव्यालंकारः १/२१ (मामह)

—ফনা চায়থোয়রবী ওইহ্নসু মশাদা লৈতেংবু মপক্তবদি মাগী প্রেমীহুগী মমাংদা থক্ ঙাম্বোইদে (লৈতেঙ্গী মতেংতনা প্রেমিকাসু প্রেমিকা ওইরিবনি)। মতৌ অসুম্না অলঙ্কার মতীক্-চানা য়াওরবতদা কাব্যহু কাব্য ওইরিবনি।

विलक्षणा हि काव्येन दुःसुतेनेव निन्द्यते।

— काव्यालङ्कारः १/११ (भामह)

মথোংচাগ্রব কাব্যদি হায়বদি মফম্-মতম্চাদনা বাহৈ অমসুং বাহৈপরেংশিং শীজিন্নরুদ্না মশক্থিরব কাব্যদি পণ্ডিতশিংনা লৌনিঙাই ওইদে, নিন্দা তৌনৈ। মচানি হায়দ্নসু মথোংচাগ্রবদি বারক্-বাতেম্ ইয়া ময়াগ্রবদি কাম্নিঙাই ওইদে, নিন্দা তৌনৈ। মরম্ অসিনা—

शब्दार्थौ सहितौ काव्यम्। **— काव्यालङ्कारः १/१'**

মফম্-মভম্চানা, মতাংচানা লৈয়েং-লৈচন্ ফজনা শেম্লিব বাহৈ অমসুং বাহৈপরেংশিংদগী নিংথিরব অর্থ থোক্লিবদু [অলঙ্কারশিং কোঙদোক্লরিবদু] কাব্যনি।

ভামহগী বাকম্শিংসিবু দণ্ডীনা শৌগৎলি, অসুম্না হায়রি—

কাব্যশোভাকরান্ ধর্মানলঙ্কারান্ প্রচক্ষতে।

— কাব্যাদর্শঃ ২/১

কাব্যশিংবু ফজহল্লিব ধর্মশিংছুবু অলঙ্কারনি হায়না খঙৈ।

ভামহ অমসুং দণ্ডীগী তুংদা উদ্ভট (৮শুব শতাব্দী) না কাব্যালঙ্কার সারসংগ্রহদা রসশিংনা য়োম্লিবা—য়োকৃখতুনা পুল্লিব অলঙ্কার অদুতনা মহয় য়াল্লি হায়বি। মশীংসু রসনা ৯ নি অদুগা অলঙ্কারনা ১৪ নি শীংথাবি। রুদ্রট (৯শুবা শতাব্দী) না কাব্যালঙ্কারদা কাব্যগীদমক রস তঙাইফদে হায়ন-হায়না অলঙ্কারশিংসিমকসু য়াম্না তঙাইফদবনি হায়রি, তৌবুত্তদি কাব্যগী অলঙ্কারশিংসি মীওইবগী খুজি অমসুং নাগী লৈতেংশিঙ্গী মতৌ-গুম্বনি, মপাম্থোংগী পোৎশক্শিংনি শীংথারি।

অলঙ্কার সম্প্রদায়গী লুচীংবশিংনা অলঙ্কারনা কাব্যগী মরু ওইবনি, জীবনী শক্তিনি হায়নবিবসিমক্তদসু মখোয়না রসপুসু থকৃ কাউদে, থাদোক্কে, ভামহনা হায়রি—

যুক্তং লোকস্বভাবেন রসৈশ্চ সকলৈঃ পৃথক্। — কাব্যালংকারঃ ১/২১

রস য়াওবা তঙাইফদে কাব্যদা, হায়নীংলিবসিমক্তি শৃঙ্গার-রসনচিংবসি য়াওগদবনি [কনাগুম্বনা মাগী সীমাসুংদা প্রেয়স্ উর্জস্বিন্ অমসুং সমাহিত—মখোয়সিসু মরুওইবনি লৌনরি] মহু-তনা মাগী মরুওইবনি জীবনী শক্তিনি হায়বনি। অসিদসু নত্তনা ভামহনা অসুম্সু হায়রি—

সংযুক্তয়োক্তস্বভাবেন রসৈশ্চ সকলৈঃ পৃথক্।

— কাব্যালংকারঃ ১/২১

(কাব্যদা অলঙ্কারনা মপুং ওইরবদসু) মীয়ামগী অপাম্বা (রুচি) শিং অমসুং স্বভাবশিং মথল্-মথা য়াম্বনা শীংথাখিব্র শৃঙ্গাররসশিংসিদ নত্তনা অতৈ অতৈ রসশিংবুসু অলঙ্কারশিঙ্কা লোয়নননা শীংথাগনি। মতৌ অসুম্না অলঙ্কার সম্প্রদায়গী সিদ্ধান্তসি রসলোম্দা মায় ওন্শিল্লি, সুপ্নগী রসনা কাব্যগী মরু ওইবনি জীবনী শক্তিনি [আত্মানি] শেংনা হায়দোক্কবনি।

৩। রীতি সম্প্রদায়—

মথক্কী সম্প্রদায় অনিসিগী তুংদা রীতি সম্প্রদায় নৈনবা তারি। মসি বামননা লিঙ্খৎলম্বনি; মাগী সূত্রহু অসিনি—

রীতিরাত্মা কাব্যস্য — কাব্যালংকার সূত্রাণি ১/২/৬

রীতির্নামেয়মাত্মা কাব্যস্য শরীরস্যেবেতি বাক্যশেষঃ।

রীতিনা কাব্যগী আত্মানি। রীতি কৌবী অসিনা কাব্যগী মরুওইবনি, জীবনী শক্তিনি—আত্মানি, কাব্য কৌব হকচাং অসিগী রীতিনা আত্মানি লৌনগদবনি। রীতি কদায়বু কৌই -

বিশিষ্টা পদরচনা রীতিঃ। — কাব্যলংকার সূত্রাণি ১/২/৭

বিশেষবতী পদানাং রচনা রীতিঃ।

করিগুম্ব থোয়দোক্-হেন্দোক্‌প মতৌ অমা পল্লিব (য়াওরিবা, মাহে ময়ামগী লৈচন্-লৈরেং ফজনা শেম্লিবহুবু রীতি কৌই। থোয়দোক্ হেন্দোক্‌প মতৌ হায়বদি — বিশেষো গুণাত্মা ১/২/৮

বৈদর্ভী, গৌড়ীয়া, পাঞ্চালী অসিনচিংব গুণশিংবু য়াম্নমক্ মরুওইনা শীংথারিবা (মথোয়সিবু মকোক্‌থোংহল্লিবা) মতৌহুবু থোয়দোক্-হেন্দোক্‌প মতৌনি শীংথানৈ — হায়রিব গুণ অহুমক্তি—

কাব্যশোভায়াঃ কর্তারো ধর্মাঃ গুণাঃ।

যে খলু শব্দার্থয়োঃ ধর্মাঃ কাব্যশোভাং কুর্বন্তি তে গুণাঃ।

কাব্যালংকার সূত্রাণি ২/১/১

মাইং অমসুং অর্থ [illegible] [[illegible]] [illegible] [illegible] [illegible] 'ভা' কৌই [illegible] ।... [illegible] [illegible] হায়রি—

[illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥

কাব্য কজবা হেন্‌গৎহল্লকপা মরুওইরিব [illegible] অমসুং অলঙ্কার অমুখা খজনম্লিবগি।

বামননা বৈদর্ভী, গৌড়ী, পাঞ্চালী অমিলচিংব গুণশিং অমসুং, শব্দালঙ্কারশিং-অর্থালঙ্কারশিং - মখোয়শিগী বিচার কয়া তৌরম্মি। মাহাক্না গুণ হায়বসি শব্দদা নৈ অদুগা অর্থদসু নৈ হায়বা উৎলম্মি। বামনগী ফুংদা দণ্ডীনচিংবনা হিরম্ অসিদা শন্নোক্না থবক্ তৌরম্মি। শব্দ হায়রবদা রীতি সম্প্রদায়না গুণ অমসুং অলঙ্কার অনিগী খেন্নবচিংব নৈনদুনা সাহিত্য সমালোচনাগী লম্‌দা চাউরব উপকার তৌরম্মি। মরম্ অসিনা মসি হায়বা ঙমরিবনি মদুদি— অলঙ্কার সম্প্রদায়গী রীতি সম্প্রদায়না ফুনা বিচার তৌবা, মিথৌবা হেল্লি।

৪। বক্রোক্তি সম্প্রদায় -

বক্রোক্তি সম্প্রদায় হোৎলক্লমগী পণ্ডিত কুন্তকনি। বক্রোক্তিনা কাব্যগী মাময়ক্ মরু ওইবনি, মাদা মাহাকী থীজিনবা লৈরিবি, অসি সম্প্রদায় অসিগী সিদ্ধান্তনি। বক্রোক্তিগী অর্থদি মীয়াম্না খুনৈ-শানরিবসিংদগী খেন্নোক্‌পা মা হায়বনি, অসি চাউরক্‌পা তারগনা মীচম্-মীয়ামনা [illegible] বাক্যশিংদগী [illegible] মীয়াম্গী নত্তব থাক্তাং (কুথি) অমদুগ্ খোল্লব অনকপ মওং নৈরব বাক্য (বাক্‌-ভঙ্গী-কুথি) মদুদু বক্রোক্তি কৌই। কুন্তকনা হায়রি—

[illegible],
[illegible]।
[illegible]।

— [illegible] ১/১১

হায়নবু [illegible] অমক্ পনরা। [illegible]-তোপ [illegible] বাকম্ হায়বদি 'বৈদগ্ধ্যভঙ্গী ভণিতি' বু-বক্রোক্তি হায়না খঙ্ নগনি। মীচম্শিংনা মপুক্কিং-বাখল্ থোঙদোক্পা য়াজ [illegible] বাঙাং-বাতা শীজিন্নে তৌইগুম্বগুং মহুদগী তোঙানিব কবিগুম্ব অতক্প গুণ চেল্লিব বাঙাং-বাতাবু 'বক্রোক্তি' অসুম্না কাওই।

কুন্তককী বাফম্ অসিবু ভামহনা হায়্না অসুম্না হায়রম্লবনি—

শব্দস্য হি বক্রতা অভিধেয়স্য বক্রতা লোকোত্তীর্ণেন রূপেণাবস্থানম্। — লোচনটীকা (ধ্বন্যালোক পৃ০ ২০৮)

'মীচমগী বাঙাং-শাঙাংশিংদগী থোয়দোক্লিব বাকম্, অভিধেয় হায়বদি অভিধাশব্দশক্তিনা ফোঙ্দোক্লবিব অর্থ (মখুংগী ভাব) অদুদগী থোয়দোক্প মীচম্গী বাঙাং-শাঙাংদগী (বাকম্দগী) কজব। হেন্গৎপা হায়বসিমক্তবু ময়াম্দগী তোপ্তোপ্না কজবা হৌনশানি। ভামহগী বাফম্ অসি বক্রোক্তিবু হায়রিবনি, অসুম্না লৌনৈ।

বক্রোক্তিগী মরুওইব মখল মঙানি—

(ক) বর্ণবক্রতা, (খ) পদবক্রতা, (গ) বাক্যবক্রতা, (ঘ অর্থ বক্রতা; ঙ) প্রবন্ধবক্রতা।

(ক) বর্ণবক্রতা— ময়েক্শিং শীজিন্নবদা মীয়াম্দগী থোয়্-দোক্পা। থোক্হোক্ মাঙব ময়েক্শিং 'পয়েংশানা থম্বা'; অনুপ্রাস-যমকমচাশিং শব্দালঙ্কারশিং 'থুংগু কজনা গুবা।

(খ) পদবক্রতা— বাহৈশিং শীজিন্নবদা থোয়দোকা হৈ-শিনা 'মন্‌-মন্না অর্থ হিংহনা থোক্হন্না' বাহৈপয়েংশিং শাজিবা; বাহৈশিং য়ামমক্ চেক্শিন্না লোঙ্শিন্ [illegible] কয়িত্তবদা

ৱাহৈ অমত্তং হৌড়্‌দোক্‌-হোৎজিন্‌, ইজায়াজ্রব ফজরবয় অমুক্‌, মহুৎ শীজিন্নিনাই হওই ওইজ্রবা।

(গ) বাক্যবক্রতা— ৱাহৈপরেংশিংগা চেয়দোক্না ফজরব মতৌ; ৱাহৈপরেংশিংদ্‌ থল্‌-থব্দুনা শীজিন্নবা, মীয়ামা তোঞনা শীজিন্নরিবশিংদগী তোপ্‌-তোপ্প প্রয়োগ মতৌ। পুক্লিংগী থা কৌড়্‌দোক্‌ পীবা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা পাম্বৈশিঙ্গা (কলাশিল্প) ইমান্‌-মাজ্রব মতৌদ্‌ বাক্যবক্রতানি। অনিশুবা অমস্তুং অহম্‌শুব আনিমক্কী খুদম্‌দা "থম্বাল" গী মহুত্তা পুন্নাগী ফজরব মিংকম্‌ অদ্‌গা অয়ুক্কী ঙাঙ্‌্নরবা উথা লাইরেম্বীবু তেংবাথমপুগী অয়ুক্কা দর্শন ফংনিব ঙাঙ্‌্নরব চরণ, অস্তুম্না কবিকল্পনা লোয়নন্না শীজিন্ন-রিব ৱাহৈশিং অমস্তুং ৱাহৈপরেংশিংসি শীংথানবা য়াই।

(ঘ) অর্থবক্রতা— মীচম্না ইথোরকপা-ঙাংথোরকপা ৱাঙাং-শাঙাংশিংদগী ইতোপ্‌-তোপ্পিব তাঙ্‌লব-পাক্‌ ওইথোক্কব অর্থ জাৎ অমা কৌড়্‌দোক্কবিব মকোঙ্‌দোক্ত অর্থবক্রোক্তিনি। মসিদা লক্ষণা অমস্তুং ব্যঞ্জনা শব্দশক্তি অনিসিদগী কৌড়্‌দোক্কবিব লক্ষ্যার্থ অমস্তুং ব্যঙ্গ্যার্থশিংহুবু বক্রোক্তি খুৎত-হৈনরবশিংনা কাব্য-জগত্তা অঙকপ ফংনা ফজনা শীজিন্নরি। অর্থালঙ্কারশিংগী ফজরব মতৌক্‌ মগুণশিংবু মপুংফানা কৌড়্‌দোক্কনবগী পাম্বৈস্তু অর্থবক্রোক্তি-সিমক্না ওইনরি। অর্থবক্রতা অসিগা ধ্বনিবাদীশিংগী ধ্বনিগী অঙকপ চমৎকারশিঙস্তু য়াম্না নক্করি। অর্থবক্রতাদা থ্‌পুলৈরিব মহুংগী ভাব অমস্‌ং ধ্বনিদা থ্‌প্পিব্‌ ৱাংলব কুপ্পব ইঙ্গিং অনিসি মপুংদাদি অমত্তনি, হায়রবা য়াই।

(ঙ) প্রবন্ধবক্রতা— করিগুম্ব ৱারেং নত্রগা সাহিত্য লৈচন্‌ অমনা পিক্লবস্তু চাউরবস্তু থুপ্পব-ৱাংলব-কুপ্পব-মীয়ামগী ৱাথল্‌শিংনা লাম্বা ফংনজ্রব ভাব (অর্থ) জাৎ অমা কৌড়্‌দোক্কবিবহুবু প্রবন্ধ বক্রতানি শীংথানি। শম্না হায়রবদা সৃজনশীল সাহিত্যগী করিগুম্ব লৈচন্‌ অমনা মীথোয় মীহেক্ক ফজরব তোপ্‌-তোপ্প

মতৌ অসি [illegible] এককনকত লৈরে। খুদম্ ওইনা—

(অ) [illegible] নবাবু থাখি।

(আ) মতুংগী [illegible] পুক্রোংন্না তাত পোক্নি।

(ই) সুগ্রীব শিং[illegible]নবগি রামবিব বাণকু থাকা ইথেং পারই।

খুদোম অহম্‌সি মাগী ওইব বাকয়্ তাক্‌নি, বক্রোক্তিগী কৃতিত্ব মনম্ অমত্তা মথোয়গিদা পক্রি, চুম্‌জিং মাইথেংদরে-শিংদ্রি। কবিনা মথোয়গিদু অদুমা কোক্‌লোকরদি—

(অ) কোরৌহন্না লোংপোক্ পুম্‌চান্-তাপ্‌হন্না তমংতমং খুংগায়রবদা চাররবা পৃথিবীনা হয়াওজরদ্‌না—লাইহা উয়োম্‌ংবগী নমথোই মকায়াদা হয়াও কোক্‌লোক্ খুদম-থম্বাল মায়থোং নিংথিজবনা লোক্‌চরদ্‌না মথুংতোবু তয়ান্না ওক্‌চরি।

(আ) মহাকবি কালিদাসকী অভিজ্ঞানশকুন্তলম্।

(ই) আদিকবিনা—

ন স সংকুচিতঃ পন্থা, যেন বালী হতো গতঃ।
সময়ে তিষ্ঠ সুগ্রীব, মা বালীপথমন্বগাঃ॥

— রামায়ণ, কিষ্কিন্ধ্যাকাণ্ড ৩০/৮১

নয়াম বালীনা চৎখিব অসি-লম্বীদু থোয়না শীক্‌পা নত্তে, সুগ্রীব, যায়েথখিবদ্ কায়দনা মতম্‌চানা নথৌ পাঙ্‌থোক্‌উ, বালীগী তৈন্নাতুংইনবীজন্নু।

খুদম্‌শিংসি কয়াদা মপুংফানা নীংথিজবব প্রবন্ধ বক্রোক্তিগী খুদম্‌শিং ওইনবা যাগিবা।

বামনগী মমাংদা অলঙ্কার সম্প্রদায় লিখৎলবা ভামহনা বক্রোক্তি অসিগী মরু যাংলোননা সমালোচনা তগত্তা হখিরমবনি। মাহাক্তি অতিশয়োক্তিবুসু বক্রোক্তিনি শীংথানখি, অসিদগীদু হেন্দোক্‌না অতোপ্প তর্ক অমসু অস্ত্রা পীরখি—

সৈষা সর্বত্র বক্রোক্তিরনয়ার্থো বিভাব্যতে।
যত্নোঽস্যাং কবিনা কার্যঃ কোঽলংকারোঽনয়া বিনা॥

কাব্যদা বক্রোক্তিতনা নিংথি-মিংথিনা অর্থ কোঙ্‌দোক্লহল্লি; মরম্‌ অসিনা বক্রোক্তি শীজিন্নবদা কবিশিংনা য়াম্নমক্‌ চেক্‌শিন্‌-গদবনি মরম্দি— মসি নত্তনা অলঙ্কার কম্‌দৌনা মপূং কানা ঙান্‌গনি ?

ভামহগী বাখলদা থোয়দোক্‌-হেন্দোক্‌প অর্থ কোঙ্‌দোক্ল-রিব য়াহৈশিং শীজিন্নবতনা কাব্যদা অলঙ্কার মপূং ফানা ঙাম্হোক্‌-হন্না য়ারিবনি বাচাং বক্রার্থশব্দোক্তিরলংকারায় কল্পতে। ভামহগী বাফম্‌ অসিবু তুংদা হৌরক্‌প পণ্ডিতশিংনা পান্না শন্দোক্লখি। মপূং ওইনা কুন্তককী বক্রোক্তি জীবিত শীংথানিঙাইনি।

৫। ধ্বনি সম্প্রদায় —

শব্দশক্তিগী বাংলব থুপ্‌সু থুম্নব থোগায় পুরিব ব্যঞ্জনা শব্দশক্তিনা কোঙ্‌দোক্লিব ব্যঙ্গ্যার্থনা মরম্‌ ওইরদুনা কাব্যগী চমৎকারশিং কোঙ্‌দোক্লরিবহ্ ধ্বনিগী থবক্নি। অসুম্ব থুংগুন-রিবশিংবু ধ্বনি সম্প্রদায় হায়না থঙৈ মসিগী লুচাংবনা আনন্দ-বর্দ্ধননি। টীকা ইদুনা মথা শম্থবিবনা অভিনবগুপ্তনি। সম্প্র-দায়সি পোক্লকপগী বাহৌদি অসিনি—রসনিষ্পত্তি অমসুং রস-সিদ্ধান্ত চংনরক্‌পসি মক ওইনা নাটকতা ভরতমুনিনা, মতুংদা মাগী তুংইল্লিবশিংনা হিবম্‌ অসিবু নোয়থৎ-চাউথৎহন্‌খি। থন্থনখি রস হায়বসিমক্‌ অভিধা শব্দশক্তিনা ফোঙ্‌দোক্লিব অভিধেয়ার্থ (বাচ্যার্থ) অদু নত্তে, ব্যঞ্জনা শব্দশক্তিনা ফোঙ্‌দোক্লিব ব্যঙ্গ্যার্থ অদুবুনি। সিদ্ধান্ত অসিবু মপূং ফাহল্লদুনা - আনন্দবর্দ্ধননা ব্যঙ্গ্যার্থতবু কাব্যজগৎকী মকোক্‌ ওইবনি লেপখি। আনন্দ-বর্দ্ধনগী সিদ্ধান্তসি যোঙ্‌দোক্লিঙৈদা ধ্বনিগী মবীদা তোঙান্‌-তোঙাম্ব লম্বী অহুম্‌থক্‌ লৈরম্মি—(১ অভাববাদী, ২) ভক্তি-বাদী, (৩) অনির্ব্বচনীয়বাদী। লম্বী অহুম্‌সিদগী লৌনিঙাই লৌরগা আনন্দবর্দ্ধননা ধ্বনি সম্প্রদায় লিঙ্খৎলম্মি। মসিমক্‌ অঙকপ মরোৌশিং-মথৌনানি।

ধ্বনি সম্প্রদায়গী সিদ্ধান্তদি—

কাব্যস্যাত্মা ধ্বনিরিতি বুধৈর্যঃ সমাম্নাতপূর্ব্ব—
স্তস্যাভাবং জগদুরপরে ভাক্তমাহুস্তমন্যে।
কেচিদ্বাচাং স্থিতমবিষয়ে তত্ত্বমূচুস্তদীয়ং
তেন ব্রূমঃ সহৃদয়মনঃ প্রীতয়ে তৎস্বরূপম্।

— ধ্বন্যালোকঃ ১/১ (আনন্দবর্দ্ধন)

কাব্যগী আত্মা (জীবনীশক্তি) দি ধ্বনিনি, হায়রিবসি আ-মমাংঙৈদা পণ্ডিতশিংনা কোঙ্‌দোকখ্রবনি ; মসি কায়নথংদনু লেপ্পরবা য়ানরব য়াকল্লি ; অতৈদি ওইরগা মসিগী মথক্তা কনা কনাগুম্ব পণ্ডিতশিংনা ধ্বনি কৌবদি লৈতে, হায়জিল্লনি নত্রগা মসিমক্তি লক্ষণা শব্দশক্তিনা কোঙ্‌দোক্লরিব অহতবু হায়বনি, অসুম্না মত পীনরি। অসিদসু নত্তনা কনাগুম্বনা ধ্বনিতত্ত্বদি মীওইবনা শীংথানব ওয় শক্তিগী য়াংমদা লৈবনি অনির্ব্বচনীয়নি ; অসুম্না লম্বী য়াম্লম্বসিদগী কাব্যগী জীবনী শক্তি (আত্মা) করিনো হায়বা লেপ্পনবা হোৎনরি।

ধ্বনিতত্ত্বগী মথল্ অহুম্নি— (১) রসধ্বনি, (২) বস্তুধ্বনি, (৩) অলঙ্কারধ্বনি।

(১) রসধ্বনি – রস মথল মাপল্ নত্রগা তরাসি কোঙ্‌-দোক্‌পদা ব্যঞ্জনা শক্তিনা মরম্ ওইদুনা ইনৌ নৌরব চমৎকার অমা কোঙ্‌দোক্লিবদুনি।

(২) বস্তুধ্বনি - কাব্যনা শীংথারিব য়াকম্ নত্রগা পোৎ অদু শেংনা কোঙ্‌দোক্‌পদা লুরব পাখোঙ্ অমা চল্লিবা, মীচম্না হায়দোরক্‌পগা ইমান্-মান্নদব মহায়দোক্তু বস্তুধ্বনিনি।

(৩) অলঙ্কারধ্বনি— মীওইবগী কুপ্প-কুপ্পব পুক্লিং-য়াখল্‌শিংবু অলঙ্কার পাম্বৈনদুনা থোয়ন হেন্না ফজহন্না পুথোরক্লিব কাব্যগী চমৎকারদু অলঙ্কারধ্বনিনি।

ধ্বনি মথল্ অহুম্‌সিগী খুদম্ ওইনা—

অচম বাকমগী—

ক্ষুণ্ণে বকেষ্বাতাপে কুমার্যঃ পুলকোদ্গমৈঃ।

সূচয়ন্তি স্পৃহামন্তর্লজ্জয়াবনতাননাঃ॥

হুপীমচাশিংনা, মপুরোয়ব ওইরগদব হুপাগী মরীদা ৱারী শানবদা (হুপী হায়রবদা) ইকায়খুনা মমায় লুক্‌থৈ; মপুক্কিংদতা ইথৌলাংজদ্‌না থাংথি।

চানব কাব্য ওইরবা—

এবং বাদিনি দেবর্ষৌ পার্শ্বে পিতুরধোমুখী

লীলাকমলপত্রাণি গণয়ামাস পার্বতী।

দেবর্ষিনারদনা পার্ব্বতীসি মহাদেবদা থাজরসি, অমুক্তা চিংনিংথৌদা হায়জরবদ্‌ তারবদা পার্ব্বতীনা অপোক্‌প পম্মৌ নাক্তা মথুত্তা শান্নপোং-থম্বাল অমা পায়রম্বদ্‌গী মনা-মশীং থীরদ্‌না মায়থোং লুকহল্লনা লৈথি।

শ্লোক্‌ অনিসিদা কবিনা ফোঙ্‌দোক্লীংলিব ভাব মফোঙ্‌-দোক্‌শিংহুনা. থেন্নব মতৌশিংসিমক্তা—কাব্য-কাব্য নত্তবা অমসুং ধ্বনি মথল্‌ অহুম্‌ অসিগী চাউরাক্‌প খুদম্‌ উৎলে।

হৌজিক্‌ শেংলে—ধ্বনি হায়রিবসি ৱাহৈনা, ৱাহৈপরেংনা, মথোয়সিগী অভিধেয়ার্থ, লক্ষণার্থ, ব্যঙ্গ্যার্থশিংদ্‌না তীংনা ফোঙ্‌-দোক্লিব অর্থ-ভাবশিংদ্‌ নত্তে, কবিনা করিগুম্ব পোৎশক্‌ থরা বর্ণন তৌদ্‌না মথৱাই পান্দব চুপ্পা ভাবনা শাবতনা (কল্পনাতনা) মরম্‌ ওইরদ্‌না করিগুম্ব অহিংব থবক্‌ তৌভম্লিব পোৎশক্‌শিং ভাবোক্তা উহল্লিব অদ্‌মক্‌সু ধ্বনি নত্তে তৌইগুম্বসুং মথোয়সিদি নত্তনা ময়াম্‌সি পুন্‌শিল্লক্‌পগী করিগুম্ব হায়দোক্‌কম্‌ থঙ্‌নজব কাব্যগী কজরবমতৌ (মহাও) অমবু ধ্বনিনি শীংথানৈ।

৬। ঔচিত্যসম্প্রদায়—

কাব্যগী জীবনীশক্তি করিনো? নৈনরকপসিদা—থক্তা পীশি্‌রব সম্প্রদায় মঙাসিনা মশা-মশাগী য়াম্ন মপুং ফারব ৱাকম্‌শিং

তর্কপ্রমাণশিং পীনরদুনা কাব্যগী জীবনী শক্তিদি (আত্মাদি) অসিনি হায়না মশা মশাগী সীমান্নুংদা বারেপ্ তানৈ; মণ্ডামক্সি মপুং ইকায় খুম্নবা, লোয়না লৌনিঙাইনি। হৌজিক্ বাকম্ অসিগী মপান্ খোপ্ চিন্না ওইনা তরুকশুব সম্প্রদায়গী বাকম্ নৈনসি। মসি য়াম্নমক্ পাক্চাউই অদুগা অতৈ সম্প্রদায়শিংগী বাকম্শিংদুমক্সু মসিদা ইয়াও-য়াওরবনি। মরম্ অসিনা সম্প্রদায় অসিনা উপসংহার ওইনবদি (মপান্ খোপ্চিন্নবদি) মিৎয়েং অনিমক্তা মতীক্ ইচা চারবনি।

ঔচিত্যসম্প্রদায় লিখ্খৎলম্বদি ক্ষেমেন্দ্রনি। মানা 'ঔচিত্যবিচারচর্চ্চা' ইরগা মত অসি লেপ্পবা হোৎনরম্মি।

উচিতং প্রাহুরাচার্যাঃ সদৃশং কিল যস্য যৎ।
উচিতস্য চ যো ভাবস্তদৌচিত্যং প্রচক্ষতে॥

— ঔচিত্যবিচারচর্চা ৩

মশক-মতৌ মান্নব মীওই অনি নত্রগা পোৎ অনি তৌন্নবা য়ারিবদুবু উচিত-মতীক্চাবা কৌই; উচিত-মতীক্চাব লৈরিবদুবু 'ঔচিত্য' অমুম্না খঙৈ। অমুম্ব ঔচিত্য অসি রস ফোঙ্দোক্লবগী (রস পরিপাককী) য়াম্নমক্ মরু ওইরিবনি—মাগী মথক্তাই-মক্তি। ঔচিত্যগী মঙালদা রসশিংনা ফুংঙাইনা শান্নজবনি—মুমিৎ মঙালদা থবাইপাম্ব পূম্নমক্না শান্নবগুম্না।

ঔচিত্যস্য চমৎকারকারিণশ্চারুচর্বণে।
রসজীবিতভূতস্য বিচারং কুরুতেঽধুনা॥

ঔচিত্য বিচারচর্চা ২

ঔচিত্য হায়বসি রসকী প্রাণনি, মাহাক্না মাবু মহয় য়ালহল্লি, থোয়দোক্ল ফজরব মতৌ ফোঙ্দোক্হল্লি, মরম্ অসিনা মাগী থোয়দোক-হেন্দোক্পা মথৌনাদু (ঔচিত্যনা রস ফোঙ্দোক্পদা তেংবাংলিবদু) উৎননবগীদমক্ মাগী মরীদা নৈনরি।

ক্ষেমেন্দ্রনা তৌরম্লিব ঔচিত্য বিচারচর্চ্চাসিগী মরুদি খাইনা আনন্দবর্দ্ধনাচার্য্যনা মাগী ধ্বন্যালোকতা অসুম্না হন্‌খ্রবনি—

अनौचित्यादृते नान्यद् रसभङ्गस्य कारणम् ।
औचित्योपनिबन्धस्तु रसस्योपनिषत्परा ॥
— ध्वन्यालोक ३य उद्योत ।

অনৌচিত্য মতীক্‌চাদ্রব মতৌ হায়রবসি নত্তনা রসভঙ্গ ওইনবগী রস পরিপাক ওইদনবগী অতৈ য়ৈথায়-খিনগায় মরম্ অমা লৈতে। সমালোচকশিংনা য়ানরব ঔচিত্য কায়দ্রব কাব্য-রচনাহুমক্‌ রসপরিপাককী অথোয়ব থুপ্লব য়াক্‌ম্ (রহস্যতত্ত্ব) নি।

মথক্কী য়াক্‌ম্ অসি উরব ক্ষেমেন্দ্রনা ঔচিত্যবিচারচর্চ্চাগী অহৌবমক্তদা

कृताग्निमन्थने हृष्टिर्यो नाकजनमहीयसा ।
अच्युताय नमस्तस्मै परमौचित्यकारिणे ॥
— औचित्यविचारचर्चा १

ভগবান্‌ বিষ্ণুনা য়েক্লব হিংচাবশিং অমস্‌ুং লাইয়াম্‌দা সমুদ্র নৈবদা ফংব অমৃতদ্‌ লৌনম্ তৌনা য়েন্নবগীদমক্‌ মোহিনী রূপ লৌবিখি। অচম্ব মুপীগী মতৌগুম্না মিৎ অনিদা কাজল লৈতেংবিখি। মফম্ মতম্‌গী মতীক্‌চাব থবক্‌-থৌদৌশিংবু পাম্না লৌবিরিব ঔচিতাদগী থক্‌ মচি লেংথোক্ত্রবা মতীক-মতীক্‌ চারব থবক্‌শিং পাঙ্‌থোক্‌পিবিব পরমেশ্বরবু খুকম্‌জৈ। ভগ-বান্‌গী মিংলেন্‌ অমদি 'অচ্যুত' নি, অর্থদি মতীক্‌ চাবা হায়বনি। মাগী মশীংনায়দ্রব অবতারশিংদা অপোবা মীয়াম্না তোয়না শীংথানরিবা অবতার থবদং খুদম্ ওইনসি— হিরণ্য-কশিপু হাৎননব নৃসিংহ, রাবণ হাৎননব রাম কংস হাৎননব কৃষ্ণ-রূপশিংসি লৌখিখি ভগবান্‌না। মাহাক্লা মফম্‌-মতম্‌-মতাং চান চানা অবতার তৌবিখিবসিমক্তনা বিষ্ণুনীংলব ক্ষেমেন্দ্রনা মাগী ঔচিত্যতত্ত্ব লিখ্রৎননবগীদমক্‌ ইরব লাইরিক্‌লিমক্কী মকোক্তা ঔচিত্যগী মবুংঙো অচ্যুতবু খুরুম্‌জরি।

মক্কম্-মতম্-মতাং চানদবা হায়বসি পিক্লব পোত্তগী চাউরব তত্ত্বশিং ক্কাওবদা শীবা থুংলিবনি—

স্থান ভ্রষ্টা ন শোভন্তে দন্তাঃ কেশাঃ নখা নরাঃ।

মীওইবা অমম্সু মশাদা পক্লিবা য়া, শম্, খুজিন্ মখোয় পুন্নমক্সি করিগুম্বদসু মক্কম্-মতম্-মতাং কায়বা থক্ য়াদে; কায়রবদি চুম্না হঙ্গোয়নিঙাই ওইবত নত্তনা মাঙ্নিঙাই ওইরি। মীওইব সমাজ—

সমানং ব্রজন্তি জনাঃ যস্মিন্ ইতি সমাজঃ।

মীয়াম্না করিগুম্ব লিচৌং অমগী মথাদা লিংজেন্ মান্নুনা চংমিন্নরিবা-লৈমিন্নরিবত্থু সমাজ কৌই। মীওইবা, অমগা অমগা তীন্ন-তোৎনরিবা লোয়নরিবা মতৌ অমসুং লৈনরিব মান্ন-মান্নব লমচৎ ব্যবহারশিং অসিতনা ফাজিন্-পুন্শিল্লিবনি, মখোয়সিনা সমাজ কৌনরিবনি। মপা মমা মচা-মশু শুথাং, গুরু-শিষ্য, মচিন্মনাও, মুপা-মুপী পুম্বসি অমনা অমগী মফম্দা চৎফম, থোক্পা লম্চৎ-শাগৎ, য়েংশিন্ফম্ থোক্প মিৎয়েং, মতীক্ চারব রাঙাং শাঙাং-খোন্ফম্ অসিনচিংব পুন্নমক্ ইকায় কায়নদনা ঙাক্লিভৈমখৈ—মখোয়হু মীওইব সমাজগী কাংলুপ অমনি, শীংখা-নরিবনি, আদর্শ ওইরিবনি নত্ত্ররদি পোন্দগী পাইখোরক্লব পোম্বী-চেক্লাগুম্, যঙ্গোন্দগী হোয়দোকখ্রব ষণ-মঙ্গুগী মতৌগুম্ মিকুপ্তা পুম্চায় চায়খিবা শোয়ত্রবনি। থৌদৌশিংসিদা 'ঔচিত্যতনা' লেঙ্ফত্রব আদর্শ ঙাক্লত্থুনা থম্মি, মীওইব সমাজসি মাহাক্তুনা ঙাক্-শেল্লি। সমাজ লৈবদগী সাহিত্য থোক্লিবনি।

মীওইবগী মপান্থোংগী পৌর-পৌরব পরিং-পথাপ্শিং, চংনবীশিংসিদসু মতীকচানা ঔচিত্য ঙাক্পা তঙাইফদে, অসিদগীসু হেন্দোক্লুনা - পাপ-পুণ্য, মঙ্গল-অমঙ্গল, মিহুংশি, ঙাক্পিবা, মীগী ফননব তৌবা মাঙ্ননব তৌবা, মিংচৎ থিবা-ফজবা, ধর্ম্ম-অধর্ম্ম অসিনচিংব পুক্লিং-রাখলগী মচিঙ্গাক্শিংসিসু ঔচিত্যগা

লেপ্পমক্ মরী লৈনৈ, অহাবদা মাগী আশীর্ব্বাদ ফংবা তঙাই-ফদে, মানা য়াবিরবতনা কুপ্পব বিষয়শিংগি মাগী মাগী লম্শিংদা মায়পাক্লা মহয় য়াল্লি।

আনন্দবর্দ্ধনগী মমাংদা নাট্যশাস্ত্র লৈঙ্ব ভরত মুনিনসু মাগী নাট্যশাস্ত্রদা ঔচিত্যবু ঙাক্লনবা অকম্ব পাউতাক্ পীরম্মি। কলাগী প্লমুদা থোয়দোক্লা নাটককী লম্দা ঔচিত্যবু মঙাক্তবদি মহু মহয় য়াবদি থাপ খুত্নুনা মীয়াম্গী নোক্লকম্ ওই অহুগা করিগুম্ব রস অমম্মা নিংথিনা ফোঙ্দোক্পা (পবিপাক ওইবা) ঙম্দে। ভরতনা পৌরব খুদম্ পীরহুন্না অস্মুম্না হায়রি—

অদেশজো হি বেষস্তু ন শোভাং জনযিষ্যতি।
মেখলোরসি বন্ধে চ হাস্যায়ৈবোপজায়তে॥

— নাট্যশাস্ত্র ২৩/৬৯

নাটককী পাত্র-পাত্রীশিংগী ফিজেৎ লৈতেংশিংদি লম্-লম্-হুগী অহুগা মীওই মীওইহুগী ফিভম্ মতাচান-চানা শীজিন্নগদবনি, নত্তবদি ফজদে। খুৎংগী লৈতেং মেথলাবু থবাক্লা শেৎলবদি নোক্লবা শোয়দে।

ভবতনা মরুহুম্বা হৌবম্লব বাফম্সি ক্ষেমেন্দ্রনা মপূংফানা পাক্থোক্হল্লি—

কণ্ঠে মেখলয়া নিতম্বফলকে তারেণ হারেণ বা,
পাণৌ নুপুর বন্ধনেন চরণে কেয়ূরপাশেন বা
শৌর্যেণ প্রণতে রিপৌ করুণয়া নায়ান্তি কে হাস্যতাম্
ঔচিত্যেন বিনা রুচিং প্রতনুতে নালঙ্কৃতির্নো গুণাঃ।

— ঔচিত্যবিচারচর্চা ৬

খোঁবিদা মেথলা শিববা নিংজোন্দা লিকুপবেং নত্রগা লিকুম্ব অতৈ লৈতেং শিববা, খুত্তা নুপূর খোঙদা কেয়ূর শিরুবনা কনানদি নোক্লদনি!

খুরুম্নিঙাই মীওইদা উশীত্তনা অকল্-অরিং শীংলুবনা অহুগা য়েক্লবদনা থৌজাম্বিরুবা (মিনুংশি উৎলুবনা) কনানদি নোক্লদনি। ঔচিত্যবু মলৈত্রবদি মীয়াম্না পাম্লবা মলৈত্রে; মখোয়হুদা অলঙ্কারসু পক্লে, গুণশিংসু চেন্দ্রে।

অলঙ্কারশাস্ত্র শূরিবশিংনা সংস্কৃত সমালোচনাগী লম্দা মরু ওইরব কাব্যতত্ত্ব অহুমথক্ পীরম্মি - রস, ধ্বনি, ঔচিত্য। মখোয়সিদগী ঔচিত্যনা সাহিত্যগী লৈচন্শিংদা অমসুং অরাংব কাব্যশিংদসু য়াম্ন পাক্চাউনা কায়ে। মাহাক্ নত্তনদি রস অমসুং ধ্বনি অনিমক্ অমত্তা মহয় য়ান্দে। শম্না হায়রবদা হেক্ লৈরিব সাহিত্যসিদ্ধান্ত পুম্নমক্ ঔচিত্যতত্ত্বগী চাংয়েংদা পরীক্ষা তৌগদবনি; মতুদা মতীক্চারব ঔচিত্য লৈরব কাব্যহু অরাংব কাব্যনি শীংথানগদবনি।

থক্তসু পন্থে, সম্প্রদায় তরুক্ অসি মাগী মাগী লম্শিংদা অহুম্ মপূং ইফা কাই। মান মানা হৈরুব দর্শনশিংদুগী যুক্তি তর্কনা শোগৎলদুনা শেম্লরিব সম্প্রদায়শিংসিদা অমনা অমগী ঙম্খৈদা খুৎথিংজিম্বা য়াদবত্তা নত্তনা পাক্-চাউরব সাহিত্য সমক্রসিমক্ সম্প্রদায়শিংনা মান-মানা থম্হরুব ব্রাথল পরিংশিংনা শোগৎনরদুনা কল্লব তোর্ব্বান্শিংগী মতৌগুম্না চ্যেক্শিন্না ঙাক্শেল্লি। খুদম্ ওইনা—

ন স সংকুচিতঃ পন্থা, যেন বালী হতো গতঃ।
সমযে তিষ্ঠ সুগ্রীব, মা বালীপথমন্বগাঃ।

মসিদা বীর রস মপূম্ফানা ফোঙ্দোক্লে, ইঙ্গিৎ থরা উৎপতনি অহুম্বদি ওইরগা মসিদা কাব্যবক্রতা অমসুং অর্থবক্রতা অনিমক্ লৈ মরম্ অদনা মসিবু (মসিগুম্ব অতৈ খুৎয়িশিংবু) বক্রোক্তিগী মিৎয়েংদা নিংথিরব কাব্যনি। মতৌ অসুম্না অতৈ অতৈ সম্প্রদায় শিংগী মিৎয়েংশিংদা অমসুং ধ্বনিগী মিৎয়েংদসু মসি লৌথৎপা, শীংথানবা য়াই মরম্ অসিনা ধ্বনিবাদীশিংনা উত্তমকাব্য, মধ্যকাব্য অমসুং অধমকাব্য অসুম্না কাব্য মথল্ অহুম্ শীংথারি।

নৈনখি্র বাকমশিংসি পুন্শিবা ওইনা ঐখোয়না হায়নীং-বদি—জিন্নন্থিহি চৌকঃ মীওইবগী অপাম্বা মথলয়াম্বনা, মাগী পাম্বিত্তাই মরম্শিং খেন্নবা হায়বসি হৌনশা ওইবনা ; অসিগীম্ম মথন্তা মথুংমন্না শেম্গৎচক্লবা পোত্তি হু পাম্বীমক্ ওইরবম্ম মহ্ মশামন্না শেম্গৎ-শাগৎপা নত্তনা থক্ মাওহন্কদবনা—জিন্ন বুদ্ধোऽপি সংবর্ষ্যে ন্দেবং শক্রোতু মন্নোন্নতম্ হায়জক্লবা বাকম্ ওম্জনবা তাখিবা হায়বসি সমালোচনাগী সম্প্রদায় তরক্ অসিগী মশীন্নাং ওইখিবনি, হৌনশানি। মখোয় তক্লকসি শূপ্চিন্না সমথম্ম তৌবা, অমগা অমগা চাংদম্নচ্ননা নৈনবা অন্নান্নব থবক্ নত্তে—চাউরব লাইরিক্ অমগী মপুং ফান্নব কোক্খোংনি। ঐখোয়না মতাং অসিগীদমক্ শন্না থন্নদং হায়নীংবদি—সম্প্রদায় তরক্সি মান মান হৈনক্লবা-চূশিন্খিবা দর্শনশিংগী মতুংইন্না খোঙ্হৌদা, লম্বীচৎপদা থর থন্না খেন্নরবস্ মখোয়না তম্মিব লম্থুংকম্ (উদ্দেশ্য) দি মান্নবনা নত্রগা অমত্তা ওইবনা অস্ুম্ অস্ুম্ খম্নুনন্নক্পদা মান্নবা থর থন্না খেংনন্নকপনা অরোম্নবদদি ইপুন-পুম্বগুম্ তৌই ; হৈপাল্-লৈপাল্শিংসি হৌকম মখোঙ্দদি মতীক চান-চানা থাপ্নবনি অহম্নদি ওইরগা মতোল য়েৌরবদি অন্নাংব থাক্ ফংলবদদি লোয়না চপ্ মান্ননা চায় চিন্ননা অমত্তা ওইনা লেঙ্গোন্নৈ।

কাব্যগী রসনা আত্মানি, অলঙ্কারনা আত্মানি, রীতিনা আত্মানি, বক্রোক্তিনা আত্মানি, ধ্বনিনা আত্মানি, ঔচিত্যনা আত্মানি মাহাক্কী জীবনী শক্তিনি, অসুম্না লেপন্নিব বাকম্সি-মক্তি হক্চাংদা লৈন্নিব আত্মাগী মন্নীদা গীতানা—

আশ্চর্যবৎ পশ্যতি কশ্চিদেনমাশ্চর্যবদ্বদতি তথৈব চান্যঃ।
আশ্চর্যবচ্চৈনমন্যঃ শৃণোতি, শ্রুত্বাপ্যেনং বেদ ন চৈব কশ্চিৎ॥

—গীতা ২/২৯

আত্মাসিবু কনাগুম্বনা ইঙক্-ওন্না ঙমেই, মাগী মন্নীদা ইঙক্-ওন্না হায়দোরক্ই—মাগী মন্নীদা, উন্নিব হায়রিবশিংছ অঙক

অইতেম্ অহুমগাই পুন্নমক্ ইঙ্কে-ঙক্কা অহুম্ পংতা মতাই; কদা হুন্ন-হুন্না মাগী মরীদা তারুহুনম্ব কনামত্তনা খঙ্দে। হায়ন্নিব যাকম্ অসিত্তবনি। অহুক্ শীংথাগিঙাই ওইন্নিবদি হিরম্ শিংসিদগী অমত্তা নত্রগা অতৈ খন্না পাখৈনহুনা চথোক্না নৈনজন্নিব মীওই খন্নতনা থজিক্ খঙ্বা ঙম্মি। সাহিত্যজগত্তা মীন্নাক্ম খন্না চংশিনবা ওন্নিবসিদি—মহাজনঃ যেন গতঃ স পন্থা লমন্নাথিখিবশিঙ্গী খুদুং ইন্নকনি।

হৌজিক্সু নীংশিংবা ফান্নিব যাকম্ অমত্তংদি—

রমণীয়ার্থ প্রতিপাদকঃ শব্দঃ কাব্যম্

পুক্নিং হুনিঙাই অর্থ পোকহল্লিব বাহে [বাহৈপরেং] অহু কাব্যনি। পুক্নিংহুনিঙাই. থম্মোই হুনিঙাই হায়্যারিবসিমক্তি—

ক্ষণে ক্ষণে যন্নবতামুপৈতি তব্ রমণীয়তা।

মিকুপ্ মিকুপ্ খুদিংদা খোঙ্কম্ খোঙ্কম্ খুদিংদা ইনৌত-নৌহুনা নৈন্নিবা—খক্কব খুদিংদা অনৌ-অনৌব ফজবশিং (মহাও-শিং) চোংথোরক্লিব মতৌহুবুনি—মীওইবগী পুক্নিং হুনিঙাই থম্মোই হুনিঙাই হায়ন্নিবসি। অওইবমক্তি—তাঙ্লব কবিগী অথন্নরব মিৎকুপ্কী [ঈশ্বরগী খৌজালনা থম্মোইদা ফাওরকপ মিৎকুপ্কী] মপূংফানা ফোঙ্দোরক্লব চথোক্লব 'ফজবা' অহু কাব্যগী আত্মানি, জীবনী শক্তিনি।

তাঙ্লব কাব্যগী শক্নেপ্নবগীদমক্ শীংথাখিব সম্প্রদায় তরুক্সিনা মান মানা হৈনজরুবা-থাজজরুবা সিদ্ধান্তশিংগী মতুং ইন্না রস, অলঙ্কার, রীতি, ধ্বনি, বক্রোক্তি অমসুং ঔচিত্য অমুন্না বারেপ্শিংহুগী মিং অমমম্ নাইহল্লহুনা ইখোল মশক্ নাইনা থন্নরম্মি। মখোয়'পূম্বসিনা অচৌব সাহিত্য হেক্কোন্ অমা মপূং ফাহল্লি। সমালোচক-মাহীশিংনা মাগী মাগী অপাম্বশিংগী মতুংইন্না নৈচন্শিং-ইখোলশিংসিদা খোয়দানা চংশিনৈ।

সাহিত্যগী লম্বীদা, মপূংদা সংস্কৃত সাহিত্যগী লম্বীদা থেং-নরকপা নৈনব য়াবা থন্নদি নৈনরে। হৌজিক্ মসিগী মিজী

মরীদা খঞ্জিকঙ্গা ইখিবা তারি। কর্মেন্দ্রিয়শিং অমসুং জ্ঞানেন্দ্রিয়শিংনা হেক্ তৌরিব থবক্ পুন্নমক্ মননা খোঁদারদ্না মাহাক্না মকোক্ ওইর-ওইরদ্না পাঙ্থোক্লিবনি। মাহাক্ য়াওদনা কনামত্তনা করিগুম্ব অময়া পাঙ্থোক্চবা ঙমদে। সাহিত্যগী লমদম্ মননা মঙোন্দা তেংবাংলিব ইন্দ্রিয়শিংবু মথৌ-মথৌশিংদা নিংথিনা শীজিন্নরিব মতৌত্বুনি সাহিত্যদর্শন সাহিত্যবু থঙ্বা হায়রিবসি। অসিগীসু মথক্তা মীওইবগী কুপ্ল-কুপ্লব মনোবিজ্ঞানবুসু (দর্শনবুসু) মপুংফানা নৈনরদ্না মথোয়গী ব্যাখ্যা তৌবনা 'পুন্সিগী ব্যাখ্যা' মপুংফাই মরম্শিং অসিদগী ঐথোয়না, সাহিত্যগী মরীদা নিংথিনা থিজিন্দুনা উরুববু মপুংফানা থঙ্লুববু সাহিত্যদর্শনগী মথৌনি লেপ্পি।

ঐথোয়না, মতম্ কয়াগী মমাংদা হৌখ্রবা অমসুং হৌজিক লৈরিব থোয়দোক্লা ইকায়খুম্ননিঙাই ঋষিশিং, লেখকশিং, কবিশিং, অরিব, ময়ায় অমসুংঅনৌব যুগশিংগী সমালোচকশিংগী লাইরিক্শিংদগী মমল্ নাইদ্রব পোৎ কয়ামরম্ লৌরুদ্না শেংলব জ্ঞানযজ্ঞসিদা হোম তৌনজরি, লম্য়াম্বশিংসিগী মফম্দা ঐথোয়না চাউরব লম্খন তোল্লবনি; হায়বসি থরাই-হক্চাং য়াওনা য়াজরি, মসিগা লোয়ন লোয়ননা তৌবিমল্ থঙ্বসু ফোঙ্দোক্চরি।

লাইরিক্সি ফোঙ্বদা শেল থরা তেঙ্বাংবিরক্পগীদমক্ মণিপুর সরকারদা তৌবিমল্ থঙ্বা উচ্চরি

মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ্
ইম্ফাল, শ্রীপঞ্চমী
১২ ফেব্রুয়ারী ১৯৭৮

— শ্রীমণিমা শর্ম্মা

"কুমগী নোং হাইগৎথবা বাকচিংউরেয়া য়েরবদা লৈমায়সি লৈত্রক্ লাওনা লাওনা চৎলে।"

—মসি পীরব থৌদোক্ অমথক্কী চন্না পাউ অমা পীবতনি অছুবু কবিগী থৌরব কল্পনা-মিংথল্লা য়েংলগা য়োত্তগী কমদোনা মা ওন্থিব্রা! য়েংসি—

পাইম-মুংশি চাউরবী পৃথিবীনা মবুংঙো লাইজ কায়নরবদা
অনিসিনা পোত্নীগুম্ চিল্লোর চেল্লাগুম্ চিন্দিয়রিঙৈদা
প্রকৃতিনা শেংলেন্ শেৎলম্বা, ফিজোল'পুম্ব নৌরম্ব।
হৌজিক্তি, মমা-মপা শেৎন-খায়নরব মচাগুম্ তরক্-তরক্
প্রকৃতিগী শংলেন্ উখিব্রে, ফিজোল'পুম্বা হোঙখরে,
মরু ইকোক্-কোকখরে য়েম্নিং'মত্তা চোংথিব্রে।
মাগী মতৌ উরুবদা পৃথিবীনা লৈত্রক শেগাক চৎনা
থম্মোই-লাইয়ুম খায়না পাইম পিবুক কায়
শারব মুংশামপী হোল্লি ফঈনা ফঈনা।

—মসিদা প্রকৃতিগী চন্নব থৌদৌ মচা অমবু—পুন্সিদা পান্শিন্দুনা মীওইবা অমসুং প্রকৃতি অনি য়ান্নমক নক্শিন্ন-হল্লিব; মতৌসিদনি কবিগী কতিত্ব লৈরিবা। অতোপ্প অমনা—

অয়ুক-মুংথিন্দা মুমিৎনা পৃথিবীবু পুমঙাল্-ঙাল্হল্লি, পুম্নমক মুংঙাই। কোয়ৌহবা লৈথখরে, চিংয়া থাংখরে, তময়া কোরি চেনখরে, নুমিৎ বাখোঙলোল্লে, সন্ধ্যাকাঃহৌনরক্লে, মালেম-লৈমা অরাফিরুক থুমখরে। তাঙ্গাসিদা, কম্না খোঙকাপ-বাঙৈরম্বদগী কোয়ৌচম্বনা—করিগুম্ব পোৎ অমা চিথহৌরে মতা-গুম খোঙকম অমা হজিল্লরগা হায়রকই— "ঐগী থবকসি কনানা পুহোগনি?"

পিন্নব থাউমৈ অমনা—"ননাই ঐহাক পুজহৌগে।" পাউখুমখি।

—মসিগী অচম্ব পাউনা—'নুমিত্তারে, খাওমৈ খাঙ্গৎনরক্লে।' অসিতনি কবিগী কলমনা শোঙ্গুবদা য়োত্তগী স্না ওন্থিবনি। অমনা ফনা চাউরবস্তু অমনা ফনা পিক্লবস্তু 'মঙাালগী লম্দম্দদি' মঙাাল-ধর্মগী 'সজাতীয় সম্বন্ধনা' মরম্ ওইরদুনা থেন্নরিব অনিদুদা চপ্মান্নব বৃত্তি (স্বভাব) অমা লিঙ্খৎলুরিবসিনা—পূন্নমক্সি ইমান্-মান্নবনি—সাম্যতা থম্গদবনি অদুগা তৌনরিবা থোদৌ-সিনা মালেম্না হরাও-মোমোঙ্গখি অসিনচিংবা ফোঙ্দোক্লরি।

রসকী তেংবাংওইনা—প্রকৃতিগী পোৎ পূন্নমক্ মীওইবনা আলম্বন বিভাব ওইনরগা অতৈ অতৈ পোৎশিংনা উদ্দীপন বিভাব ওইনা ইশী-শীজিন্নৈ। তাংখক্ নাইদনা ফজরব লুপা মহীচেল্লব থাবল, বসন্তগী হেনম্-লৈনম্ পুরব লিরীহুম্লিব সুংশিৎ, লৈকোল, খোইযুম্লনা খোংলিব চেক্লাশিংগী খোঞ্জেল মীওইবগী ফিজেৎ-লৈতেংশিং অসিনচিংব পূন্নমক্সি সংয়োগ শৃঙ্গার অমসুং বিয়োগ শৃঙ্গার—রস অনিমক্কী উদ্দীপক পদার্থশিংনি। নুংঙাইব-অৱাব অনিমক্কী মথোয়কানিঙাই পোৎশিংনি।

অলঙ্কারগী তেংবাং ওইনা—অলঙ্কার হায়বসিমক্ প্রকৃতিগী মপোৎশিংসিত্তনা পান্থৈ ওইনরদুনা ফোঙ্দোক্লরিবনি। উপমা, রূপক, দৃষ্টান্ত, অতিশয়োক্তি, স্বভাবোক্তি; উপমেয়োপমা অসি-নচিংব মপুংফারব কাব্য অমা ওইহন্নবগী য়াম্নমক্ মরুওইরিব মচাক্শিংসি কবিনা প্রকৃতিবু কুপ্না নৈনবদগী, মঙোন্দা চংজবদগী ফোং ফোং ঙাম্থোরক্পনি, ঈয়োম্নুংদগী মণি খুন্দুনা পুখৎলক্পনি।

প্রকৃতিগী মতৌ-দৃশ্যবু সাহিত্যদা কদায়দা কম্দৌনা শীজিন্নরিবগে? মসিগী পাউখুম্ ওইনা শ্রীরামচন্দ্রশুক্লনা 'কাব্যমেং প্রাকৃতিক দৃশ্য' কৌব লেখতা অসুম্না ইরি—"মনম্ সুংশিরব হৈনৌ মপাল্শিংনা পমুঙৌ-ঙৌনা শাৎলব নুংশিৎনা ঈপোম্হোহল্লব ঙাঙ্গাসিদা হৈনৌ মশাদা তোংলদুনা অমুব কোকিলনা কুহু কুহু খোংলি। মসিদা শক্ফম্, খোঞ্জেল্, মনম্ পম্না য়াওরে অম্ভিনা

দৃশ্য কৌনরে।" অস্মুম্ব দৃশ্য হায়বদি—মীওইবগী জ্ঞানেন্দ্রিয়-কর্মেন্দ্রিয়শিংসিদগী হেক্ শীজিন্নবায়াব ইন্দ্রিয়শিং শীজিন্নরম্ভুনা—চুম্না য়েংবতা তম্ভনা চাগদবগুম্-থক্কদবগুম্ য়েংলম্ভুনা, চুম্না তাবতা নত্তনা নাকোংসি চাননা খীংজিন্থিম্ভুনা থক্কদবগুম্ তারবা, চুম্না মনম্ নম্দনা মনম্ম্ভুমক্ নাতোন্দা কাপ্শিন্বগুম্ নম্নবা—অসিন চিংব খোঁদোসিমক্তি—কেমেরানা প্রকৃতিগী ফোটোনম্বগুম্না দৃশ্য-শিংসি মীওইবগী পুক্নিং-থাখল্না (অন্তঃকরণনা) ফোটো নম্মিবনি, অমত্তা চিথদনা মশক্ খঙ্জিল্লিবনি। প্রকৃতিগী নিংথিজরব দৃশ্যসি লম্জিংহন্দুনা মঙোন্দগী তম্বা থাবমখৈ তম্নগা কবিনা কল্পনা শক্তিনা অনৌব সংসার অমা শেম্মি। মাহাক্কী অনৌব সংসারসিদি অস্মুক্কী মতীক্ নিংথিজৈ, মীওইবগা অস্মুক্কী মতীক্ নক্শিন্নৈ মম্ভুদি মাহাক্না তম্লিবা পান্দম্ম্ভু য়ৌবদা থাম্গী তেঙ্গৈগুম্মি, সত্যম্-শিবম্-সুন্দরম্ পুন্না মপাংক্নাহন্বা ঙম্মি। কবি-কল্পনাগী পোত্থোক্ পূম্নমক্ মানা য়ৌনীংলিবা পান্দম্গী লোয়না ফোরোয়ইন্গদবনি।

'কবিনা প্রকৃতিবু মীওইবগা কদায়ফাও নক্শিলহল্লিবগে অমনা অমগী মতেং কদায়ফাও কম্দৌনা পাঙ্লিবগে হায়বম্ভু য়েংসি। অহান্বদা—প্রকৃতিবর্ণন তৌবদা মশাগী ফিদা তোপ্-তোপ্না কঞ্জরিবা মহাকবি কালিদাসনা হিরম্ অসিদা কম্দৌনা খুত্থারম্বগে, ইনাক্তা লেপ্লিব হৈপাল-লৈপালশিংনা মীওইবগী মুংশি-থাখল খল্লিবরা? মখোয়দা ঐখোয়গী সহানুভূতি পল্লিবরা? অসিনচিংব থাহংশিংগী পাউথুম্শিং পীরি, য়েংসি।

কণ্ব মুনিনা হায়খি—

"বনগী ফজব লাইরেন্বীগা শাগোম্নরিব উপালশা!
নখোয়দা নোংমগী লাইজ খিক্লেন্ পীদ্রিমখৈ ঈথৈলাংবা
খাংজরক্লবী
মকেশেবা পাম্জরবদস্মু নুংশিপলনা খীংবনা

লৈনা'মত্তা থমচন্নবী, নখোয়না লৈশাত্তমকপ উরগা—
ঙম্ থৈলেঙনা হয়াওজয়িবী নতারোই শকুন্তলাসে
ঙসি নোংলেন্সিদা মপুরোইব নিংথৌরেম্লাক্লো
য়োৎগনি, নখোয়'পুম্বনা বিদায় নয়াথং পীবিরো। * ৪।১১

আকাশবাণীনা

শকুন্তলাবু মপুরোইবগীদা থীম্লক্প লম্বীত্তদা
থম্বালতনা লৈতেংলব পুখ্রীশিং লৈরম্লশনু।
মশা-মরেং কম্লব খোংনাংবটনচিংব উপালশিংগী
উরল্পা নংশামৈশা'পুম্ব কোক্লরশনু
থম্বাল-লৈরীক্ পুরব নুংশিৎ খোঙ্লোয়নবা শিংপনা
মাহাক্কী লম্বী'পুম্ব অফ-নুংঙাইনরশনু। ৪।১২

আকাশবাণীগী পাউচ্চু মীয়াম্না ঙক্লা তানরিঙৈসিদা কণ্বশিষ্য শার্ঙ্গরবনা কোকিলবিদায়চ্চু তাননবা মীয়াম্দা অসুম্না হায়খি—

[মাহাক্কা] তপোবনসিদা হৌমিন্-কামিন্নরক্লবা
বনগী লৈতেং হৈপাল্-লৈপাল্ মরুপ্শিংসিনা
কোকিলগী খোইথুম্নরব খোম্বাংনা হৌজিক্
নখোয়দা শকুন্তলা বিদায় পাউথাং পীনরক্লে। ৪।১৩

পাতুং ন প্রথমং ব্যবস্যতি জলং যুস্মাস্বসিক্তেষু যা
নাদত্তে প্রিয়মণ্ডনাপি ভবতাং স্নেহেন যা পল্লবং।
আদ্যে বঃ কুসুমপ্রবৃত্তিসময়ে যস্যা ভবত্যুৎসবঃ
সেয়ং যাতি শকুন্তলা পতিগৃহং সর্বৈরনুজ্ঞায়তাম্।
— অভিজ্ঞানশকুন্তলম্ ৪।১১

রম্যান্তরঃ কমলিনীহরিতৈঃ সরোভিঃ
ছায়াদ্রুমৈর্নিয়মিতার্কময়ূখতাপঃ।
ভূয়াৎ কুশেশয়রজোমৃদুরেণুরস্যাঃ
শান্তানুকূলপবনশ্চ শিবশ্চ পন্থাঃ।
— অভিজ্ঞানশকুন্তলম্ ৪।১২

অনুমতগমনা শকুন্তলা তরুভিরিয়ং বনবাসবন্ধুভিঃ।
পরভৃতবিরুতং কলং যতঃ প্রতিবচনীকৃতমেভিরাত্মনঃ।
— অভিজ্ঞানশকুন্তলম্ ৪।১৩

গৌতমী—ইবেম্মা, বনগী লাইরেম্ব-লাইরেম্বীনা মহাক্পু মচামকুম্ মুংশিনা নপুরোইবগী মরান্নাই য়েংজরো হায়না বিদায়-আশীর্ব্বাদ পীবিরি, মখোয়বু খুরুম্মু।

শকুন্তলা—[মমাগী য়াৎং ইন্না বনদেবতাবু লৈনা খুরুম্নগা মতা প্রিয়ম্বদাগী মনাক্তা চংশিন্দুনা তপ্ন-তপ্না] ইতা, আর্য্যপুত্র দর্শন ফংনীংবনা ফনা পুক্লিং লাংতক্তহুনমক্পু আশ্রম্ অসি থাদোক্লগনি খল্লুবদা অৱা-পোৎলুম্না নন্খিহুনা খোঙ্ অসি মাংলোম্দা থাংদোক্পা ইওম্-ঙম্দ্রে।

প্রিয়ম্বদা—ইতা, তপোবন অসি কায়নরগনি হায়না নহাক্কা রাজবতা নত্রি। নহাক্কা মিকুপ্ খরগী মমুংদা কায়নরগনি খঙজরবদা মাহাক্কা ওইরিব ফিভম্সিস্থু য়েংউদো—

"শজি অমোম্না মচিন্দগী কুশ-চখোম্ ওথোক্লি
রাহোং অমোম্না জগোই শারম্বা লেপ্খরে,
উরীশিংনা মচু ওল্লব উনাশিং চায়থরক্তুনা—
অৱা-পিরাং শিন্থরি অতৎ-অথম্ লৈতনা। ৪।১৪

শকুন্তলা—[ভাইহাক্ নীংশিংলুরগা কণ্বমুনিদা] পম্ছো অপোক্পা, ইনাওনুপী শক্লবী মাধবীলতাসিন। নমোম্বু বিদায় পীগে হায়না মনাক্তা কৌশিল্লি।

কণ্ব—ইবেম্মা, মাধবীলতাসিগা নঙ্গা নখোয়নৌ ওইবগী নুংশি-নরিবমতৌ ইপা খঙ্ই; য়েৎলোম্দা লৈরে, য়েংউদে।।

শকুন্তলা—[মাধবীলতা নাওা চংশিল্লগা] ইনাওশক্লবী খোইনৌ ইতা চান্নবী, নহাক্কী নোরব নখুৎশিংহুনা ঐবুস্থু কোন্শিখিয়ু ঐনা কোঞ্জরিব অমুম্না। লাইবক্খিরবী নখোইনৌদি ৎসিদগী হৌনা নঙোন্দগী থাপ্না লৈজখিবা তারে। [কণ্বরোম্দা

উদ্গলিতদর্ভকবলা মৃগী পরিত্যক্তনর্তনা ময়ূরী।
অপসৃতপাণ্ডুপত্রা মুঞ্চন্ত্যশ্রূণীব লতাঃ।।

— অভিজ্ঞানশকুন্তলম্ ৪।১৪

ওন্‌শিন্দুনা] পম্বো অপোক্‌পা, ইনাওসি নমোম্‌গুম্বা নুংশিনা লাঙোম্বিয়ুকো।

শকুন্তলা—[প্রিয়ম্বদা-অনসূয়া অনিগী মনাক্তা চংশিন্দুনা] খোইনৌ ইতা চান্নবী, নখোয়নিদা ঐগী মাধবীলতাসি শীন্নজরব-নিকো মরুপ্লোই।

শকুন্তলা—[কোয়না য়েংলগা] আশ্রমনাক্তা য়াইরেক্‌চবী, গর্ভ মপুং ফারক্‌পনা খোঙ্‌থাং তপ্নবী, শজি অমোম্‌ অসিনা নিংথিনা মমিৎ-মমায় পাঙ্‌লবদা কনাগুম্ব মী অমতং থাবিরক্‌না পাউয়ে হন্বিরক্‌উকো কাওবিগনুকো ইতারোই।

প্রকৃতিগী অচৎ-চত্ত জীব পুম্নমক্‌সি মীওইবনা মখোয়বু নক্না চান্না থম্বগী মতীক্‌ মখোয়নসু ঐখোয়বু খল্লি; মখোয়দসু ঐখোয়গী অন্না-নুংঙাইশিং ফাওই। ব্রাক্ষম্‌ অসি কালিদাসকী শকুন্তলাগী মরিগুব অঙ্কগী দৃশ্য থরসিনা শেংনা উৎলে। * মণিপুরী কাব্যদগী অমুক্‌ য়েংসি—

কবিরত্ন অঙাংহলগী—

খোইবীনা কবো লোইদা কুম্নম্‌দাইদা মপাবুং চিংখুবযুব্রাজগী পুশ্রীমপান লৈকোন্দা যাতি কৌবী লৈরাংগী শীংঙেল লৈশ্না পায়রত্নুনা—

“লৈরাং ইতাইবেম্মা! ঐগী নবুং লাইরবা!
নোংয়াই মাগীদমক্লি, কবোলোইদ চংলগে
শেম্বীলোইদা কুম্মগে। অপাম্‌ কাদা য়ৌত্রিঙৈ
মতম্‌ অহু ফাওবদো; লাইবক্‌ চাউবী খোইবীনা
শাৎলমগনু ইতারোই। নুরা খুৎনা হেক্লগা
অপাম্‌কাদা পুজগে—থুংমিন্নসি ইবেম্মা
যাতিকৌবী লৈরাংও।” খোইবী কপ্লে লৈরাংদো;

* কুমারসম্ভব (মহাকাব্য) গী বসন্ত বর্ণন, রঘুবংশ (মহাকাব্য) গী বন বর্ণনবুসু হিরম্‌ অসিদমক্‌ য়েংবা য়াই।

থাদোই মরা তাবদা লৈরম্ ইবা লৈরাংশিং
নূরাই মাইকৈ অদোম্ দা লোইন পুম্ ওন্-ওন্সিল্লে
থাদোই'বেম্মা মাঙেদো—"লৈরাং ঐখো'পুম্ববু
করিহায়না লৈহৌনি।" য়েংশিন্দুনা থোইবীদা
লৈরাংশিংসু কপ্ খরে। "শাংখ্ রোইকো ঐখোয়সু"
হায়না লৈরাং রাশক্থে্। লৈরাংশিংনা থোইবীবু
য়েংলিবদো থাদোক্তে্।

হৈপাল্শিংনা থোইবীদা বিদায় তৌরক্লে—
"ইবেম্মা, হৈরাং ঐখোয়দি–
নূরা নংনা শোক্পগী হৈরাং হৈশক্ খোক্পনি
নংনা লৈতরবদি ইহৈ করম্ পান্গনি।
ঙসিদগী হৌহুনা
নূরা নশক্ উত্রিফাও, অপাম্ কাদা থুংত্রিফাও
পান্খ্রোইদা ইহৈসে—তাউজিং ইপান্ ফাওবসু
শাংলম্মোইকো ঐখোয়সু। অপাম্-মুংশি মৈহুবু
পুঙম্ত্রবী নশাদো য়েংঙম্দরে ঐখোয়দি।"
হায়হুনা হৈরাংশিং কপ্লে থোইবী য়েংহুনা
হৈরাং-লৈরাং খুইহৌই।

খম্ব-থোইবী শৈরেং (লোইথাবা—২) লাঃ ৯৬৫

হৈরাং-লৈরাংশিংবু মথোইনৌ থোইবীগী অরাবদা শরুক্ য়াহল্লিবা শৈরোলসিনা মীওইবগা প্রকৃতিগা য়াম্নমক্ নক্শিন্নবা, তংন-থানবা ইয়া-যাত্রব মতৌশিংহু ফোঙ্দোক্লি। মহয় য়াল্লবা শৈশক্লি।

মিংনা উনরিবা মপাম্থোংগী প্রকৃতি অসিগী পোংশিংবু খণ্ডন-কূপ্ন বর্ণন তৌবা হৈবমুক্ মীওইবগী মনস্তত্ত্ব (মনোবিজ্ঞান) শিং—পুক্নিং-রাখলগী থগ্নব বিচারশিংবু কূপ্ন-মপূংফনা নৈনবা, মথল্-মথা য়াম্লব মীওইশিংগী পুক্সিশিংবুসু কূপ্ন নৈনবা, মী নত্তব

প্রাকৃতিক দৃশ্যশিংবু মীওইবগা য়াম্ব নক্শিন্নহবা — চানবা মপাম্মোংগী কোটো নম্বগুম্বা মীওইবগী মমুংগীসু কোটোমম্বা অসম্মুং হায়রিব কোটোদু মমাম্নব অতৈদসু য়েংহম্বা ওয়িব মীওই অহুবু মহয় য়াম্লব কবি কৌমে। চুম্মা "মহয় য়াম্লব কবি' হায়বসিদগী অমুক্ রাম্মৎলগনা — মপাম্মোংগী অমস্মুং মমুংহুম্জিম্বা রাফম্ মনস্তত্ত্ব অনিমক্সি খোজেনা য়েক্পদা—ইনাক্নকপা-লাম্পা, ঐগী-মীগী, ইজাতি-মীজাতি, ইরম্-মীরম্, জাতি-অনেম্-অরাং অসিনচিংবগী খন্দোক্-খঞ্জিন্ তৌরুবা লৈতনা মাগী মিৎয়েংদা ওইফম্খোক্পা 'ওইহন্নীংলিবা' মওং-মতৌ (ফিভম্) শিংদু পোপ্-পোপ্পানা থম্লিবা, মহুদা মশামকুস্নু পেপ্পরবা, অদুগা মাগুম্ব চঙ্খোম্ব ভাবোক পুস্নু পেল্হম্বা ওয়বা কবিদু বিশ্বকবি কৌনরি। 'বিশ্বকবি' মিংলেন্ ফংননবগীদমক্তা মালেম্ থুংনা কোয়রুগদবা নত্তে, পম্মোগী কান্খোঙ্ কোয়বদনস্ য়াই। জগৎ পুম্নমক্কী অরাম্মুংঙাইনচিংবগী রাকম্'পূম্ব. মূম্না খঙ্লব মথম্মোইদা ময়েক্ শেংন-শেংনা ফাওম্লিব কবি অদুতনা অসুম্ব অরাংব ফিদাসি ফংলিবনি। মরম্ অসিনা প্রকৃতিগী মমুং-মপাল্ নাক্ অনিমক্সিবু মূম্না খঙ্না বর্ণন তৌবা হায়বসি কবিগী য়াম্মমক্ হেন্ক্রব তৌগদব মশিঙ্গাংনি। হায়খিবা খৌদৌ'পূম্বসি শুনা পাঙ্খোক্লিব কাব্যদুতনা (গদ্য ওইরবসু পদ্য ওইরবসু) যাবচ্চন্দ্রদিবাকরৌ হিংদুনা লৈ।

সাহিত্যগী মনস্তত্ত্ব

সাহিত্যদা নৈনরিবা'পুম্বা মীওইগী পুন্সিগা মরী ইরে-লৈমৈ। মরম্ অসিনা প্রকৃতিগী মনুং-মপান্ নাক্ অনিগা মাগী বিষয়-শিংগা য়াম্না নক্শিন্নৈ। প্রকৃতিগী মপান্থোংগী পোৎশিং হায়বদি মালেম্-লৈকোন্দা উবা ফংলিব দৃশ্য অমসুং মীওইবগী কুচু-কুমেল্, য়াওাং-শাওাং অমসুং লম্চৎ-ব্যবহার অসিনচিংবগা মীওইবগী মনস্তত্ত্ব নত্রগা মনুংগী প্রকৃতি হায়বদি মথাদা নৈনরক্দোরিব শক্লাইত্রব মনুংগী মচাক্শিংসিগা য়াম্না নক্না মরী লৈনহল্লি অরাংব কবিশিংনা। অনিমক্সিগী মরীদা মপূংফানা ফজনা বর্ণন তৌওম্লিব মীবু অরাংব কবি—বিশ্বকবি কৌনরি। কবিগী খুৎশুদা অনিসি থোং মান্নমা পুদবা য়াদে, অনৈম্ অরাং নাইবা য়াদে, অতুম্বদি ওইরগা মপান্থোংগী দৃশ্য বর্ণন তৌবদগী (শীং-থাবদগী) মনুংগী প্রকৃতিবু থোয়দোক্না কুপ্পা বর্ণন তৌবা (শীংথাবা) হৈব লেখকনা অরাংবা ঙিদা ফংই। মপান্থোংগী প্রকৃতিগী ফজবশিংবু 'ফজবা' য়েংহৈরব মিৎফম্না য়েংবা হায়বসিমক স্নুংগী মিৎ পাংদনদি (জ্ঞানচক্ষু নত্তনদি) য়াদে। সাহিত্যগী লম্দদি মনস্তত্ত্ব (মনোবিজ্ঞান) মগ্‌ত্তানা খৎবা অমসুং মহুবু মতীক্চাব ভাবোক্শিংদা য়েংথোক্নুনা মপুক্লিং জয় তৌবা ঙম্ববু নুংগী মিৎ-পাংলব লেখক কৌনৈ। মীওইবগা মীওইবগা, মীওইবগা অতৈ-জীবগা মীওইবগা প্রকৃতিগী দৃশ্যশিংগা য়াম্না নক্শিন্নহন্বদি মাতনা ঙম্মি।

মনস্তত্ত্বগী য়াফম্ নৈনরক্পদা—'মীওইবা' হিংহুনা লৈরি হায়বসি কদায়দগী কম্দোনা হায়রিবনো করিনা মরম্ ওইহুনা 'পুন্সি' কৌনবা য়ারিবনো? য়াহংশিংসিগী পাউখুম্ উপনিষদ্কী য়া নৈনরগা ফংগনি। আত্মাগী মরীদা—

> অঙ্গুষ্ঠমাত্রঃ পুরুষো মধ্য আত্মনি তিষ্ঠতি।
> ঈশানো ভূতভব্যস্য ন ততো বিজুগুপ্সতে এতদ্বৈ তৎ।
> —কঠোপনিষদ্ ২।১।১২

—হৌখ্রবা-ওইরিবা-আতুংদা ওইরকদবা মতম্ অহুম্মক্পু খুদুংচনরিবা—খঙ্লিবা মতমগা খুতহুম্ চল্লিবা খুবীমুক্ চাউরব থম্মোই-অতিয়াদা অন্তঃকরণনা * মাগী উপাধি [বিশেষণ] ওইরিব পুরুষ হায়রদি—মাহাক্না পূর্ণমক্তা শীথা থুংলিবা নিত্য-শুদ্ধ চৈতন্য [অয়েঙ্গা-থোংলব-মিকপ্ থোক্লিব অসংখ্য জ্ঞান শক্কম্] ওইরিব আত্মানা [জীবাত্মানা] মীওইবগী [অতৈ জীবগীসু] হক্চাংসিদা লৈ। [হে নচিকেতা, যম ঐহাক্না তাক্লিবা] আত্মতত্ত্ব অসি নিংথিনা খঙ্লব আত্মজ্ঞানীহুদি সুম্সিংকুম্না ডাক্লি, মাহাক্তি মশাবু ঙাক্চনবগীদমক্ লাংতক্রুনিঙাই লৈতে, মাহাক্কী রক্ষা দরকার লৈতে।

অঙ্গুষ্ঠমাত্রঃ পুরুষো জ্যোতিরিবাধূমকঃ।
ঈশানো ভূতভব্যস্য স এবাদ্য স উ শ্বঃ। এতদ্বৈ তৎ
—কঠোপনিষদ্ ২।১।১২

—মতম্ অহুম্মক্পু খুতহুম্ চন্দুনা শীজিন্নরিব, মৈথু থাংদ্রব মৈরীগুম্ ঙাল্লব অন্তঃকরণনা উপাধি [বিশেষণ] ওইরিব, খুবী-মুক্ চাউই শীংথানরিব থম্মোই-অতিয়াদা লৈরিব চৈতন্য-শক্-ফম্নরিব [সচ্চিদানন্দ স্বরূপ], পূর্ণমক্তা শীথাথুংলিবা আত্মানা [জীবাত্মানা] মীওইবগী হক্চাংসিদা লৈ। মাহাক্সি হৌজিক্সু লৈ, হয়েংসু লৈগনি, মমাংঙৈদসু লৈরম্বনি। মসিনি আত্মতত্ত্ব হায়বহু।

---

* অন্তঃকরণ—১। শরীরান্তঃস্থমতীন্দ্রিয়সহায়কম্—হক্চাং মনুংসিদা লৈরিব ইন্দ্রিয়শিংগী থবক্শিংদা তেংবাংলিব নুংগী মচাক্।
২। সর্বজ্ঞানাদিসাধককরণম্—মীওইবনা খঙ্নিঙাই পাম্বে—জ্ঞানেন্দ্রিয়-পূর্ণমক্পু মাগী মাগী বিষয়শিংদা হক্থেংনহল্লিব নুংগী মচাক্।

অসুম্ব আত্মাসিমক্তি—

ন জায়তে ম্রিয়তে বা বিপশ্চিন্, নায়ং কুতশ্চিন্ন বভূব কশ্চিৎ।
অজো নিত্যঃ শাশ্বতোঽয়ং পুরাণো, ন হন্যতে হন্যমানে শরীরে।

—কঠোপনিষদ্ ১।২।১৮

—আত্মাসি পোক্পা-শিবা নাইদে, মাহাক্তি করিগুম্ব মরম্ অমদগী ওইরক্পা (পোক্লক্পা) নত্তে অদুগা মঙোন্দগী করিগুম্ব অমা পোক্খিবস্সু লৈতে, হায়বদি মঙোন্দা কার্য্যকারণ অনিমক্ লৈতে, মাহাক্তি নিত্যচৈতন্য স্বরূপনি, মশক্হোংবা লৈতবনি, ময়েং তাথব লৈতবনি, চাউখৎপস্সু লৈতবনি, অসুম্ব অবয়ব (শাওংশাদা) লৈতব চৈতন্যাত্মাসিদি, মাগী কায়দোং ওইরিব হক্চাংসিবু করিগুম্ব থুৎলাই অমনা মাঙ্হন্খ্রবদস্সু মাহাক্তি থক্ মাঙ্বা লৈতে।

অমাঙ্-অতা লৈতবা শাওং-শাদা নাইদবা, মাগীদমক্ মীনা করিগুম্ব অমা তৌবিব লৈতবা মানস্সু মীগীদমক্ তৌবিরুবস্ লৈতবা (কার্য্যকারণাভাব) চৈতন্যস্বরূপ আত্মাসিবু—"ধ্যায়তীব" "লেলায়তীব" ধ্যান তৌরিবগুম্বা চংথোক্-চৎশিন্ তৌরিবগুম্বা শীংথারি; মতুগী মরম্দি অসিনি—

আত্মানং রথিনং বিদ্ধি শরীরং রথমেব তু
বুদ্ধিন্তু সারথিং বিদ্ধি মনঃ প্রগ্রহমেব চ॥

কঠোপনিষদ্ ১।৩।৩

—আত্মাসি [জীবাত্মাসি] দোলাই তোংলিব মপুনি, হক্চাংন দোলাইনি বুদ্ধিনা মাবু থৌরিব সারথিনি—থঙ্নগনি অদুগা মনবুনা দোলাইচৌংলিব শগোলশিংদুগী শগোলচূপ্পিনি শীংথানরি।

ইন্দ্রিয়াণি হয়ানাহুর্বিষয়াংস্তেষু গোচরান্।
আত্মেন্দ্রিয়মনোযুক্তং ভোক্তেত্যাহুর্মনীষিণঃ॥

— কঠোপনিষদ্ ১।৩।৪

—মনীষিশিংনা মিৎ, লৈ, নাতোন্, নাকোং, উন্‌শা—ইন্দ্রিয়শিংসিবু শগোলগা পান্থক্লি অত্তুগা মখোয়সিগী চাক্তাকম্ ওইরিবনা মশক-মহাও-মনম্-খোঞ্জেল্-শোক্ক-শম্নবা—বিষয়াশিংসিনি [মখোয়সি ইন্দ্রিয়শিংসিগী চেন্‌শিন্‌ফম্নি]। আত্মাবু ভোক্তা কৌরিবদি—মতোন্দা ইন্দ্রিয়শিং অমস্সুং মন অসিনা তীল্লবদা হায়বদি মখোয়সিনা মশা-মশাগী মখৌ তৌজবদা, আত্মানা মপু ওইবা মরম্না মাবু 'ভোক্তা' কৌনরিবনি।

মীওইবগী স্থূলদেহবু * দোলাইনি, সূক্ষ্মদেহবুনা † দোলাইত্থু খৌরিব সারথিনি অত্তুগা জীবাত্মা নত্রগা 'ঐহাক্' অসি হায়না খঙ্‌নরিব জীববু দোলাইতোংলিব মপুনি, কল্পনা তৌনরি। জীবসিনা (হক্‌থেংনবা তত্তনা) মশাগী দোলাই—স্থূলদেহসিদা তোংলগা অফবা থবক্ কয়া, ফত্তব থবক্ কয়া তৌই অত্তুগা মাহাক্না তৌরুরিব কর্ম্মশিংত্থুগী ফলশিংত্থু অপোৌবমখৈবুনা স্থূলদেহনা অকুপ্পমখৈবুনা সূক্ষ্মদেহনা [পান্থৈ ওইদুনা] ভোগতৌই। সূক্ষ্মদেহ শাগৎলিব ইন্দ্রিয়শিংসিদা বুদ্ধিনা মকোক্নি, মাহাক্না সারথিনি। বুদ্ধিনা পোৎশিংগী মশক-মতৌ খঙনবা হোৎনৈ। মাহাক্না পোৎশিংবু মুন্না খঙ্‌দোক্লব মতুংদা মননা [মখৌ-পাঙ্‌থোক পায়াবা মতাং লাক্লবদা] বুদ্ধিনা লেপ্‌খিব্র পোত্তু শীজিন্নগেবু হায়রবসু শীজিন্নরোইবু, হায়রবসু মাগী অপাম্ব মতুংইন্না সূক্ষ্মদেহগী ইন্দ্রিয়শিংসি মাগী মাগী মখৌদা ইন্‌শিল্লি, পামদ্রগনা থৌদারুদে,

* স্থূলদেহ—ঈ-তোং-শদোং-য়েল শরুনচিংব মচাক্‌শিং পুন্‌শিল্লিব অপোৌব শক্‌ফম্বু স্থূলদেহ কৌই। মসি মিৎনা উবাফংবনি।

† সূক্ষ্মদেহ—মিৎ-নাকোং-নাতোন্ উন্‌শা- ল-জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙাসিগা লোয়ননা মন-বুদ্ধি চিত্ত অহঙ্কার—মখোয়সিবু সূক্ষ্মদেহ কৌই। মসিদি মিৎনা উবা ফংদবনি। মসিনা মীওইবনা কুপ্প-কুপ্পব থবক্‌শিং (খোপ্-থম্মোইগী থবক্‌শিং) পাঙথোক্‌ই।

মাহাক্কা মরাম্হুগী লোয়না খুজিল্লোয়াং তৌবসিনা মনবু নিয়ম্ খৌদা পীননব শগোল চুপ্নি অহুগা অতৈ ইন্দ্রিয়শিংবু্না নিয়ম্ ইন্‌গদব শগোল্‌শিংনি শীংথারিবনি। দোলাইখৌরিব সারথিহু হৈশিংলবদি (পুক্নিং ৱাখল্ লৈতারবদি) মখুত্তা পায়রিব শগোল চুপ্নিহু চোক্‌শিন্না গুরগা শগোলশিংহু মাহাক্কা চংহন্নীংব মতুং ইন্না চংহন্না ওম্মি। সারথিদ্না হৈশিংদ্রবদি (পুক্নিং-ৱাখল লৈতাদ্রবদি) শগোলশিংদ্না দোলাইদু সারথি অমস্থুং তোংলিব মপুদ্গা [জীবাত্মাগা] কোন্ননা অরাঞ লম্বীদা চীংশিন্দুনা লেপ্পমক্ মাঙহল্লি। পুন্সিমহয় য়াল্‌হন্দে।

উপনিষদ্‌না তাক্লিবা আত্মা, মাগী কায়দোংকম্ অমস্থুং মাগী মখাপোল্লিব ইন্দ্রিয়শিংগী মরীদা নৈনরবতুংদা মখোয়সিগী মরীদা খর অমুক্ কুপ্লব ৱাফম্‌শিংবু অমদি অন্তঃকরণ [মনঃ] নচিংবগী ৱাফম্‌শিংবু কনাগা কনাগা কম্‌দৌনা মরী লৈনবগে হায়বদু সাংখ্যদর্শনগী ৱা লৌখৎলগা নৈনসি। দর্শন অসিগী জগৎসৃষ্টি—

"পুরুষ প্রকৃতি অনি চুম্‌শিন্নরগা জগৎ শেম্মি। অনি তীন্নবদু মক্তনা উরিব জগৎ অসি ওইহল্লি। প্রকৃতিদি জড়নি [লেং-ওৎপনচিংব অমত্তা ঙমজদবনি], মরম্ অদুনা মথন্তনা লৈশেন্না ঙমদে অদুগা পুরুষ মথন্তস্থু জগৎ সৃষ্টি তৌদে, মরম্‌দি মাহাক্‌সি ফনা সর্ব্বশক্তিমান্ ওইদুনসু নিষ্ক্রিয়নি,—করিগুম্ব অমত্তা তৌদবনি। প্রকৃতি-পুরুষ অনিগী ওইরিব ফিভম্ মতাংদা সাংখ্যদর্শননা অন্ধপঙ্গুন্যায়গী * মতুংইন্না করিমত্তা তৌঙম্‌দব [প্রকৃতি], য়াম্ব ঙম্লগা করিমত্তদি তৌদব [পুরুষ] অনিনা জগৎ শেম্মি হায়রি।

---


* অন্ধপঙ্গুন্যায়—মিত্তাংব-খোঙতেক্‌প মী অনিনা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা অনিমক্কী মপান্সিগী ওইব থবক্ পাঙ্-খোক্‌মিন্নব খৌদো।

সত্ত্ব-রজো-তমো গুণ অহুম্‌সিনা চপ্‌মান্নরিব [লৈন্তানা ইংনা লৈরিবা] মতৌদ্‌বুনি 'প্রকৃতি' হায়নরিবসি। ফিভম্‌ অসিদগী থজিক্‌ কায়রক্‌না হায়বদি অহুম্‌দদা রজোগুণনা য়াওন্দুনা মথীকোংলক্লবদা হায়রিব প্রকৃতিসি মথুম্মরাং হৌরক্‌ই— মিকপ্‌ থোক্লদ্‌না থবক্‌ তৌনীংলক্‌ই অসুম্ব ফিভম্‌সিদা [রজোগুণনা মথীফোংলক্লবদা] সত্ত্বগুণনা লুচীংলিব তত্ত্বব্‌ 'মহত্তত্ত্ব' কৌই; মসিমক্‌ জগৎ সৃষ্টিগী মরুওইরব মরম্নি [বীজনি]। মহত্তত্ত্বসিদগী 'অহঙ্কার' পোক্‌ই। মসিদি থৱাইপাম্ব পুন্নমক্তা [শীথাথুংনা লৈ] চপ্‌মান্ননা লৈ। 'সংসারগী বিষয় পুন্নমক্‌ ঐগীদমক্নি,' ঐনা থবক্‌ অসি তৌবা য়াই, 'মসি ঐনা ওম্মি'— অসিনচিংব পুক্নিং-য়াখল্‌ পুন্নমক্‌সি 'অহঙ্কারতত্ত্বগী' থৌইন্‌-শিন্দগীনি। গুণ অহুম্‌গী চাং মান্নদব মতুংইন্না অহঙ্কারতত্ত্ব মখল্‌ অহুম্‌ শুই—[১] বৈকৃত অহঙ্কার [সত্ত্বগুণনা হেন্ব অহঙ্কার], [২] তৈজস অহঙ্কার [রজোগুণনা হেন্ব অহঙ্কার], [৩] ভূতাদি অহঙ্কার [তমোগুণনা হেন্ব অহঙ্কার]। তৈজস্‌ অহঙ্কারনা ময়াম্‌সিবু থবক্‌ তৌহল্লিবনি, মাহাক্না মথৌনা মকারান্না ফংদোক্‌ই। মঙোন্দা রজোগুণ চাংহেন্না লৈবননি।

তৈজস্‌ অহঙ্কারনা শোগৎলিব সাত্ত্বিক অহঙ্কারদগী ইন্দ্রিয় মখল্‌ তরামাথোই [জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা কর্ম্মেন্দ্রিয় মঙা মনঃ] পোক্‌ই। তরামাথোইসিদা মনঃনা অথোয়বনি, মাহাক্‌সি সাত্ত্বিকগুণনা মপুং ওইব ইন্দ্রিয়নি। তামস্‌ অহঙ্কারদগী পঞ্চ-তন্মাত্রা * পোক্‌ই। মসিদগী য়াম্নমক্‌ কূপ্পব তত্ত্বশিংদগী [শক্‌-

* পঞ্চতন্মাত্রা — শব্দ [খোঞ্জেল] স্পর্শ [শোক্ল-শম্নবা] রূপ [শক্‌] রস [মহাও] গন্ধ [মনম্‌] মখোয়সিগী কূপ্পদগী কূপ্পব [মীচম্না খঙ্‌নিঙাই ওইত্রব] মতৌবু [শক্‌ফম্বু] 'তন্মাত্রা' কৌই। মসিদি যোগীতনা খঙ্‌বা ঙম্মি, অতৈনা ঙম্‌দে। মীচম্‌গীদি মখোয়সিগী মরীদা ভাব শাবা নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈতে।

কম্‌শিংদগী] পঞ্চমহাভূত পোক্‌ই। শব্দতন্মাত্রাদগী→ আকাশ, স্পর্শতন্মাত্রাদগী→ বায়ু, রূপতন্মাত্রাদগী→ তেজঃ, রসতন্মাত্রাদগী→ জল, গন্ধতন্মাত্রাদগী→ পৃথিবী অসুম্না লোয়নকরিব মহাভূত-শিংসি মরী লৈনব তন্মাত্রাশিংদগী পোক্‌ই। সাংখ্যদর্শনগী বিকাসক্রম মখাগী চৈশেম্‌ অসিনা উংলি—



তত্ত্বকুম্মরি—

১। পুরুষ-প্রকৃতি— পুরুষপু অনাদি – মতোন্দগী হাম্বিনব অমা লৈতবনি শীংথানৈ, মাদি নিষ্ক্রিয়নি, করিগুম্ব থবক্‌ অমত্তা তৌদবনি, অহুম্বদি ওইরগা জগৎকী অপিক্‌-অচৌ থবক্‌ পুম্নমক্‌ মাহাক্কী ইঙ্গিৎ-মিৎলৈ-নারৈগী লোয়না মখা পোল্লি খুখাং ওইনা। মাহাক্না প্রকৃতিদা থৌদা পী। প্রকৃতিনা পুরুষকী অপাম্বা— মানা থৌদাবিরক্‌পা হিরম্‌ পুম্নমক্‌ থবক্‌ ওইনা পাঙথোক্‌ই। জগৎকী অপিক্‌-অচৌ থবক্‌ পুম্নমক্‌ প্রকৃতিতনা ইতৌ-তৌম্বি-বনি। জগৎকী ইহান্‌ হাম্ব শক্তিবুনি প্রকৃতি হায়না খঙনরিবসি।

মাহাক্সি জগৎপোক্পী মমানি। পুরুষ-প্রকৃতি অনিবু মূলতত্ব (আদিতত্ব) অসুম্না শীংথানৈ—জগৎকী হৌরক্ফম্ ওইবদগী।

সর্ব্বসম্মতা প্রকৃতিঃ শ্রীকৃষ্ণঃ প্রকৃতেঃ পরঃ।

ন শক্তঃ পরমেশোঽপি বা শক্তিং প্রকৃতিং বিনা॥

—ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণ

—পুম্নমক্সি প্রকৃতিদগী পোকখিবনি; শ্রীকৃষ্ণমক্তি মঙোন্দগী তোঙাম্না (বাংনা) লৈবনি। শ্রীকৃষ্ণ কৌন অবতার তৌবিরিব পরম পুরুষ অসি ফনা সর্ব্বশক্তিমান্—মঙোন্দা শক্তি পুম্নমক্ গুনা লৈহুনসু প্রকৃতিগী মতেং য়াওদনা মথন্তনা করিগুম্ব থবক্ অমত্তা তৌদে। অসুম্ব মূলতত্বসিদগী মহত্তত্ব পোক্ই।

২। মহত্তত্ব— বুদ্ধিতত্ববু মহত্তত্ব হায়না খঙ্নৈ। পরম-পুরুষকী সগুণরূপ (শকাইরিব মতৌ) শিংগী মনুংদা য়াম্নমক্ মপূং ফারিব (ঐখোয়না পুরাণশিংদা অচৌ-অচৌব থবক্ কয়া-মরম্ পাঙ্থোক্লে উনরিব) ব্রহ্মা বিষ্ণু অমসুং মহাদেব অহুম্-সিদগী অমবু মহত্তত্ব কৌই। মখোয়সি পরমপুরুষতগী জগৎকী লীলাশিংগীদমক্ শক্লোল্শিং পুথোক্পিবনি—

একামূর্তিস্ত্রয়ো ভাগা ব্রহ্মবিষ্ণুমহেশ্বরাঃ।

অবিকারাৎসাধান্যাত্তু মহত্তত্বং প্রজায়তে॥

—পরমপুরুষকী অমত্তা ভাইরব শকফমহুদগী মথল্-মখা য়াম্নব লীলাশিং শাম্নবগীদমক্ মাহাক্না ব্রহ্মাবিষ্ণু মহাদেব অসুম্না মূর্ত্তি—শকফম্ অহুম্থোক্না অবতার তৌবিথি। অনাদি পরম-পুরুষ অহুবু জগৎ পুম্নমক্কী হৌরক্ফম্ ওইবদগী মহত্তত্ব অসুম্না খঙ্নখি।

অনাদি পুরুষনা পুম্নমক্কী হৌফম্—মূলনি অহুগা লীলা-বতারশিংবুনা মহত্তত্বশিংনি শীংথানরি। মথল্-মখা য়াম্নব লীলা-শিংগীদমক্ মশক্নাইনা অবতার তৌবিরিব ব্রহ্মা, বিষ্ণু নত্রগা মহাদেব মখোয়সিগী অমদগী [অমমম্দগী] অহঙ্কারতত্ব পোক্ই।

৩। **অহঙ্কারতত্ব**— **মহত্তত্ত্বদগী** **অহঙ্কারতত্ব** পোকই। **অহমুল্লেখ ইত্যাকারক সংস্কারঃ**—ঐদি ময়াম্‌সিদগী অহেম্বনি খঙ-বতন। হৈনবী অমা ওইনা চুশিন্‌খ্রব স্বভাব। **যেষাং তুক্তৗী-ক্রণেম্**— ঐ নত্তব পূম্নমক্‌সি করিস্থু লৈত্তব ঙাক্তনি, অসুম্না খৌশাদবা। অহঙ্কারতত্ত্বসি জীবশিংদা শীঘাথুংনা লৈ। সংসারগী বিষয়শিংসি ঐগা মরী ইরৈ লৈনৈ, থবক্ অসি ঐনা তৌগদবনি, ঐনা মসি তৌবা ঙম্মি, অসিনচিংব পুক্লিং-ৱাখল্‌শিংসি তত্ব অসিগী খৌইন্‌শিন্নি।

৪। মনঃ— **মননাত্**—ৱাখল-খন্বদগী মন কৌই। **সর্বে-ন্দ্রিয়প্রবর্ত্তকান্তরিন্দ্রিয়ম্** মাগী মখাপোল্লিব ইন্দ্রিয়শিংবু মাগী মাগী শিন্‌ফম্‌শিংদা শিন্থা পীরিব মনুংগী ইন্দ্রিয় অমা। **অনি-শ্চয়েমহংয়ন্চ জ্ঞানভেদং মনঃ স্মৃতম্**—শক্লাইন উনিঙাই ওইদব চুম্ন জ্ঞানতগী বিষয় (আশ্রয়/কায়দোংফম্) ওইরিব [নমুংগী ইন্দ্রিয়] অতুবু মনঃ কৌই। **স্বহারহিতত্বে সতি ক্রিয়াবত্**— শোক্ল-শন্নবদি য়াদবা (মাগী স্বভাব ওইদবা) অতৈ থবক্-খৌদৌ পূম্নমক্তদি মাতাক্ ইয়াও য়াওরিব ইন্দ্রিয়বু মন কৌই।

৫। পঞ্চতন্মাত্রা— **অপঞ্চীকৃতপঞ্চমহাভূত**— পোৎলম্ মঙাসিগী অমগা অমগা তীন্নদ্রিঙৈগী য়াম্ননক্ কূপ্লব শক্‌ফম্, হায়বদি—শব্দ (খোঞ্জেল) স্পর্শ (শোক্ল-শন্নবা) রূপ (শক্) রস (মহাও) গন্ধ (মনম্) মখোয়সিগী খোয়দোক্ল কূপ্লব শক্-ফম্বু তন্মাত্রা কৌই। মসিদি যোগীতনা খঙ্বা ঙম্মি, অতৈনা ঙম্দে। মীচম্‌গীদি মখোয়সিগী মরীদা চুম্না ভাবনা শাবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে।

৬। পঞ্চজ্ঞানেন্দ্রিয়— মিৎ, নাকোং, নাতোন্, লৈ, উন্‌শা। মীওইবনা মখোয়সিতনা থবক্ পূম্নমক্ পাঙ্‌লতুনা মপুক্সি মহয় য়াম্নরিবনি।

৭। পঞ্চকর্ম্মেন্দ্রিয় — বাঙাংজিব ইন্দ্রিয়, খোঙ, খুৎ, খাগী খোঙ, ঈশিংখোঙ। মীওইবনা অপো-অপোব থবক্‌শিং মখোয়সিতনা পাঙ্‌খোক্লিবনি।

৮। পঞ্চমহাভূত — লৈপাক্‌, ঈশিং, মঙাল (তেজ), নুংশিৎ, অতিয়া। জগৎসিদা লৈরিব অচং-চঙ জীব পূম্নমক্‌ পোৎলম্‌ মঙাসিতনা শাগৎলিবনি। জীবশিংসিদা পোৎলম্‌ মঙাসিগী য়াওরিব চাংদু অমদা থবা হেন্না, অমদনা থবা তাবা অদুগা অতোপ্প অমদনা চাং মান্নবগুম্ব খুৎশেম্‌ থেন্নজবতনি; জীব পূম্নমক্কী হক্‌চাংসি মখোয়সিতনা শেম্লিবনি। মীওইবগী হক্‌-চাংদি লৈবাক্কী চাংনা হেন্বনি।

বেদান্তদর্শননা তাক্লিব মনস্তত্ত্বগী মচাক্‌শিং — আত্মা অমত্তনি, হায়বসি — থবাইপাম্ব অমদা লৈবগা অমদা লৈবগা ইমান্‌-মাম্নৈ, অদুনা অসুম্ব তত্ত্ব অসিনা পূম্নমক্তা শীম্বা থুংনা লৈরিবনি। মরম্‌ অসিনা ম্যাবু ঙাক্‌শেল্লিবা — ম্যাগী মখাথানা থবক্‌ তৌরিবা ইন্দ্রিয়শিংনা (সূক্ষ্মদেহনা) হেক্‌ তৌরিব থবক্‌ পূম্নমক্‌ — লোল খঙ্‌নবা মীওইশিং (মাতৃভাষা অমত্তগী মচাশিং) য়াম্না লায়না পুক্নিং-বাথল'পুম্ব হোদোক্নবগুম্না — আত্মানা মপু ওইরদুনা লোয়না ইথঙ্‌-খঙ্‌নৈ, পূম্নমক্‌ হোদোক্নে। থাক্‌ অসিদগী থব অমুক্‌ বাংনা (লুশিন্না) থম্নরগনা — মীওইবনা শীজিন্নরিব মপাম্হোংগী লোল্‌ খঙ্‌নদুনা য়াম্না হোদোক্নবা মতৌ অদুগুম্না আত্মা মশাগী লোলনা করিগুম্ব অবাংব থাক্কী ইশৈ [গদ্য-পদ্য] অমা শক্লবদি মমাঙ্গব আত্মা অমনা মদু হেক্তা লায়না তারদুনা লোয়না খঙ্‌ই। * আত্মাগা আত্মাগা বারী শানবনি।

* মীওইবগী স্থূলদেহ — মসি জড়নি। অতৈ জড় পদার্থ — উপাল্‌-বাপাল্‌ হৈপাল্‌-লৈপাল্‌নচিংবগা স্থূলদেহসিগা পাম্নক্লি, মঙোন্দা কায়দোংলিব ইন্দ্রিয়শিংসিতনা মরম্‌ ওইদুনা মাহাকপু 'জীব' কৌনরিবনি। ইন্দ্রিয়শিংনা হেক্‌ থাদোক্লগা জড়পদার্থ

সাংখ্যদর্শনগী চতুর্বিংশতিতত্ত্ব অসি কূপা লৈনরগা মখোন্দসিগী কারকম্‌শিং শারা মপ্‌ুংকানা খুংগুনরগা সাহিত্যদা মূর্ত্তি শাগৎনরিব মীওই [পাত্র] শিংগী চরিত্রদা মথম্মাই হাপ্পি—লৈপাক্‌ নত্রগা উনচিংব মচাক্‌শিংনা খুৎনাইবনা কারখানাদা মূর্ত্তি শারগা অখণ্ড্‌-অহৈশিংনা জীবন্যাস তৌবা, মপাল্‌হোংদসু মতীক্‌-মতীক্‌চাব মচুশিং তৈরদুনা চাননা হিংহনবা অমসুং কজহবগুম্বনি। অওইবমক্‌ সাংখ্যগী চতুর্বিংশতিতত্ত্ব মূন্না খঙ্‌লগা মখোয়সিবু পুন্না বিশ্লেষণ তৌবা—মনোবৈজ্ঞানিকচরিত্রচিত্রণ তৌবা হৈরব সাহিত্যকারদি মহয় য়াল্লি। মসিবু সাহিত্যগী লোলদা ফোঙ্‌দোক্নবা তারবদা "মনুংচন্না লৈরিব প্রকৃতিবু" "মচাক্‌শুনা ফোঙদোক্‌পা", হায়বা য়াই। মসিতনা ঙস্মি—মীওইবগী মনুংহুঞ্জিন্না লৈরিব লম্‌চং স্বভাবপুম্বু ফোঙ্‌না তেংনা ফোঙ্‌দোক্‌পা।

ওইরহনা লেং-ওৎপা ঙম্‌দনা তাহনা লৈ। স্থূলদেহদি মচিঞ্জাক্‌ ফত্রগা নত্রগা নারবদসু মথৌ তৌবা ঙম্‌দে অদুগা মঙোন্দা লৈরিব সূক্ষ্মদেহদি থুনা হেক্‌ মাঙ্‌দে, মখোয়গী মবুঙো [আত্মা] না হক্‌চাং পূম্‌থা থাদোক্লিমখৈ সূক্ষ্মদেহনা মাগী থৌগল্‌ তৌদুনা লৈ। মবুংঙোনা থোঙ্‌শাল্লম্‌দাইদা মনাইশিং [ইন্দ্রিয়-শিং] না মাংজোননা থৌগল-লাঙ্গল চ্যোক্‌শিন্নবগুম্না থজিক্‌ চ্যোক্‌শিল্লি, লম্‌য়াম্বা হৌই। থৌদৌশিংসিনা আত্মানা কেন্দ্র ওইরগা [স্থূলদেহবু থৌশাদনা] তৌরিব থবক্‌ পুন্নমক্‌পু, কবিনা শক্লিব শৈশক্‌পুসু আত্মামশেল ইখঙ্‌-খঙ্‌নৈ, লোয়্‌না ফাওদোক্নি।

সাহিত্যদা শব্দশক্তি—

ৱাহৈ অমমম্থু মমূত্তানা খঙ্‌বা অমস্থুং মখোয়হুবু মতাং চানা শীজিন্নবা হায়বসি সাহিত্যগী য়াম্নমক্ তঙাইফদবনি। সাহিত্য হক্‌চাংসি মখোয়সিনা শাগৎলিবনি। মশামউ ফনা চুং-কিরান্ চানা হিংলিব মীওইগুম্বনি। মীওইবগী হক্‌চাং অসি তীঙ্গং-কায়জংলবদা, নাম শোয়রবদা— মাহাক্ অহু মপোক্কী মী অমনি হায়বহু মঙাই, থবক্ য়াম্না কান্নব মীদি ওইদে। মতৌ অস্থুম্না ৱাহৈশিং অমস্থুং ৱাহৈপরেংশিং অহুগী অর্থবু মখোক্ত্রবদি, করিগুম্বদা অর্থ খোক্লবস্থু মখোয়হু মতাংচানা মশীজন্নদ্রবদি [ব্যাকরণ লাম্বা বানান্ লাম্বনা মশক্ থীরবদি] অহুগুম্ব লাইরিক্‌শিং অহু নিংথিব সাহিত্য লৈচন্ কৌবা য়াদে। অস্থুম্না হায়রি—

> **একঃ শব্দঃ সুসমযুক্তঃ সম্যগ্ জ্ঞাতঃ।**
> **স্বর্গে লোকে চ কামধুগ্ ভবতি॥**

তেংবাম্বসিদা, কনাগুম্বনা করিগুম্ব ৱাহৈ অমত্তবু মমূত্তানা খঙ্‌জরবা, মহুবু মতাংচানা শীজিন্নজরবা অহু ওইরবদি—মফম্-সিদা লৈরিঙৈদা অমস্থুং অতৈ মপোক্ অমা ফংথ্রবদস্থু মীওইবনা কামধেন্থু যণবীদগী কান্নবা ফংবগুম্না কান্নৈ।

অনৌব মণিপুরী সাহিত্যদগী মতাংচানা ফজবগী খুদম্ খরা—

"ঐখোয় মৈতৈগী মিন্নুংশি হায়বা ৱাহৈ অসি মীওইবগী পুক্‌চেন্‌গী মরক্তা ওলাংথাগী য়াচংবদা শাৎপা লৈরাং মালিকাদগী হেন্না থোৎলবা।"

—মিন্নুংশি, ৱারেং পরেং লাঃ ৪

"য়েংউ, খুগ্রাং তোংবনা নোম্‌লগা খোংউপ্ তোংবনা চারি।"

"মরাইবক্‌থীবা কনানা অৱা-অনা খংদনা অইং-অশা নাইদনা হক্কী ঈরা শম্লাং তৈনা নোম্‌হুনস্থু অহোবা মেন্‌বা ঙম্নদরি মসি করিননো?"

—লাইবক্ অমস্থুং থবক্, ৱারেং পরেং লাঃ ১, ২

"বুদ্ধগী মূর্তিনা চীংলেম্মি ; মখোঙ্ অনিদুদা কনানো অমনা কোমলা মগুং অনিগা লকোয় অমগা কৎলম্বগী লৈরম্মি ; ঐনা-হৃংই হে অখোইবা কনা লাইরবগী চম্ববা পূজানা নঙ্গী নখোঙ্ থম্বালবু লৈতেংলি ।"

—দার্জিলিং চৎঙৈদা, ব্বারেং শক্লোন, লাঃ ৪৩

"ফজবা, পোত্তা মতৌ খরতা ওইনা অদুগা মীওইবগী ব্বাখলদনা মপুং ওইনা লৈ ।"

"মচা শিবগী মঙ্গারক্লিবী মমানা মচানা থাজরম্ব অদোর-গুলাপ তঙাং তঙাংনা শাৎলিবদু উরগা অচাক্পদা ঘী হৈজিন্বগুম্, মুংশাদা মৈতীকৃপগুম্ ব্বাগনি ।"

—ফজবা, ব্বারেং শক্লোন্, লাঃ ৫৭, ৫৯

"নাদব থম্বান্না খোইমু মাইবা নত্তববু করম্ কৌবিয়ু হায়-রুনি । অহিং মুংথিল অনীদা শঙ্দনা চুবা লৌদনা কাবা, নাহেফদবা, য়েক্ত খিন্দা পোম্দা-তংদবা মকম্-মরাং খংদবা লায়না অমনা থম্বান্দা চংলকএ ।"

—থম্বাল, পরিষদ্কী অনৌবা ব্বারেং লাইরিক লাঃ ১২২-১

খুদম্শিংসিদা মখাদা লৈয়ি চীংলিব ব্বাহৈ-পরেংশিংসিনা মখোয়গী প্রবন্ধশিংদুনা নৈনরিবা, খৌরাংনা তাইনরিব ভাবশিংদু মপুংফানা-শেংনা ফোঙ্দোক্লরবনি, মখোয়সি মতাং চান-চানা শীজিন্নরবনি ।

সাহিত্য গুরিবশিংনা মনুংগী ভাব মমূত্তানা থঙ্দবদগী মতাং চাদনা ব্বাহৈ, ব্বাহৈপরেংশিং হাপ্চিল্লুবনা মিংচৎ চীংথনিঙাই ওইবসু লৈরি । চাম্খোঙ্দা লেপ্পুনা লাওরুবগী প্রতিধ্বনি থুনমক্ মনাকোংদা পাম্বগুম্ শক্উরিব শৈশক্কুগী য়াক্লব-তাজনীংব্রব প্রতিধ্বনি থুনমক্ লেখককী মনাকোংদা পান্দবা নত্তে ।

মতাংচাদব। অমদি মমৃত্তানা খঙদবগী খুদম্ খরা—

"মীওইবসি শৈশা পায়রা পায়রক্লগা ময়াম্‌গী য়েংলক্তবা, সমাজগী খল্লক্তবা অমসুং মচেৎ মচেৎ তাবা পুন্সি লেম্লক্লে।"

—হৌজিক্কী পুন্সি অমসুং সাহিত্য, ৱারেং শক্লোন, লাঃ ২৬

"ভাবোক্ ঐখোয়না মুংঙাইজবা অমদি হৈনজবা লীলা ঐখোয়না মশকৃখঙ্ই।"

—অনুবাদ সাহিত্য, পরিষদ্‌কী অনৌবা ৱারেং লাইরিক্ লাঃ ৩

"উপন্যাসকার কমল উপন্যাসকার অমা ওইবমুক্ কবিসু ওই !!"

— মণিপুরী উপন্যাস, পঃ অঃ ৱাঃ লাঃ লাঃ ১৬

"মাইকেল মধুসূদনদত্তগী 'মেঘনাদবধ' কাব্যগী অতোপ্প শক্তম্ 'মেঘনাদতুবা' কাব্য অসিনি।"

— কবি নবদ্বীপচন্দ্র, পঃ অঃ মঃ ৱাঃ লাঃ লাঃ ১৩৬

"মচুশিং অসিবু অইংবা কা নত্রগা মঙাল য়াম্না ফংদব তুফক্-তুফাই চন্‌বা মফম্‌দা শীজিন্নরবদি মফম্ অদু য়াম্না থোগৎলি।"

— ইমুং লৈতেংবা, ৱারেংপরেং লাঃ ৪৪

খুদম্‌শিংসিদা মখাদা লৈয়ি চীংলিব ৱাহৈ-ৱাহৈপরেংশিংসি মশীং হেল্লবা, অর্থ মমৃত্তানা খঙহন্দ্রবা নত্রগা শীজিন্নফম্ লাল্লবনি।

শব্দশক্তি (ৱাহৈগী পাঙ্গল) হায়বসিমক্তি কদায়বু কৌরগে ?

১। শব্দানাং মুখ্যব্যাপারঃ শক্তিঃ

শব্দশিংগী য়াম্নমক্ মরু ওইরিব শিন্থা (থৌদৌ) অদু মাগী শক্তিনি।

২। শব্দার্থসম্বন্ধঃ শক্তিঃ

শব্দ অমসুং অর্থ অনিগী কায়নফদ্রব মরী (নিত্য সম্বন্ধ) অদু কাব্যদা শব্দশক্তি কৌই।

৩। অর্থপ্রতীতি অনুকূলপদার্থসম্বন্ধব্যাপারঃ শক্তিঃ

ৱাহৈগী অর্থ খঙ্‌নবদা কৌৱোয় ইল্লিব অতুগা শব্দার্থ অতুমক্কসু মরী লৈনরিব থৌদো (ব্যাপার) অদু শব্দশক্তিনি।

৪। অর্থপ্রতিপাদনানুকূলসম্বন্ধবিশেষঃ শক্তিঃ

অর্থ ফোঙ্‌দোক্লবগী তেংবাং অথম্নরব মরীদু (শব্দ-অর্থ অনিগী সম্বন্ধদু) শব্দশক্তি কৌই।

৫। অস্মাচ্ছব্দাদয়মর্থবোদ্ধব্যমিতি ঈশ্বরেচ্ছারূপ সংকেতঃ শক্তিঃ

ৱাহৈ অসিনা অর্থ অসি খঙ্‌নগদবনি, অসুম্না লেপ্লিখিবা তেংবাঙ্বমপুগী অপাম্ব (ইঙ্গিৎ) অদু শব্দশক্তিনি।

শব্দশক্তি লেপ্লব তুংদা হৌজিক শব্দগী অর্থ কদায়বু কৌবগে হায়বদু নৈনসি—

শব্দেনোচ্চার্যমাণেন যদ্বস্তু প্রতিপদ্যতে।
তস্য শব্দস্য তদ্বস্তু জ্ঞায়তামর্থসংজ্ঞয়া॥

—চিন্না হায়দোক্লিব ৱাহৈ (শব্দ) দুনা খঙ্‌হল্লিব পোৎ অদু ৱাহৈদুমক্কী অর্থ-কৌন মিংনায়নরিবদুনি, অসুম্না খঙ্‌নগনি।

অর্থবু ময়াওদ্রবদি শব্দদু চানব শব্দ কৌনদ্রে, মরম্ অসিনা অমিসিদি থক্ কায়নদে। মসিগী মপুং ফারব খুদম্‌দি মহা-কবি কালিদাসতগী ফংই—

বাগর্থাবিব সংপৃক্তৌ বাগর্থপ্রতিপত্তয়ে।
জগতঃ পিতরৌ বন্দে পার্বতীপরমেশ্বরৌ॥ রঘুবংশম্ ১।১

—জগৎকী মমা-মপা ওইরিব পার্ব্বতী পরমেশ্বর অনিদি শব্দ অমসুং অর্থ অনি থক্ কায়নদবগুম্না থক্ কায়নবা লৈতে, হায়রিব লাইরেম্বী-লাইরেম্ব অনিসিবু (ঐহাক্না লেঙ্‌জগদোরিব রঘুবংশ মহাকাব্য অসিগী) ৱাহৈ-ৱাতাশিং অমসুং মখোয়দুগী অর্থশিং মপুংফানা থোক্‌হন্বিননবগীদমক্ খুরুম্‌জে।

শব্দশক্তি অমসুং শব্দার্থ লেপ্লব তুংদা, হায়রিব শব্দশক্তি অসিমক্তি মীওইবনা কদায়দগী কম্‌দৌনা (করি করি পাম্বৈনা) খঙ্‌নগনি (লেপ্নগনি) ?

শক্তিগ্রহং ব্যাকরণোপমানকোষাপ্তবাক্যাদ্ ব্যবহারতশ্চ।
বাক্যস্য শেষাদ্বিবৃতের্বদন্তি সান্নিধ্যতঃ সিদ্ধপদস্য বৃদ্ধাঃ॥

শব্দশক্তিদি মখাগী পাম্বৈশিংসিনা খঙ্নগনি (লেপ্‌কনি)।

১। **ব্যাকরণ**—ব্যাকরণ হৈরগা লোল মপুংফানা খঙ্ই, মাহাক্ নত্তনা লোল লোল ওইদে। ব্যাকরণ খঙ্বা, শব্দ খঙ্বা অমত্তনি। সাহিত্য-লম্দা ফজরবা, থোয়্না ফজরবা বা-ফম্শিং, রস অলঙ্কারনচিংবগী কুপ্প-কুপ্পব বিচারশিং ব্যাকরণ-জ্ঞানতনা ভাম্থোক্হন্গদবনি।

২। **উপমান**—উদ্রিব পোৎপু অউবদা থীন্দুনা তাক্পা। মসিনা খঙ্নরম্দ্রিব পোৎপু লায়না খঙ্নবা য়াই। লমষণদি ষণ মাল্লি, অসিনা মপোক্তৈগী লম্ষণ উদ্রিব মীদ্না মাবু খঙ্বা ঙম্মি। 'ফিসি পশোৎমুক্ ঙৌই', অসিনা পোৎ অনিসিদা অমদি উদ্রিব মীদ্গী পুক্নিং-বাথলদা ঙৌবগী থোয়্দোক্প মতৌদ্ ফাওহল্লি।

৩। **কোষ**—অভিধাননা করিগুম্ব বাহৈ অমগী অর্থ ময়াম্ লৈবদ্ নত্রগা অর্থ অমবু [কান্নব অমবু] বাহৈ মথল-মথলশিংনা ফোঙ্দোক্নরিবদ্ উৎলি। লিঙ্গ, প্রকৃতি-প্রত্যয়-নচিংবসু মানা তাক্ই।

৪। **আপ্তবাক্য** লেপ্পব-লেঙ্দ্রব বাহৈপরেং। মরোশিং শোয়-নায়দ্রিব অহলশিংগী অহন্য়াথং। মঙক্ নাইব ময়ায় পোঙ্বা মচিন্ লাওরপ্তৌবা লপাক্নশাবা মম্নুং হোবা পাত্র অমবু 'চফু' কৌই। প্রকৃতিগী খুৎশেম্নক্তা ইহান্-হান্না উরুবা ঋষি অহল অদ্না কোকিল্, উতাংবী [উদা তাংদ্না হৌবদগী] স্বর্ণলতা [ম্না চুদা মাম্বদগী] অস্ন্না মিঙ্গৌনখিবা অসিবু আপ্তবাক্য কৌই।

৫। **ব্যবহার**—থবক্ উবদগী [শীজিন্নব মশীজন্ন থেংনবদগী] ফংলক্প লোৌশিং। মীওইব, মপোক্কী ওইনা মরোশিং


লোয়নজন্নক্পনি, কনাগুম্বনা মদু খজিক্ য়াকায়বিরুবদা মিকপ্ হেক্তা মথোক্পনি। অহল অমনা লৌশিংতারব মী অমদা 'চফু পুরক্উ' হায়না থৌদাখিবা তাহৌরব অঙাং অমনা 'চফু' অমসুং 'পুরক্লা' অনিসি খঙ্খি।

৬। **বাক্যশেষ**— ৱাহৈপরেং লোয়নরক্পদা। থবক্ অমনা মাগা মরীলৈনবা অমবুসু খঙ্নহন্বা ঙম্মি। বামোন্না য়ুম্বুদা— 'হৈ য়েম্বা লোয়রে' হায়বা তারগা উৎসব কংল্লিব য়ুম্বুনা— 'হৌজিক্ মীয়াম্ প্রসাদি কংবা লোয়রে', খঙ্খি। চাউবনা স্কুল কাসি হৌরুবদা—তোম্বনা চাক্চারে, ফিস্থ হোংলে, খুম্নক্ই, মচু তারগা 'মাহাক্ হৌজিক্ থোরক্লগনি', অসুম্না চাউবনা খঙ্খি।

৭। **বিবৃত্তি**— করিগুম্ব ৱাহৈ অমগী মচুত্তু মাগা অর্থ মান্নব ৱাহৈ অমনা শীঞ্জিম্বা। থৌদৌ অসিদা অহান্ব ৱাহৈদা লৈরম্ব শব্দশক্তিচু অকোম্বচুদা চোংশিন্খি। 'চরৈ' গী মচুৎ 'ফি' না শীল্লবদা শব্দশক্তিচু ফিচুদা অচুম্ লৈ।

৮। **সিদ্ধপদসান্নিধ্য**— করিগুম্ব খঙ্নচুনা লৈরব (ফাওরব) পোৎ অমগা নক্নরুব (তীন্নরুব) দগী। করিগুম্ব অফাওব পোৎ অমগী মনাক্ নক্উবদগী মীয়াম্না হেক্ খঙ্নিঙাই ওইদব পোৎ অমা ফোং ঙান্খিবা অচুদা শব্দশক্তি লৈ। বসন্তদা হৈনৌ মপাল মথৌপোঙ্না উম্নগা উকৈদা মুংশিনা খোংলিব চেক্লাদো………………… ওইরম্গনি। মসিদা ঋতু চিঞ্জাক্ অমসুং খোঞ্জেল পুন্নমক্সিনা চেক্লাচু কোকিলনি খঙ্হল্লি।

শব্দশক্তি মখল ঊৎপা চৈশেম্ য়েংসি—



শব্দশক্তি অমসুং মাহাক্ খঙ্নব পাম্বৈশিংগী ম্না নৈনখরে, হৌজিক্ মাহাক্কী মখল্ অমসুং শীজিন্নরিব মশীজন্নগী ম্না নৈনসি। পোনা শব্দশক্তি মখল্ মরিনি—

১। অভিধা, ২। লক্ষণা, ৩। ব্যঞ্জনা। কনা কনাগুম্ব পণ্ডিতশিংনা ৪। তাৎপর্য্য কৌব মরিশুব শব্দশক্তি অমসু হাপ্কৎলি।

১। **অভিধা**— ব্যাকরণ অমদি কোষনা তাক্লিব অর্থ অদুত শীজিন্নবা; করিগুম্ব ম্বাহৈ অমগী, ম্বাহৈপরেংগী নত্রগা চাউনা হায়রিব ম্বাফম্বক্তীবু ওইরবসু তীংনা লৌনরিব অর্থদু অভিধা শব্দশক্তিনি।

তত্র সংকেতিতার্থস্য বোধনাদগ্রিমাভিধা।

সাহিত্যদর্পণ ২।৩

—শব্দশক্তিলক্তা ইঙ্গিংনা তাক্থিব অর্থ অদুত তীংনা লৌনরিবা (খঙ্নরিবা) শক্তিদু ইহান্-হান্ব শব্দশক্তি—অভিধা কৌই। ইঙ্গিৎ তৌবা হায়বসিদি জাতি, গুণ, পোৎশক্ অমসুং থবক্শিংদা তৌনরিবনি। 'ষণ পুরক্উ' হায়বদা—মমৈ-মচিন-

চিংব পাম্বা খুজিন্ খায়দোক্পা মখোঙ্ ৪ পাম্ব শাদ্‌বু খঙ্‌ঙি। জাতি অমা খঙ্‌নব ইঙ্গিৎনি। শুগদা ইঙ্গিৎ তৌবনা মচু-মমেন্, অক-কত্ত খায়না তোঙান্-তোঙাম্না ইঙ্গিৎ তৌববুনি। পোৎশক্ হায়বনা চাউবা, তোম্বা, লাইরিক্, কলমচিংববু খঙ্‌হল্লি। থবক্ (ক্রিয়া) হায়বনা—চাবা, থক্পা, চৎপনচিংববু খঙ্‌নৈ। *

অভিধাগী অচৌব খুদম্—

"ননাই ঐখোয় লাংউরে নিঙোল কাংশাঙ্গজগে
নজা ইবেম্মা ম্নাইমবু চন্নদা হুংৎকে
শিঙেল ইন্দু কৌবিসু খোঙ্গন ওইনা থাবিয়ু,
ইতিক্ ওইবদি নত্তে অয়োন্-অয়ান ঙাক্পিয়ু।"

শিঙেল্ইন্দু ১৪/১৮৬

মতৌ অমুম্না তীংনা অর্থ লৌনরিবদ্‌বু অভিধা শব্দশক্তি কৌই।

২। লক্ষণা— ৱাহৈনা, ৱাহৈপরেংনা নত্রগা চাউনা (শব্দোক্তা) হায়রিব করিগুম্ব ৱাক্যমক্তবু ওইরবসু মপাম্ভোংগী অতীংব অর্থগী (অভিধাগী) মতেংনা ম্নাগা নক্ত মরী লৈনব ভাব অমা ফোঃদোক্লরিবদ্ লক্ষণা শব্দশক্তি কৌই। অভিধা শক্তিনা তীংনা তাকপদা মপুংফাত্রবা, ফজবা মাঙ্‌বা তারে চিংনরবা, য়াম্ন কোয়বা তারবা ৱাহৈ খজিক্তনা ৱা য়াম্না

---

* সঙ্কেতস্য গ্রহঃ পূর্বং বৃদ্ধস্য ব্যবহারতঃ
পশ্চাদেবোপমানাদ্যৈঃ শক্তিধীপূর্বকৈস্ততো॥

— সংকেতজ্ঞান – ইঙ্গিৎ খঙ্‌বা হায়বসিদি অহাম্বদা অহল্না শীজিন্নব-মশীজন্নহু (অহল্না মথা থাবশিংদা তাক্লিব থবক্তু) উরগা, মখোয়না তৌনরম্বশিংতুগী মতুং ইল্লগা, মখোয়না চংথিব লম্বীহু কায়দনা চৎলগা, তুংগী মী-য়োল্না খঙ্‌নহৌরিবনি। কায়নথংদা লৌশিং তানহক্লবদা উপমান্‌নচিংব হায়বদি চাংদম্ন-নিঙাইনচিংব উরগা থক্তা হৌখিল্লব অহল্‌শিংনা শব্দশক্তি লৌনরম্মি।

কোঙ্‌দোক্‌হন্নীংলবা ফিভম্‌শিংসিদা লক্ষণা শক্তি শীজিন্নৈ। পাউরৌ-পাম্বৈশিং অসিগী অচৌব পাম্বৈনি। খুদম্—খোংবান্‌ পিশক্না মীরোবা। নুং তাওরে. মোইথাপ্‌ লুপ্লে।/ অথেম্ব ঈশিংদা লৈব তান্না তোয়না চোংই। চিন্বান্দা লাংবন্‌ খোইহি তৈরগা পুক্‌নুংদা হু ফুম্বা। লোক্তাক্না মোইরাংগী পুন্সিনি। বাতোম্না বাংলগা কাক্না ফম্‌দেক্‌ই।

লক্ষণাগী অশাংব খুদম্—

লোইবী কাক্‌পু উবদা—"লোইবী কাক্তি অমুবী
কনাই মপাউ পুবগে, নথৌ ইপোং পোংলিবী
দেশ দেশ কোইরুবা য়ুবী মহি থক্‌উবা
কোনা মহৈ চারুবা চেক্না কোইপাই পাইরুবা
চেক্না মপাউ তম্বিয়ু, মুরা মপাউ তাজগে
পাম্মু মপাউ পুবরা? ইতা অব্বা পোংথাগে?'

শিঙেন্‌ইন্দু ১৭/১৯৮

ইন্দুনা মবুং গোপাল-মপাউবু কাক্না হংজবদা দেশ দেশ কোয়রুহুনা য়ুবীমহী থক্লুবা, কোনা মহৈ চারুবা হায়হুনা কছারগী উহৈশিং পল্লুবনা মফমহুদা লৈখিবা মবুংবু অহোয়ননা মৈচাক্‌ কন্না নীংশিংহল্লি। পোং অনি অসিনা লক্ষণা ওইরগা ইন্দুগী অব্বাবা হেন্‌গংহল্লি। কছারদা লৈরিব গোপালগী বাকম্‌শিং শন্দোক্না থলহল্লি।

মতিক্‌ মতিক্‌ চাবদা তরেৎ শেঙ্গা কংলক্‌ই।
বাহৈ লৈরাং য়েল্লক্‌ই পেন্নখরে ময়াম্‌দো।

খম্বথোইবী শৈরেং লাঃ ৯৩৪

শামুখোঙ্‌না শোক্‌পদগী খম্ব নাব ফররুবদা খোইবীনা মুংশিমবাহৈতনা লৈরাং-শক্না য়েল্লিবসি লক্ষণা শক্তিন মোঙ্গমতৌ উৎখি ফোঙ্‌দোরুবনি, চানব লৈরাং নত্তে।

ইন্দুনা—"কুমগী কুমজা খুদিংদি
নুরা ইদোম্ চৎচদে কাইদে মোন্ন্ সংগদি!
কাংলেন শান্ন খুদিংদা খোংকম্-খোংকম্ খুদিংদা,
চৎচবনি মচন্দি পাখং পান্বোম্ খা-হুদা!"

মসিদা ইন্দুনা নুরা ইদোম্ চৎচদে, সঙ্গদি থক্ কায়দে, কাংশান্নবা অমদি অতৈ খোঙ্কম্শিংদা চৎচবনি মচন্দি পাখং পান্বোম্ খা-হুদা, অম্নুম্না হায়রিবশিংসি গোপালনা মচন্ ইন্দুবু মতম্'পুম্ব ঙাক্শেল্লি, অদুনা অতৈ পাখংশিংনা খা-না য়েংবনচিংবা ঙমদে, অম্নুম্ব ভাব ফোঙদোক্লরিবসি শৈরেং মতেক্ অসিদা লৈরিব লক্ষণা শক্তিননি।

লক্ষণা শক্তিবু কবিরাজ বিশ্বনাথনা সাহিত্যদর্পণদা অশীতি প্রকারা লক্ষণা, হায়দনা মাগী মখল ৮০ নি শীংখারি। লাইরিক্ অসিগী কুসুম প্রতিমা কৌবা সংস্কৃত টীকাদা হরিদাসসিদ্ধান্ত বাগীশনা কুপ্না য়েংলব মিৎয়েংদা, ৱাহৈপরেংশিংগী শেন্বা খুৎশেম্ থর থরা খেন্নব মতুং ইন্না লক্ষণা মখল্ ১৬ নি শীংখারি। শক্তি অসিগী মনুংচন্বা ৱাহৈপরেংশিংগী শীজিন্নকম্ কান্নবদু য়াম্না খেন্নদবনা অদুগা ৱাহৈপরেংগী অপোবা বিচারগ ওইবনা মাহাক্কী শীজিন্নফম্সু পৌনা লৈ। খুদম্—মোইরাঙ্গীদি লোক্তাক্লা পুন্সিনি। লোক্তাক্তা তারগা মঙোন্দগী ফংনিঙাই পুন্সি হিংনবা লম্বীশিংহু, মাগী খোঙবান্দা লৈবা লম্ ওইবনা—মোইরাংনা খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নৈ, অম্নুম্ব অর্থসিদি ফোঙদোক্পা তৌইগুম্বসুং ৱাহৈপরেং অসিগী ৱাহৈ মরেংশন্দি থজিক্ হোঙদোক্লব শক্কম্ কয়ামরুম্সু শীজিন্নবা য়াই। খুদম্—লোক্তাক্ লৈবনা মোইরাং হিংনরিবনি, মোইরাংদি লোক্তাক্তা তান্নুনা হিংই। লোক্তাক্লা মোইরাংবু থাক্লি। মোইরাংনা হিংনবগীদমক্ লোক্তাক্তা চংই। লোক্তাকুগী মোইরাং হিংনরি। মোইরাংদি লোক্তাক্লা য়োক্পি-থাক্পিবনি।

—মতৌ অসুম্না মনুংগী ভাবতি হোঙ্দনা মাদু ফোঙ্-দোক্লব ৱাহৈপরেং শেম্লিব খুৎশেম, অদুতা হোঙ্ন-হোঙ্না হায়নরিবা মতা অসি লক্ষণা শক্তিগী মনুংগী থৌরাং অমনি।

৩। ব্যঞ্জনা—সাহিত্যদা, অভিধা অমসুং লক্ষণা শব্দশক্তি অনিনা ফোঙ্দোক্পা ঙমদ্রব থূপ্না লৈরিব ভাব অদু ব্যঞ্জনা শক্তিনা ফোঙ্দোক্নে। মীওইবংগী লুথনা-থূপ্না লৈরিব পুক্নিং-ৱাখলশিংবু অভিধা অমসুং লক্ষণা শব্দশক্তি অনিসিনা মপুং-ফানা ফোঙ্দোক্লবা য়াদে। অনিসিনা চংলুবা ঙমদ্রব-লাম্বা কংদ্রব ভাবপু ব্যঞ্জনা শক্তিনা ফোঙ্দোক্নে। মাহাক্না ফোঙ্-দোক্লিবদু ব্যঙ্গ্যার্থ কৌই। হায়দোক্পদা চম্লবসু মফম মতমগী মতুংইন্না অমসুং ৱাহৈ নত্রগা ৱাহৈপরেঙ্গী মখল্-মখা য়াম্লব অর্থশিঙ্গী মতুংইন্না তোঙান্-তোঙাম্ব ভাবশিং ফোঙ্দোক্নে। খুদম—'নুমিৎ তারে', চম্লব ৱাহৈ অসিগী অর্থ হৌজিক নুমিৎ ময়ুম চংখরে, নুংথিলগী মতম লোয়রে, অসিনি, মসি অভিধা শক্তিগী পাঙ্গলনা হায়রিবনি, অভিধেয়ার্থনি।) হায়রিব চম্লব ৱাহৈপরেংসিগী অর্থ অহুমথোক্না হৎবা য়াই - (ক) লাইরিক ঔরাইরিব মীদা লাইরিক্ খুমজিল্লো, পাবা লেপ্লো (খ) য়ুম কোয়রিবী নুপীদা - তুলসীদা ধূপ-থাওমৈ কৎলো, ইমুং লোয়-শিল্লো অদুগা (গ) নুংদাংৱাই কোয়থোক্লবদনা নুংদাংৱাই কোয়থোক্নুরে।) মথোয় অসি ব্যঞ্জনা শক্তিনা ফোঙ্দোক্লিব ব্যঙ্গ্যার্থশিংনি। ৱাহৈ অসিনা শুপ্নগী নুমিৎ তাখিব মতুংগী মতম্ অদুতা খঙ্নবদি মদু লক্ষণা শক্তিনা ফোঙ্দোক্লরিব লক্ষ্যার্থনি।)

কনাগুম্বা লৈশাবী অমনা—'ইতা নুংথিলগী থবক্ পূম্নমক্ লোয়শিল্লগা নুংদাংৱাই হিদেন্দা ঈশিং শোক্পা থোরকপদি মী অমত্তবু ওক্লদে, উচেক ফাও পাইদে।' ৱাহৈপরেংসিগী অর্থ অভিধা শক্তিনা তীংনা লৌগনি, লক্ষণা শক্তিনা য়াম্না চিক্লব মফম্ মতমগী ৱা খঙ্হল্লি অদুগা ব্যঞ্জনা শক্তিনা খঙ্হল্লিবনা—'ঐগা

মাগল্তা মী-চিন্নব হিদেন্সুদা নুংদাংবাই উন্নসি, লাক্-পিয়্ হায়রিবনি', অসুম্না লৈশাবীত্থগা চান্নখোয়রব পাখংত্থনা হেক্ তাবমক্তদা খন্খিব্রা অত্থনি। মসি ব্রাহৈপরেং অদুগী ব্যঙ্গ্যার্থনি।

ব্যঞ্জনাগী অতোপ্প খুদম্—

"নিংথৌনা— 'করিনোদা।'
হায়বদা সলাংমানা—'ইবুংঙো ননাইসে'
মীনম্নিনে ঐঙোন্দাদুগী ব্রারক্ইবনি।"
নিংথৌরাসি তাবদা গংগা ইচেন্ ওইরবা
সলাং-থোংালন্ অনিগী লাইজদুনা চোংবদা
মপুসনা মায়থোংদো চোংখ্রে লোইনা পুম্চোৎপু।
—খম্ব-থোইবী শৈরেং লাঃ ১৩৮৬

মসিদা অভিধা-লক্ষণা অনিনা হন্দোক্খ্বদা ব্যঞ্জনা শক্তিনা কবিগী থুপ্নবগুণ অসুম্না ফোঙদোক্লরি—

কবুই সলাংমাইবনা থোংলেন্বু চৈক্ু পীনা ব্রারক্লে, মনম্ চৈত্তারে। মনাই অচাম্ব শোক্লবদা মোইরাং নিংথৌনা 'করিনোদা' হংবিরে। 'ননাইসে ঐঙোন্দা মীনম্মি, অদুগীদমক্ ব্রারক্লিবনি', খুম্থি। মোইরাং লৈবাক্ চোম্না তীল্লবা, কেগে কনা চিথদরবা, নিংথৌ অমদি মোইরাং ফম্দৌশুনা তীল্লবদা—মরিংজেল্থাবগী-দমক্ নিংথৌকাওবনা কিরিবা থোংলেন্বু সলাংনা ফুদ্না ব্রারক্পা অচম্ব থৌদোক্ খক্ ওখদে, অদুম্নদি ওইরগা গঙ্গা ঈচেলগুম্ শেংলব থোংলেন্-সলাং মরূপ্ অনি নুংশিনবগী লাইজ-ঈরীক্ কংবদা, হান্না করিস্ নাচুংদনা লৈরম্ব মোইরাংনিংথৌগী মপুক্লিং ব্রাখল'পুম্ব পুম্থোৎ-থোৎখি, মপুক্লিং শিখি।"

ব্রাসি ব্যঞ্জনা শক্তি মমুত্তানা খণ্ডবতনা খণ্ডগনি।

ব্যঞ্জনা শক্তি মথল্ পৌনা অনিনি—(ক) শাব্দীব্যঞ্জনা, (খ) আর্থীব্যঞ্জনা। হৌজিক অভিধামূলা শাব্দীব্যঞ্জনা নৈনসি।

অভিধাশক্তিনা মপূং ওইরিব শাব্দীব্যঞ্জনা মথক্তা হায়াখবগুম্না শব্দশক্তি লেপ্পদা অহাঘদা অভিধাশক্তি অমসুং মাগী অভিধেয়ার্থ অনিসি মুম্না খঙ্গদবনি, মাগী কান্নবদু—অর্থদু লেপ্পব তুংদা ৱাহৈদুগা লোয্‌নরিব অতোপ্প ৱাহৈদুগী মপাঙ্গল্ মতুংইন্না শব্দনা নত্রগা শব্দশিংনা শোগত্তুনা মথল্-মথল্গী অর্থশিং কোঙদোক্লরিবদু (লেপ্পরিবদু) নত্রগা অর্থ মাঙহল্লিবদু অভিধামূলা শাব্দীব্যঞ্জনাগী মথৌনি। অসুম্না হায়রি—

অনেকার্থস্য শব্দস্য সংযোগাদ্যৈর্নিয়ন্ত্রিতে।
একত্রার্থেऽন্যধীহেতুর্ব্যঞ্জনা সাভিধাশ্রয়া॥

—সাহিত্য দর্পণ: ২। ২১

—অর্থ ময়াম্ কোঙদোক্লরিব করিগুম্ব ৱাহৈ অমবু মাগা প্রয়োগ তৌমিন্নরিব ৱাহৈশিংনা ফাখিবনা মরম্ ওইদুনা হায়বদি অভিধাশক্তিনা লাক্‌শিন্দুনা (নিয়ম্ থাদুনা) থম্‌খিবনা হায়রিব ৱাহৈদু মক্তদগী থোক্লিঙাই ওইরিব অতৈ-অতৈ অর্থশিংদুদগী খঙ্‌নিঙাই অর্থ—চৎনবী (বৃত্তি) অদু অভিধামূলা শাব্দীব্যঞ্জনা কৌই। ৱাক্কম্ অসিবু শ্রীহরিদাস সিদ্ধান্ত বাগীশনা মাগী কুসুমপ্রতিমা টীকাদা (সাহিত্যদর্পণ) তেল্লপ্পা অসুম্না হায়রি—**"সংযোগাদিনিয়মিতভিন্নশব্দার্থপ্রতিপাদকত্বমভিধামূলব্যঞ্জনাত্বমিতি নিষ্কর্ষ:"**— তীন্নরুবনচিংবগী নিয়ম্‌শিংদগী মথল্-মথা অয়াম্ব শক্যার্থশিং কোঙদোক্লরিবদুবু অভিধাশক্তিনা মপূং ওইরিব ব্যঞ্জনাশক্তিগী মতৌনি, মসি লেপ্পবনি। খুদম্—

১। তীন্নরুবদগী—'য়েত্তা শাঙ্কে ওইদা লাঙ্গল পায়রিবনুপা'-অসিনা 'লৌমীবু' খঙ্‌নৈ, অতৈ খঙ্‌নদে। 'মোইবুং অমসুং সুদর্শনচক্র শাগোম্নরিব হরি' অসিনা হরিদি বিষ্ণুনি তাক্‌ই; হরি ৱাহৈনা নোংশা, য়োংনচিংববু খঙ্‌নরোই মফম্‌সিদা।

২। কায়নখিবদগী—'য়েত্তা শাঙ্কে ওইদা লাঙ্গল পায়ত্রবনুপা' অসি হায়রগসু লৌমীবু খঙ্‌নৈ, অতৈ খঙ্‌নদে।

'মোইবুং অমসুং সুদর্শনচক্র শাগোম্‌জ্রব হরি' অসিনা হরিদি বিষ্ণুনি ত্তাকৃই; হরি ঘাহৈনা নোংশা, য়োংনচিংববু খঙ্‌নরোই।

অসিনচিংবসি শাব্দীব্যঞ্জনাগী শন্নপ্ত খুদম্‌শিংনি। অনিসি-দগী হেন্দোকপ অতৈ খুদম্ তরানিথোইসু লৈরি। মথোয়হুদি খজিক্-খজিক্তা কুপ্ন থেন্নবনি; সংস্কৃত লোলগী খুদম্না মথোয়গী খুদম্ লায়না মপুং ফাই, অতৈদদি য়ানা থোক্কনি। অভিধা-মূলাশাব্দীব্যঞ্জনাগী য়াফম্ থরসি নৈনয়গা হৌজিক্ লক্ষণামূলা শাব্দীব্যঞ্জনা য়াফম্ নৈনসি।

লক্ষণোপাস্যতে যস্য কৃতে তত্তু প্রয়োজনম্।
যয়া প্রত্যায্যতে সা স্যাদ্ব্যঞ্জনা লক্ষণাশ্রয়া॥

সাহিত্যদর্পণ ২ | ২২

—করিগুম্ব কান্নবা য়া অমা কোঙ্‌দোক্কবগীদমক্ [নত্রগা প্রয়োজন অমা থূপ্না লৈরি হায়বা উৎনন্নবগীদমক্] লক্ষণা শক্তিনা কোঙ্‌দোক্লিব থূপ্লব প্রয়োজন অদুগী মথক্তা ব্যঞ্জনা শক্তিনসু থোয়দোক্ন থূপ্লব য়াফম্ অমা অমুক্ ঙাম্মোকৃহন্নবগী-দমক্ পাম্বৈ ওইনরিব শব্দশক্তিদু (ব্যঞ্জনাদু) লক্ষণামূলা শাব্দী-ব্যঞ্জনা কৌই। খুদম্—

গঙ্গায়াং ঘোষঃ প্রতিবসতি— গঙ্গাদা খাল তারি। মসিদা অভিধাশক্তিনা গঙ্গা—ঈশিং ঈচেলবু অদুগা মাগী তোর্ব্বান্থুনা লক্ষণাশক্তিনা খঙ্‌নহল্লি; অমিসিগী থবক্ লোয়রবদা [থূপ্লব ভাব ফোঙ্‌দোক্‌পদা] 'গঙ্গা তোর্ব্বান্দা লৈরদি ঈরীক্‌পুব মুংশিৎ ফংবনা ইংই, অদুগা শেংলব তীর্থতোর্ব্বান্দা তাবনা পুক্নিং-য়াথল্ ফাওবা পুম্‌শেং-শেংই, অসুম্ব থূপ্লব ভাবশিংসু ফোঙ্‌দোক্‌হল্লি, লক্ষণামূলা শাব্দীব্যঞ্জনা শক্তিনা।

শাব্দীব্যঞ্জনা নৈনরবতুংদা হৌজিক্ আর্থীব্যঞ্জনা নৈনসি—

বক্তৃবোদ্ধব্যবাক্যানামন্যসন্নিধিবাচ্যয়োঃ।
প্রস্তাবদেশকালানাং কাকোশ্চেষ্টাদিকস্য চ।

বৈশিষ্ট্যাদন্যমর্থং যা বোধয়েৎ সার্থসম্ভবা।

সাহিত্যদর্পণ ২।১৬

—বা ঙাংলিবা, তারিবা অহুগা মী ওইবনা শীজিন্নরিব বাহৈপরেংশিংগা মরী লৈনরুরিবা অতৈ-অতৈ বাকন্‌শিংহুনা ফোঙ্‌দোক্লরিব লক্ষ্যার্থব্যঙ্গ্যার্থশিং, প্রস্তাব – মতাং (প্রসঙ্গ), দেশ – মফম্‌, কাল – মতম্‌, অলঙ্কারগী ওইবা থোঙ্হোক্‌ কায়রব থোন্‌কম্‌ অহুগা মখল্‌-মথা য়ান্নব শাথেক্লচিংব [আদিশবনা করিগুম্ব হক্‌চাং শাথেক্‌ অমত্তা উত্তককুন্‌ খঙ্‌নগনি], থোন্নদোক্‌প অথন্নব পোৎশক্‌ অমগা লৈমিন্নরবগী চানব মশাগী অর্থ থাদোক্তুনা অমা খঙ্‌নখিবা য়ামসি ফোঙ্‌দোক্লনবগী-দমক্‌ শীজিন্নরিবা—শন্না হায়রবদা করিগুম্ব বাক্য অমগী মপা-ম্হোংগী লায়না ফংনরিবা অর্থ (ভাব) অহু নত্তবা অতোপ্প অর্থ (ভাব) অমা ফোঙ্‌দোক্লরিবা ব্যঞ্জনাদু আর্থীব্যঞ্জনা কৌই। মসিমক্তি—বাক্যগী মমুংদ-মনুংদা থূপ্পা-য়াংনা লৈরিবা অর্থ (ভাব নত্রগা তাৎপর্য্য) অহুমক্‌পু হায়বনি।

আর্থীব্যঞ্জনা মখল্‌—

ত্রৈবিধ্যাদিয়মর্থানাং প্রত্যেকং ত্রিবিধা মতা।

সাহিত্যদর্পণ ২ | ২৪

—আর্থীব্যঞ্জনাসিগী, বাচ্যার্থ-লক্ষ্যার্থ-ব্যঙ্গ্যার্থ অমুম্না অর্থ (তাৎপর্য্য) মখল্‌ অহুম্‌ শুবনা মাগী মখল্‌সি পোনা অহুম্নি অদুগা হায়ন্নিব অহুম্‌সিগী অমমম্‌গী মখল্‌ অহুম্‌ অহুম্‌ অমুক্‌ থোক্লি। থোদো অসিনা ব্যঞ্জনা শক্তিসি মশীং থাঙমদনা য়াম্‌থব্রবনি, হায়নরি।

—কুসুমপ্রতিমা, সাহিত্যদর্পণ টীকা পৃঃ ৬১।

আর্থীব্যঞ্জনাগী খুদম্‌— (বাহায়রিব-বাতারিবা-মতাং-মফম্‌-মতম্‌- চানরবা)।

বাসো যস্যঃ কুসুম এব চ পুষ্পবনে পীতা ... প্রিয়বেদ্যোঃ সমোধঃ।
উত্তোলনীয়মপি ... ই পতিঃ ... কিং করণীয়মদ্য ॥

সাহিত্যদর্পণ, পৃ০ ৭৮

—বসন্ত মতম্ সি, কামদেবনা শাওরদুনা ঐরু মাহক্কে, রতি ক্রীড়া শাগরবগী অবাম্ পুম কোকহুম্বিনিংঙাই ন্ংশিংশিংম্ম তজন্না পীংশি। শাগবদা ন্ংঙাইরব পিক্রব মৈকোন্ম্মিদা হৌরিব অশোক্ পাম্বীশিংম্মিগী নীংঝি-নীংঝিজরব উশাশিংনা পাকা শন্দোক্-খি্রবসিনা থোয়দোক্না পুক্লিং হুন্নি। অমুক্ পুক্লিং লৌরব তাম্লা-সিদা ঐগী ইপুরোইবস্ু লমদম্ তাম্না লৈগে; মরম্ অদুনা ওসিসি করি তৌসিগে, মহাক্ হায়রু। অমুম্না কনাগুম্বী নায়িকা অমনা—মাগা লোম্না ন্ংশিনজরিব ন্পাদ্ হায়রিব মফম্-মতম্-সিদা য়োহম্বিরক্উ, হায়জম্বিবনি। মসিদা রতি ক্রীড়া শাম্ন-নীংলবী নায়িকানা মফম্-মতম্ চানা বাহৈবম্, পাত্র চানা পাম্ন শাম্নজনীংলদুনা হোদোক্চরক্লিব বাক্যম্দি হিয়ম্ অসিগী চানরব খুদম্মি। মসি অভিধামূলা আর্থীব্যঞ্জনাগী খুদম্মি।

মাদু তাবনা শণ্ড্খিদদৌম্বিব মীদ্গী থোয়দোক্প মতৌগী (কাকু-চেষ্টানচিংবগী) খুদম্—

নিঃশেষচ্যুতচন্দনং স্তনতটং নির্মৃষ্টরাগোঽধরঃ।
নেত্রে দূরমনঞ্জনে পুলকিতা তন্বী তবেয়ং তনুঃ
মিথ্যাবাদিনি দূতি! বান্ধবজনস্যাজ্ঞাতপীড়াগমে
বাপীং স্নাতুমিতো গতাসি ন পুনস্তস্যাধমস্যান্তিকম্।

সাহিত্যদর্পণ পৃ০ ৭৬

—নায়িকা অমনা মাগী উপনায়ক্-লোম্ন ন্ংশিনজব অমবু লৌবিরু, অমুম্না মাগা চান্নজরবী দূতী অমদা হায়খিবনি—"ঐহাক্না ঐগী ন্ংশিথোয়রবহুবু অমুক্নী মতীক্ থৌরাংনা ওাইজ-রবকাওবদা লাক্লিবসিনদি দূতী নহাক্ ওইদব শুংলবনি, ঐহাক্না য়ারিবসি নঙনা করিমত্তা থওদে, অদুনা নঙ্ পুখ্রী অচৌবদা

নিঙাইদনা ইরুজরুরিবনি, চান্নখোয়বদ্গী মনাক্তা চৎনুব্রবনি মসিগী খুদম্দি— মহাক্কী থবাক্-ঙানক্মদ্দা চন্দন মরীক্ অমত্তা পক্তে, নচিম্বান্দু ভাংঙাননা লৈতেংত্রে, নমিৎ অনিমক্কগী কাজল চৎখরে অদ্গা কংলব নশাসিমক্ হৌজিক্তা ইরুজরুবগী তুজংবা হঙ্খিত্রি। মসি লক্ষণামূলা আর্থীব্যঞ্জনাগী খুদম্নি।

হৌজিক্ আর্থীব্যঞ্জনাগী মপুংফারব খুদম্ অমা হায়বদি অখন্নরব পোৎ অমগা লৈমিন্নরুবদগী মশাগী চানব অর্থ থাদোক্তুনা অতোপ্প অমা থঙ্নখিবগী খুদম্—

ক্বচিৎ নিশ্চল! নিষ্পন্দা বিসিনীপত্রে রাজতে বলাকা।
নির্মলমরকতভাজনপরিস্থিতা শঙ্খশুক্তিরিব॥

সাহিত্যদর্পণ পৃ০ ৭৬

(নায়িকা অমগা মাগী উপপতিগা উন্নবগী ৱাফম্নি, হাম্ন লেপ্নখিব মফম্দুদা কনাগুম্ব মীতোপ্ লাক্তুনা মখোয়না শান্নজ-গদৌরিবদ্ কায়রগদরা—মনাক্ য়ৌরক্লব উপপতিদ্দা রতি ক্রীড়া শান্ননীংবনা মথুম্মরাংহৌরবী নায়িকানা হায়জখি) হে নিশ্চল, নীংঙাইদনা লৈখোক্লিব মুপা, ঐখোয়না শান্নব হৌরম্দায়সিমক্তদা মীতোপ্ লাক্কনি চিংনদ্না করিমগুম্না নথৌনা ফুদোক্পা ঙম্দ্রবরা, ভরুতরুরব মরকত মণিপাত্রদা হাপ্লব মোইবুংগুম্ ঙৌরব উরোক্লা থম্বাল-থন্নাদা লেঙদনা তাদ্না লৈরিবা মতৌসি য়েংউদো।

মসি ব্যঙ্গ্যার্থমূলক আর্থীব্যঞ্জনাগী খুদম্নি।

অভিধা, লক্ষণা, ব্যঞ্জনা কৌব শব্দশক্তিশিংগী ৱাফম্ নৈনরবতুংদা হৌজিক্ অরোয়বা ওইনা মরিশুবা তাৎপর্য্য বৃত্তি কৌবা শব্দশক্তিগী ৱাফম্ নৈনসি—

তাৎপর্য্যাখ্যাং বৃত্তিমাহুঃ পদার্থান্বয়বোধনে।
তাৎপর্য্যার্থং তদর্থঞ্চ বাক্যং তদ্বোধকং পরে।

সাহিত্যদর্পণ ২। ২৩

অভিধাশক্তিনা নত্রগা লক্ষণাশক্তিনা ফোঙদোক্লরিব (থীন্দুনা তাক্লিবা) অর্থশিংদুগী (মনুংচম্বা ভাব-তাৎপর্য্যশিংদুগী) অমগা

অমগা লৈনরিব মরীশিংছু (শব্দ অমগা শব্দ অমগা, নত্রগা বাক্য অমগা বাক্য অমগা শম্জিন্নবগী মরুওইব মরম্শিংছু) তাৎপর্য্যশক্তিনা লীথংপি মাতনা তাকুই। তাৎপর্য্যবৃত্তিনা পুথোক্লিবা অর্থদু তাৎপর্য্যার্থ কৌই। 'চক্ষুবু' বাহৈসিদা চক্ষুনা—মবুক্পোঙ্বা, মঙকুনাইবা মচিন্লাওরপ্ তৌবা মঙ্গংহোবা পাত্র অমা খঙ্হল্লি অদুগা 'বু' বিভক্তিনা কর্ম্মকারকপু নীংশিংহল্লি, মসি অভিধাশক্তিগী থবক্নি, মসিদা মাগী থবক্ লোয়রে। অসিগী তুংদা 'চক্ষুবু' বাহৈসিদা লৈরিবা কর্ম্মগী মতৌদু (কর্ম্মনি লেপ্পরিবদু) কনানা কম্দৌনা খঙ্হল্লিবনো? শব্দ অমস্তুং মঙোন্দা তল্লিব কারককী অর্থ থোক্নবা (নত্রগা তল্লিব কারক বিভক্তিদুগী অর্থ থোক্নবা) থবক্ তাৎপর্য্যবৃত্তিনা তৌই—শব্দগা বিভক্তিগা লৈনরিব মরীদু মাহাক্না তাকুই। মতৌ অস্তুম্না অতৈদসু খঙ্নগনি। 'রামনা হৈবু চায়' মসিদা রাম+না হৈ+বু, চা+য় বাহৈশিংগা কারক বিভক্তিশিংগা, ক্রিয়াপদগা মাগী ক্রিয়াবিভক্তিগা অমগা অমগা লৈনকম্ থোক্লিবা মরী (সম্বন্ধ) অদুবু তাৎপর্য্যবৃত্তি কৌবা শব্দশক্তিসিনা তাকুই।

তাৎপর্য্যবৃত্তিসিমক্তি শব্দগী অমস্তুং বাক্যগী মনুংহল্লিন্না লৈরিব অর্থ (ভাব) অদু মযুত্তানা নিংঙ্নিনা খঙ্ননব পাঙ্বেনি, অদুম্নদি ওইরগা বাক্যগী মথক্তা বিচারতৌবনা মাহাকী মপুং ওইব মথৌনি, বাক্য মশক্ তাকপনি। শব্দশক্তি খঙ্ননবগী অচৌবা পাঙ্ব ওইরিবা—বাক্য (বাহৈপরেং) গী মরীদসু নৈনখিবা তঙাইফদে—

বাক্যং স্যাত্ যোগ্যতাকাঙ্ক্ষা ভক্তিযুক্তঃ পদোচ্চয়ঃ।

সাহিত্যদর্পণ ২ | ১

[ক] যোগ্যতা— বাহৈ অমগা বাহৈ অমগা (অর্থ থোক্প মতীক্ চানা) মরী লৈনবা; [খ] আকাঙ্ক্ষা— বাহৈ অমগা বাহৈ অমগা মথোয় মশেল্ য়াম্ন পাম্না প্রয়োগ তৌমিন্নরিব;

[গ] সন্নিধিযুক্ত — অর্থ খঙ্ বদা করিমত্তা অপম্বা-মরক্ খল্লা লৈতনা নক্না প্রয়োগ তৌরিবা ৱাহৈশিংগী পরেং অদু বু বাক্য (অর্থ-থোক্পা ৱাহৈপরেং) কৌই। হায়রিব নিয়মশিংসি কায়রবা চল্লা ৱাহৈশিংগী পরেং শাবতবু দি বাক্য কৌবা য়াদে। খুদম্ — [ক] উলমুক্ ইংলবা মৈ পুরক্উ, মিঙাংবনা থা উই, থীক্নেম্বনা অৱাংবা লাম্বা ফংই, ৱাশিংসি সভাদা মৈরী হৈথবগুম্ থোক্খি। মথোয়সি বাক্য কৌবা য়াদে, 'যোগ্যতা' লৈতে। [খ] চাউবা পূং তুরেল খোংলি ইশৈ তোংলি—মরী লৈনদব ৱাহৈ ময়াম্ পুন্না থম্বসিনসু বাক্য কৌবা য়াদে, 'আকাঙ্ক্ষা' লৈতে। [গ] ঙসি দেবদত্ত হায়রগা হয়েং চৎলি হায়রবসু বাক্য কৌদে, 'সন্নি-যুক্ত' ওইদে।


প্রাচীন নৈয়ায়িকশিংনা অমসুং অতৈ কাব্যকোবিদশিংনা শীংথারিব মরিগুবা শব্দশক্তি—তাৎপর্য্যবৃত্তি কৌবসিমক্তি ঐথোয়না মথক্তা নৈনরিবা ব্যাকরণ অমসুং অভিধান অনিসিদগীসু শব্দ-শক্তি লেপকনি হায়রিবসিগা য়ান্না নক্শিন্নে। নাতৈ-প্রমাণ চান্রবা প্রয়োগ মপোংচান্রহনা অর্থথোক্রব ৱাহৈ অমসুং ৱাহৈ পরেংশিংহুদি (শব্দ-বাক্যশিংহুদি) ব্যাকরণ অমসুং অভিধাননা য়াদে—অনিসিনা য়াদ্রবদি লাল্লি, লাল্লবহুদি সাহিত্যদা শীজিন্নবা য়াদে — নাপদং হ্যাংত্রে প্রযুঞ্জীত।

— don't write — —

সাহিত্যদা শব্দবিচার—

শব্দশক্তি মথল অমসুং মথোয়বু খঙনবব পাম্বৈশিং নৈন-রবতুংদা হৌজিক শব্দশিং-অর্থশিংদ, সাহিত্যদা শীজিন্নরিবা মশী-জন্নগী বাকম নৈনসি।

বৈয়াকরণিকশিংনা অপোবদা শব্দ মথল অনি, অকুপ্পদা তক্লি শীংথারি—



অদুগা অতৈ অরিব পণ্ডিতশিংনা শব্দগী শকফম অসুম্না লেপ্পি—

শব্দো ধ্বনিশ্চ বর্ণশ্চ মৃদঙ্গাদি ভবোধ্বনিঃ
কাষ্ঠসংযোগাদি জন্যা বর্ণাস্তে কাদয়ো মতাঃ
সর্বঃ শব্দো নভোবৃত্তিঃ শ্রোত্রোৎপন্নস্তু গৃহ্যতে।

সারমঞ্জরী, সারদীপিকা টীকা পৃষ্ঠ ৪৮ / ১০৪

—পৌনা শব্দ মথল অনিনি—[ক] বর্ণাত্মক, [খ] ধ্বন্যাত্মক উ অমগা উ অমগা থেংনবদা থোক্লিবা মখোলদগী 'ক' নচিংব ময়েক্শিং ওইরিবনি অহুগা পুংনচিংব যন্ত্রশিংদগী থোক্লিবা মখোল (ইবাঙ্গ-ইনীন) শিংবুনা 'ধ্বনি' কৌই। শব্দ হায়বসিমক্তি

আকাশকী শুণনি, হায়বদি অহাংব অতিয়াগী মতেংতনা খোঙ্গি-ধ্বনি ; নাকোং কোৎ ইন্দ্রিয়না তানরি-খঙ্নরিবসিদি—জ্ঞানেন্দ্রিয়-সিমকী মশাগী 'জ্ঞানশক্তি' অহূতনা চাংশিঞ্জবনি—আকাশকী মতেংনা।

বর্ণাত্মক শব্দবু মীওইবনা য়াম্ন পাক্-চাউনা শীজিন্নৈ, মাহাক্সিতনা মীওইবগী কান্নবিঙাই থবক্, কয়ামরাম্, কূপ্ন-কুপ্নব পুক্নিং-বাখলশিং, মনস্তত্ত্বশিং (মনোবৈজ্ঞানিক ওইরব বাকম্শিং) য়াম্ন শেংনা মপুংফানা ফোঙ্দোক্নবা ঙম্মি। মীওইবগী পুক্নিং-বাখল'পুম্ব মাহাক্তনা মরম্ ওইরহনা ফোঙ্দোক্নবনা মরম্ ওই-রহনা বর্ণাত্মক শব্দসিগী মখলসু য়াম্মি।

ধ্বন্যাত্মক শব্দগী লম্দি পীকৃই। মাহাক্তি সঙ্গীত কলাগী লম্দদা শীজিন্নবনি—মাহাক্না মীওইবগী পুক্নিং ঙাইহাক্ মুংঙাই-হল্লি। ধ্বন্যাত্মক শব্দশিংদা ব্যাকরণগী কাংলোন চংশিন্দুনা পরিং-পথাপ্ শেম্নু নিঙাই ইওই ওইদে, মরম্ অহূনা মসি সাধু-ভাষা—নিংথিরব লোল হায়বহু ওইদে, সাহিত্যদা চংলুবা য়াদে। মাগী কান্নরিব মওংশিংহুগী মতুংইন্না ধ্বন্যাত্মক শব্দগী মখল্ অনি শুই—[ক] ব্যক্তধ্বনি, [খ] অব্যক্তধ্বনি।

[ক] শা-উচেক্শিংনা খোংলিব খোঞ্জেল, হারমণিয়মচিংব যন্ত্রশিংনা শক্লিবা শৈশক্ মখোয়সি ব্যক্তধ্বনিগী খুদম্শিংনি।

[ব] বাপাল-উপাল্শিংদা মুংশিংনা য়ৈবদগী অমস্যুং গাড়ী-নচিংবদগী খোক্লিবা মখোল্শিংসিনা অব্যক্তধ্বনিগী খুদম্শিংনি।

বর্ণাত্মক শব্দগী বাচক, লাক্ষণিক অসুন্না মখল্ অনিনি। বাচক হায়বদি—প্রকৃতি-প্রত্যয় অনিমক্কী অর্থ তীংনা ফোঙ্দোক্-রিবা মতৌবু হায়বনি। অভিধা শব্দশক্তিগী অর্থ হায়রিবহুবু বাচক কৌই। অর্থ লৌনরিব খুৎলোগী খেন্নবা মতুং-ইন্না—য়াম্না কূপ্না মাগী মখল্ মরি শুই। [১] যৌগিক, [২] রূঢ়, [৩] যোগরূঢ়, [৪] যৌগিকরূঢ়।

১। যৌগিক—**সমুদায়শক্তিনৈরপেক্ষ্যেণাবয়বশক্ত্যৈব পদার্থো-পস্থিতিঃ স এব যৌগিকঃ**—প্রকৃতি-প্রত্যয় হায়বদি—শব্দতু শাগৎলিব মচাক্‌শিংগী অর্থ লৌবনা মপূং ওইরিবা, ময়ামতু পূন্‌শিল্লগা ফংনরিবা অর্থতুদ কয়া য়েংলুদনা করিগুম্ব পোৎ অমা খঙ্‌নহল্লিবতু যৌগিক কৌই। **পাচকঃ**—চাকথোংলিব মী। **সুজনঃ**—মানা ময়ম্ ওইতুনা মুংঙাইবা ফংনরিব—চান্নব মরুপ্‌।

২। রূঢ়—**অবয়বশক্তিনৈরপেক্ষ্যেণ সমুদায়শক্ত্যৈব পদার্থো-পস্থিতিঃ**, শব্দতু শাগৎলিব মচাক্‌শিংগী শক্তিশিংতু নাকোয়ননা থম্লগা (থজিক্ থাদোক্লগা) মাগী অপূম্ব শক্‌কম্‌গী শক্তিতুতনা পদার্থ (বাহৈগী কান্নবা) খঙ্‌হল্লিবতু রূঢ় কৌই। **গচ্ছতীতি-গৌঃ**—বাহৈসিগী চানব অর্থদি চৎলি (চৎপা) হায়বনি, অদ্‌বু গৌ না ৰণবু খঙ্‌নৈ। চত্তব মতম্‌দা হায়বদি 'গৌঃ শেতে'—ৰণ কুল্লি, অসুম্ব মতাংদসু মাগী অর্থদ্‌ থক্‌ থাদোক্কে। **মণ্ডং পিবতীতি-মণ্ডপঃ**— লাইগী নাট্যমন্দির; বাহৈসিবু শাগৎখিবা 'চবোন্ থক্‌পা' হায়বদ্‌ থাদোক্লবনি। অসুম্বা পাকোই-কোয়কোয়নবা খুৎলাই।

৩। যোগরূঢ়— **অবয়বশক্তিসাপেক্ষেণসমুদায়শক্ত্যা পদা-র্থোপস্থিতি স এব যোগরূঢ়**:—মাবু শাগৎলিব মচাক্‌শিং (প্রকৃতি-প্রত্যয়) গী অর্থ-মপাঙ্গলদ্‌দি থাদোক্তুনা (মাবু ইকায়খুম্নবা লৌরগা) করিগুম্ব অথন্নব পোৎশক্ অমগুদা শীজিন্নরিবা, মাগা জাৎ মান্নবা অতৈব্‌ খঙ্‌নরুদবা শব্দদ্‌ যোগরূঢ় কৌই। **পঙ্কাৎ জায়তে ইতি পঙ্কজঃ**—লৈথোম্‌দগী পোক্‌পা থম্বাল; বাহৈসিনা লৈথোম্‌দগী হৌরক্‌প অতৈ—থাংজীং, শরো, চরাংনচিংবব্‌ থক্ খঙ্‌নরুদে সুম্নগী থম্বালতব্‌ খঙ্‌নৈ।

৪। যৌগিকরূঢ়— **যৌগিকার্থরূঢ়ার্থয়োর্যুগপৎ স্বাতন্ত্র্যেণো-পস্থিতিঃ স যৌগিকরূঢ়ঃ**— যৌগিককী অর্থ অমসুং রূঢ়গী অর্থ অনিমক্ মনীং তৌনা—অমনা অমগী পল্লুহন্নবা ময়ম্ ওইনদনা

মতম্ অমত্তদা অনিমক্ চপ্ মান্নবা অর্থ কোঙ্দোক্লরিবদ্ যৌগিকরূঢ় শব্দ কৌই। ডব্ব মীয়বে হুরি—ওন্ত্রিটু:—লৈপাক্ থীনগায়দুনা লিংখৎলক্পদগী উপাল-উরীনচিংববু উন্তিদ্ হায়না খঙ্নৈ।

লাক্ষণিক— বর্ণাত্মক শব্দগী মখল্ অমনি। লক্ষণানা মরম্ ওইরদুনা খঙ্নরিব শব্দার্থদবু লাক্ষণিক শব্দার্থ কৌই— লক্ষণয়ার্থবোধকঃ শব্দ: (লক্ষণয়ার্থপ্রতিপাদকশব্দ:)। মণ্ডপঃ— চবোন্থক্পা, চবোন্থক্পা অদুমক্লা লক্ষণা ওইরগা—থবক্সি তৌরিব মীশক্পু খঙ্নরবদা লাক্ষণিক শব্দ কৌয়ে। পঙ্কজ:— লৈখোম্দগী থীনগৎলক্ইব থবক্ মতাদুনা লক্ষণা ওইরগা মাবু লৈখোম্দগী পোক্পা পোৎ অমা খঙ্নরে।

সাহিত্যগী সত্য—

"ইতিহাসতা য়াওরিব শোক তারিখ্ নত্তনা অতৈ পুম্নমক্ অরাম্বনি, সাহিত্যদা য়াওরিব শোক তারিখ্ নত্তনা অতৈ পুম্নমক্ অচুম্বনি।" ৱাফম্ অসি মীওইবগী ৱাখল্গী মঙোম্নপালনি। ইতিহাস অমসুং সাহিত্য মীওইব সমাজগী থাদোক্লবা য়াদ্রব বিষয় অনিনি। অহাম্বগীসিনা মী-রোল্ কয়াগী ৱারীশিং— মপাম্মোংগী লোঞ্চৎশিং পাউদম্লবা হোৎনৈ, অরিবা থৌদোক্-শিংগী মফম্-মতম্ তাক্লদুনা ফিরান্ য়ুংননবা হোৎনৈ; সাহিত্যদি লম্-লম্দা চৎলদুনা সর্ভে তৌরুদে, মাহাক্না শোক তারিখ্ কীদমক্ লাংতক্লরুদে, মাহাক্তি মী-রোল্গা মী-রোল্গা চানবা অদুতাময়েংই, চাউরাক্প মফম্-মতম্ চানবদুতনা মাগী পাম্জরবা মচাক্নি। মাগী মিৎয়েংদি ইতিহাসকী মিৎয়েংদগী তোঙাল্লি।

সাহিত্যনা মীওই-পুন্সিবু শন্দোক্লা তাক্ই। প্রকৃতিগী খুৎশেম্ অসি মচাতানা অমুক্ নৈনৈ অদুম্নদি ওইরগা মাগী মপূং ওইব খবক্তি ফজহম্বনি। ফজববু খোয়না ফজহল্লি অদুগা অথীববু ফজনা পুখোক্ই। মাহাক্লা মীওইব সমাজবু মমানা মচা চাম্বগুম্ চান্না মঙোন্দা মশাগী অশেংব মশক্ তাক্ই, অকব লম্বীরোম্দা লম্জীংবি। সাহিত্যনা হৌখ্রব ঝারীশিংবু নৌনা নৈনৈ, হিংহল্লি, অনৌব মী-রোলগা ঝারী শানহল্লি। সমাজত্তগী অচুম্-অরান্ পুখোক্পদা নত্তনা তুংগী মী-রোল্দি লম্বী অসিদা চৎলরগনি [অসুন্না চৎলবদি ফগনি] অসিনচিংবা ভবিষ্যদ্বাণী তৌই।

পোৎ খুদিংমক্কী তুংনফম্ অমমম্ ইরৈ-লৈ। খম্বালগী তুংনফম্না ঈশিংনি, পঞ্চমস্বরগী তুংনফম্ কোকিলনি, লৈনম্গী তুংনফম্না লৈরাংনি, ইশৈগী তুংনফম্না ফজরব স্বরনি, কাব্যগী তুংনফম্না রসনি, সাহিত্যগী তুংনফম্দি সাহিত্যগী সত্যনি। মশীং থীঙম্দনা থাল্লিব ইলেক্ত্রিক্কী থাউমৈশিংবু মরূদা মুখৎলবদি চপ্মান্নানা লোয়না মুংখি মতৌ অহুগুম্না 'সাহিত্যগী সত্যতবু' ইয়াও ময়াওদ্রব সাহিত্য লৈচন্ অহুদি মম্লবনি, মথবাই য়াওদ্রবনি, কান্নফম্ লৈত্রবনি।

'সাহিত্যগী সত্যবু' খরা পাক্না চীংখোক্লগা— "সত্যম্ শিবম্ সুন্দরম্"—চুম্নবা, মীওইবগী কান্ননিঙাই ওইরবা, ফজরবনি অস্নুমা লৌনৈ। ঝাফম্ অসি সাহিত্যগী লম্দগীসু হেন্দোক্তনা অতৈ-অতৈ হিরম্শিংদসু নিংখিনা য়ানরবনি— মীওইবগী কান্ননিঙাইমক্ ওইরবদি ফজরবনি, ফবু-ফজরবদি চুম্সু চুম্নবনি। ঝাফম্ অসিবু অসুম্নসু হায়বা য়াই—কান্নরবা, ফজরবা হায়বসিমক্তবু চুম্নবতদা ওইখোক্লিবনি, অখোয়বা-অরাম্বনা কান্নবা ফজবা খক্ য়ারোই, শন্না হায়্নরবদা ফরিগুম্ব হিরম্ অমদা অহুম্সিদগী অমত্তং ঝাৎপদা হোরৎলি, য়োৎশুবী মখোঙ্নামা তেক্লবদা মহু খক্ শীজিন্নবা য়াদে।

সাহিত্যগী লমদা সত্যগী শকক্ম্ অনিনি (১) মীওইব সমাজগী হৌনবী-চৎনবী পরিং-পথাপ্শিং কায়ত্রব অচুম্বা (ব্যবহারিক্ সত্য) অদুগা হায়রিব সত্যসিদগী বাংদ-বাংথ্রবা অদুম্বদি ওইরগা ময়াম্সিনা খ্রিনাওশা-খোঙ্বান্ চেন্দুনা ফংনরিবা অথন্নরব (২) মপুম্ফারবা সত্য (অলৌকিক-সত্য) অনিসিনা নিংথীনা শৌগৎলিব সাহিত্য লৈচন্দু অমাঙ্-অতা লৈতে।

(১) ব্যবহারিক্-সত্যশিংসিমক্তি সাহিত্যগী মপুং ওইরিবা উদ্দেশ্যদু ফংননবগী পোৎচং (মচাক্) শিংনি। মখোয়সি য়াওত্রবদি—'মসিগী উদ্দেশ্যদি অসিনি' হায়না লেপ্তম্ত্রিব লৌশিংনহা ওইরিব মীওই ফাওবনা সাহিত্য লৈচন্দুবু মপুক্লিং চংনা লৌনদে; মরম্ অসিনা সাহিত্যগী অহাম্ব সত্যসি মাগা থক্ কায়নফদে। কনাগুম্ব সাহিত্যকারনা খঙ্দদুনা নত্রগা শোয়খিদ্না য়াক্চীংদা মুংশা য়াক্হল্লবা, কালেন্দা মেঙ্হল্লবা, পুত্রীদা পাত্তা থরো-থম্ববাল্ শাৎহন্দনা সমক্রুদা-তুরেন্দা শাৎহল্লবদি, পঞ্চমস্বরবু কোকিলগী মহুত্তা কাক্কগী তাননবা হোৎনরবদি, ধর্ম্ম ইকায়-কায়জত্রবা মীবু অরাম্ব মফম্দা মিৎয়েং কারন্ চলহল্লবদি থৌদোক্শিংদু কনানা থাজগনি? অসুম্ব সাহিত্যকারদুদি ব্যবহারিক-সত্য ঙাক্ত্রবনি। কুচুমুবমীনা ফিজু থম্বগুম্বা সাহিত্যদা নৈনরিবা য়াথোক্-থৌদোক্ পুম্নমক্ মীওইব সমাজগী প্রকৃতিগী হৌনবী-চৎনবী পরিং-পথাপ্ থক্ কায়হল্লোইদবনি, ব্যবহারিক-সত্যগী চাংয়েংদা লোয়না চাংয়েংদুনা লেপ্কদবনি। অদুম্বদি ওইরগা হায়রিব সত্যসিদি সাহিত্যগী মপাম্বোংগী য়ানি; মীওইবগী উন্শা কুচুগুম্বনি, মাগী মমুংগী ওইব উদ্দেশ্য নত্রগা আত্মাদি মসিদগী য়াংনা-থুপ্পা লৈ।

(২) সাহিত্যগী অনিশুব থাক্বী সত্যবু মাগী উদ্দেশ্য নত্রগা আত্মানি খঙ্নগনি। মথক্তসু পন্খ্রে সত্যম্-শিবম্-সুন্দরম্ হায়রিব কায়নফত্রব তত্ত্ব অহুম্সিদগী অনিসি শাগোম্বনা

লেপ্‌খৎলক্লিবা সাহিত্যহুদি মপূংফাৱবনি, মসিনি সাহিত্যগী লেঙ্‌ত্রব সত্য হায়ৱিবসি। সাহিত্য অমসুং দর্শনশাস্ত্র অনিসি শাগৈ অমত্তগীনি নীংলহনা কাংবু অমনা—সাহিত্যগী মচিত-মচি ওইরবা মতোঙ্‌ অহনা দর্শন শাস্ত্রগী লুর-লুরব পাখোং-শিংবু মীরোলনা লায়না ফোঙই—

অন্তঃপূর্ণ বহিঃপূর্ণ পূর্ণকুম্ভমিবার্ণবে।

- ঈশিং থম্না হাপ্লব ঈশাইফু অমা ঈয়ায়দা থম্‌সি মহনা করিগুম্বা কায়থ্‌রবদা ঈশিং অনিহ থেম্নবা লৈরোই, অমত্তা ওইফম্‌ থোক্লদ্‌না ওইথ্‌রবদ্‌দা মসিনা ঈশাইকুগীনি অদুগা মসিনা ঈচাউগীনি অম্মুম্ম। কনামত্তনা তাক্‌পা ঙম্লোই। বাফম্‌ অসি দর্শনশাস্ত্রগী থূপ্লব তত্ত্ববু সাহিত্যগী শৈলীদা লায়না ফোঙ্‌-দোক্‌পনি। খুদম্‌ ওইনা—বেদান্তদর্শনগী **তৎ ত্বমসি, সোঽহম্‌, অহং ব্রহ্মাস্মি** অসিনচিংব মহাবাক্যশিংনা তাক্লিবা তত্ত্বদুবু সাহিত্য-না ব্যাখ্যা তৌবনি। দর্শনগী বাফম্‌দি লৌশিং-লম্লৈরব মী থরতগীনি। সাহিত্যনা মীওই পুম্নিগী লায়না ব্যাখ্যা তৌবনা মাগা মীয়াম্‌গা নক্‌শিন্নৈ। সাহিত্যনা মীওইবগী পুম্নি ব্যাখ্যা তৌবসিদা অম্মুক্কী মতীক্‌ চাশিন্‌-চূশিন্নৈ মদুদি—লেখকনা কলম্‌তনা য়েক্লিব থৌদোক্‌শিংদু নৈনরুবদা তীং পান্‌খিদনা কনাগুম্বনা মচিন্থোক্লা হায়দোক্‌পা তারক্‌ই—'ঐহাক্না নহান্‌-মথৈ মী কনামত্তনা থঙ্‌দে-উদে নীংজদনা চৎলম্লিবা লম্‌চৎ-শাজৎশিংসিদি, শোয়রে, শোয়দ্রে—কনাগুম্বনা উথিবা য়াওরেদনা!' অম্মুম্ব মরম্‌শিংসিমত্তনা সাহিত্যগী সত্যসি মীয়াম্না লায়না খঙ্‌ননিঙাই ওইরিবনি।

সাহিত্যদা, করম্‌ করম্ব থকম্‌-মতম্‌দা অচুম্‌-অরান্‌ খায়-দোকনি? করিবু অচুম্বনি করিবুনা অরাবনি লেপ্‌কনি? করিবু থাদোকনি করিবু লৌশিন্‌গনি? বাহংশিংসিগী পাউথুম্‌ ফংদ্রিঙৈদা সাহিত্য-মন্দির চংশিন্বদি—লৈফম য়ুম্নাক্‌-মমিং ইখঙ্‌

খঙ্‌দবা মী থীবগুম্বনি, থক্ ফংলোই। সাহিত্যগী সত্য থীরক্‌পদা ঐখোয়না মথাগী পাম্বৈশিংসি শীজিন্নবা য়াই। লেখকনা, মশানা ইগদৌরিবা পোৎকী মচাশিংন্থ ঐখোয়না ভোয়না থেংনরিবা ইনাক্তা ইতত্তন। খোক্লিবা মীচম্‌গী মিত্তা চন্নবা, ইথা থাজনত্রব থৌদোক্‌শিংদগী হেক্তা মতা চানা শাগৎখি, অচম্বব্‌ মমল্ য়াম্‌হন্‌খি। কল্পনা-শক্তি-লল্-ললগে চোল্লব লেখক অমগী ডায়রী ফাক্তোক্লগা য়েংসি—

"ইরাই, বাকচীং পূর্ণিমা, তাং ২৪ ফেব্রুয়ারী ১৯৬৭ য়াচংবা মতুং। নম্বোল্ কৈথেল্দগী ললোন্‌পোৎ তীক্লুবী। খোম্‌গী অঙাং। মী চিল্লব গাড়ী। মচাক্-মরল্ অনিহু শেম্নবদা হুমাং তারবী। মচিন্দা—' লোয়না তুম্নম্নগদরা লৈকাইদব্র লৈরিদরা, মাহাক্তি জ্বার শাম্নফম্‌দা লৈরম্‌খিনি।"

খোংনাং বট মরুনুংদা চাউরবা উপালগী শক্ লোৎপগুম্ লোংলিবা সাহিত্যকারগী ডায়রী নোট অসিদগী সাহিত্য লৈচন্ কয়া কয়া শেম্নরি; লৈতেং ওইনরি। মতৌ অসুম্না ফংলুরিব মচাক্ অসিদা লেখককী স্পর্শমণি পান্দম্ লাক্লব কল্পনানচিংব শক্তিশিংনা শোক্লুবদা স্না হেক্ ওন্‌খি। মহুদা মহয় য়াল্লবদি সাহিত্যগী সত্য উবা ফংলবনি।

ডায়রী নোট অসিগী সত্যদি ঐখোয়না, প্রবন্ধ অসিগী ওইনা পীক্তক্লা অসুম্না লেপ্পীংই—

"মরা-মপুরোইবনা ময়ুম্‌গী রা খন্নবী লাইরবী নোংমগী চরা শোয়দনবা হোংনজরিবী, পীক্লিব মচাশিং য়োক্লিবী, পুক্লিং হকচাং অনিমক্ বাখিবনা হক্ত, হুমাংনা চোংলবী—কনাগুম্বী চপী অমগী অবা-মুংঙাই ৎিভম অসি, মশক্-মওং য়ুম্নাক্-শাগৈ, লৈফম্-লৈকাই নাইরিবী কনাগুম্বী অথম্নরবী অমথক্তগী ওইহন্দনা, হায়রিব পুন্সি মরেল্ অসুম্না লেল্লিবী মুপী পুন্নমক্কীনি অসুম্না ভাবোক্‌পু চাননা থাজহন্না ওম্নবতদা সাহিত্যগী সত্য ফংগনি,

ফংলুরিব ধৌরোক্ মচাসিন্নু স্না ওন্নগনি। লেখক অহু মহন্ন স্নান্নগনি। সাহিত্যদা অথন্নবা মীওই থন্নগী ৱাফম্ লৈতে—মীয়াম্না চাশিন্নগদবনি—সত্যম্ মহুদা ফংলিবনি।

সাহিত্যকারনা সাহিত্যগী মচাক্ কদায়দুগী কম্দৌনা ফংন-রিবগে? হিরম্ অসি নীংশিংনবদা লাম্বা ফংনন্রব মতম্গী ৱা লৌরগা অমুক্সু য়েংসি—

"সমগ্রারূপিণা লক্ষ্মীঃ কমেকং সংশ্রিতা নরং।

—দেবর্ষি, মীওইপুন্সিদা হেক্ ওইথোক্লিব চংথোন্নব মতীক্ মগুণ ঐশ্বর্য্য-সম্পদ্ পুন্নমক্ শূনা তীল্লিব মীওই অমগী ৱারী তাক্পিয়ু।

দেবেষ্বপি ন পশ্যামি কশ্চিদেভির্গুণৈর্যুতম্।
শ্রূয়তাম্ তু গুণৈরেভির্যো যুক্তো নরচন্দ্রমা॥

—মহামুনি, অসুক্ য়াম্ন চথোল্লব গুণশিং শূনা তীল্লব লাইদি লাইয়াম্নরক্তা ওইথোক্কে অহুগা হোয়, মরন্চংনা থাজ-গুম্ ঙাল্লব মীওই অমা লৈ, মহুগী ৱারীদি অসিনি নপুক্লিং চংনা তারো।"

অসি হায়রগা নারদনা ফজরব মগুণ কয়া শাগোন্নরিব রাজকুমার রাম, মচিন-মনাও নুংশিনা লোয়নরিবা রাম, মমা পুন্নমক্ চপ্মান্ননা নীংলিব রাম, মথক্ থোংবশিংদা ভক্তি কায়দ্রব রাম, মপাগী সত্য-ৱাশক্ ঙাক্লিব রাম, মথৌ পাঙ্থোক্পদা নীংহন্নদ্রব রাম মাগী ময়াদা ৱারী তেম্না লৌবিখি।

আদি কবিনা দেবর্ষিদগী ফংজহৌবসি লেপ্পনমক্ অসিংক্তনি। মসিদগী কবিসিগী কবিত্ব শক্তিনা চাউরব রামায়ণ অসি ওই-খিৱনি। মহাকাব্য অসিগী সত্যম্ শিবম্-সুন্দরম্গী মরাদা আদিকবিমক্না অস্নুম্না হায়রম্মি—

যাবৎ স্থাস্যন্তি গিরয়ঃ সরিতশ্চ মহীতলে।
তাবৎ রামায়ণকথা লোকেষু প্রচরিষ্যতি॥

—পৃথ্বীথক্তা চিংজাওশিং, তুরেল্‌শিং লৈরিবমথৈ রামায়ণগী রারী মীয়াম্‌দা মাঙদনা লৈহৌরগনি। অওইবমক্তি—থোক্লিব পোথোক্‌মক্‌মু – "ভারতবর্ষনা হেক্‌ পাম্লিব'পুম্বা রামায়ণদা লোয়না চিথদনা ফংলে।" (রবীন্দ্রনাথ) কাণ্ড তরেৎ, অধ্যায় মশীং কয়ামরুন্‌ শ্লোক মশীং ২৪০০০ চাউরিবা রামায়ণগী পাক্‌-চাউনা মশা-মরেং শব্দোক্‌খিব রারীশিংগী—'সাহিত্যসত্যদি' বাল্মীকি মশামক্কী অমসুং রবীন্দ্রনাথকী রাফম্‌শিংসিদা উবা ফংলে।

মতৌ অসুম্ন সাহিত্যগী সত্যসিমক্তি অসুক্কী মতিক্‌ চুম্মি মংদি–মহাক্না মীওইবগী পুক্কিং-রাখল্‌নচিংব পুম্নমক্কা লোয়ননা থংহোইবু লেপ্পমক্‌ জয় তৌবা ঙম্মি, হায়রিবা জয়সিদি করিগুম্ব পাম্বৈ অমনা অমুক্‌ হন্দোক্লবা পরাজয় তৌবা শুকয়া য়াদে। নৈনরিবা রাফম অসি লোয়শিন্নক্‌পা ওইনা অমুকস্‌ নীংশিংবা য়াই বিজ্ঞানগী দর্শনগী ইতিহাস ভুগোলগী সাহিত্য নত্তবা অতৈ অতৈ কলাশিংগীসু মাগী মাগী লমদা [মশা মশাগা চানজবা] সত্যশিং ইরৈ লৈ। মখোয়হ্ত মশা মশাগী বিষয়শিংহুদা মপূম্‌ ইক্না-ক্নাই। মখোয়হু মক্তুনা বিষয়শিংহুবু শোগংলি—চীংখংলি। সত্যগী মগুণ অসুক্কী মতীক্‌ মপাঙ্গল কল্লি মহুদি—হায়রিব মাগী লম্বীহুদগী থক্তিক্‌ হায়দোকখিবদা বিষয়হুগীদমক্‌ শেম্‌গৎ-শাগৎলুরিবা মশক্‌ পূম্নমক্‌ লোয়না উত্তা ঘী হৈবা তাবনি, লৈচিন্দা তেন্‌ কাপ্লিবনি। পন্‌খিব বিষয়শিংসিদা অঙ্কনা খাইমক্তগী হেন্না চাউনা শোয়, চাউনা মহয় য়াল্লি—অহুগা অতৈ অতৈ বিষয়শিংগীদি শোয়খ্রবসু থক্তিক্‌ লোথংনিঙাই মরৈ। মতৌ অসুম্না সাহিত্যসত্য ইয়াও ময়াওদ্রব সাহিত্য লৈচন্‌শিংহু চাননা মপুন্সি শাঙ্গদব অৱাংব সাহিত্য লৈচন্দি ওইদে অহুম্নদি ওইরগা অঙ্কগী দর্শনগী সত্য মাঙখিবগী মতৌ গুম্না য়াম্নমক্‌ শোক্না মাঙখিবদি নত্তে, মহুনা মীচম্‌দা থক্তিক্‌ থাক্তবা পীবগা লোয়ননা থক্তিক্‌ মুংঙাইহল্লি। সাহিত্যকারশিংনা সাহিত গী সত্য ডাক্‌পদা—লেপ্পমক্‌ লৌশিন্‌গদব আদর্শদি—

জননীজন্মভূমিশ্চ স্বর্গাদপি গরীয়সী ... [illegible]

রামায়ণ ১১২ | ১৮

থাগী মভাল্ মক্শিন্খিবা য়াই;
উল থাদোরক্পা য়াই হিমালয়না,
সমুদ্রনা চাংজো লাম্থোরক্পা য়াই,
ঐদি ওম্মোই ইপাগী য়াশক্ ভাক্তবা

রামগী সত্য পালনগী আদর্শ অসি মাঙদা লেঙ্দনা থম্গদবনি।

কাব্যদোষ অমসুং অছৈবগী পথাপ্—

মীওইব, মশা মউ ফবদা, মহৈ-মশিং হৈবদা, শাগৈজাং ফবদা য়াশিগুণ চঙ্খোম্বদা, মরুপ্ মপাং তীন্নবদা মৱাহৈ খোন্ফম্দা, লম্চং ব্যবহারদা—অফব ফজব মতৌশিং ইরাং য়াত্রবদা মশাদা থুপ্পা নত্রগা ফোঙ্না করিগুম্ব আধি-ব্যাধি * নচিংব অমা পল্লবদি (লাইথুং-তীম্থুং চেল্লবদি) মাহাক্ মীনি হায়বতনি, চাননা থবক্ কান্নব মীদি ওইদে, থোদো অসুম্না কাব্য অমগী মচাক্শিং ফন শূনা তীল্লবদা, রস অলঙ্কারশিং য়াওরবদা, য়াহৈ য়াতা ফজরবদা, থাপ্পা য়েংবদদি কাব্যনি শীংথানরবদ্দা করিগুম্ব -'কাব্যদোষ' পল্লবদি (সাহিত্যগী) লাইথুং-

---

* আধি—মনোবেদনা, পুক্নিং-য়াথল্গী লায়না

ব্যাধি।— মপাম্থোংগী হক্চাংগা মরী লৈনবা লায়না। ব্যাধিদি প্রতীকার তৌরগা—কোক্থোক্-চাম্থোক্লগা কোক্ই অহুগা আধিনা-অনগুধ্যাননা হায়বদি য়াম্নমক্ পুক্নিং য়াথল্ লৈতানা চেৎনা নীংলগা, অহুকী মতীক্ চেৎচ। থাজলগা কোক্ ই।

১ চেল্লবদি কাব্যন্নি হায়বতনি চানব থবক্ কায়ব কাব্যদি ওইদে; অহোয়ননা হায়রিব দোষ অসি লৌনগব লায়নাগী মতৌগুম্না মীথাং কয়াদা (পুক্লিং-বাখল মায়ব লেখকশিংদা) শন্দোকৃখিহ্না সাহিত্যজগৎকী চাননা কিনিঙাই বিপ্লব অমা ওইরক্ই। লমৈ দাক্শিনগুম্ বানরক্ই। সংস্কৃত সমালোচনা সাহিত্যদা মমিং নিংথিনা লৈরব মম্মটাচার্য্য, বিশ্বনাথ, সাহিত্য-দর্পণগী টীকা ইব হরিদাস মখোয়সিনা কাব্যদোষকী মরীদা তৌরম্ব থবক্শিং চাননা শীংথানিঙাইনি। মখোয়গী থবক্শিং-দগী থরদং লৌথংলগা নৈনসি।

সাক্ষাৎ পরম্পরয়া বা রসাদীনাং সম্যক্ প্রতীতিপ্রতিবন্ধক কাব্যধর্মত্বং দোষত্বমিতি দোষসামান্যলক্ষণম্।

কুসুমপ্রতিমা টীকা, সাহিত্যদর্পণ ৭। ৪২০

—হকথেংননা নত্রগা মথাং লৌবা খুৎলৌনবু ওইরবসু রসন-চিংবশিংবু চঙ্খোম্না থগুবদা অপম্ব থোক্হল্লিব কাব্য ধর্ম্মবু কাব্য দোষ কৌই, মসি কাব্যদোষকী চাউরাকপ লক্ষণনি। বাকম্ অসিবু বিশ্বনাথনা শূপ চিন্না **রসাপকর্ষকা দোষাঃ**—রসকী অপকর্ষ হায়বদি রস থগুবদা অপম্ব ওইহল্লিব (মরক্ খল্লিবা নত্রগা য়ৈথায়রিব) কাব্যদা। লৈরিব অথন্নব ধর্ম্ম অমবু কাব্যগী দোষ অমুম্না থগুনগনি।

দোষকী মথল্শিং—

তে পুনঃ পঞ্চধা মতাঃ।

পদে পদাংশে বাক্যেঽর্থে সম্ভবন্তি রসেঽপি যৎ।

হায়রিব দোষসিগী কায়দাংক্সমদি পেনা মকম্ মঙানি—[১] পদদা লৈবদোষ, [২] পদগী মচেং অমদা লৈবা, [৩] বাক্যদা লৈবা, [৪] অর্থদা লৈবা, [৫] রসতা লৈবদোষ বাকম্ অসিবু কুসুম প্রতিমা টীকানা মচাতানা শন্দোক্না অমুম্না হায়রি—(ক) শব্দদা লৈব দোষ (খ) অর্থদা লৈব দোষ (গ) রসতা লৈব

দোষ। শব্দদা লৈব দোষ হায়রিবসিংদকীমু মথল্ অহুম্ ওরি—(অ) পদদা পুংয়ান্ লৈবদোষ (আ) পদগী মচেৎ অমত্তদা লৈব (ই) বাক্যদা লৈবদোষ। মখোয়সি দোষ পক্‌কম্‌গী বাকমশিংনি।

কবিরাজ বিশ্বনাথনা—ধ পুনঃ পদস্যাংশে মতাঃ হায়খিবসিগী অকুপ্প মশকশিং (বৃত্তিশিং) দি তরাহুমদোইনি [মম্মটাচার্য্যনদি তরাতরুক্নি] শীংথারি— ১। দুঃশ্রবত্ব (তানিঙাই ওইদবা) ২। অশ্লীলতা (ঝাচোপ-খোনচোপ) ৩। অনুচিতার্থতা (মতীক্-মপা চানদবা) ৪। অপ্রযুক্ততা (মীয়াম্না থীজিন্নদব) ৫। গ্রাম্যতা (সভ্যজগৎকী ওইদব, মীখোংহুক্তবতনা শীজিন্নবা) ৬। অপ্রতীততা (মীয়াম্না খঙনদব, মরনাই মীওই খরতনা খঙনব) ৭। সন্দিগ্ধতা (চিংনিঙাই ওইরিব) ৮। নেয়ার্থতা (চৎনখিবা নত্রগা করিগুম্ব অথম্নরব কাম্ননিঙাই অমগীদমক্ শীজিন্নরুব ৱাহৈ নত্রব থোয়নোক্পা মখোনা লৈজদব ৱাহৈ) ৯। নিহিতার্থতা (লোণ্ণুনা থম্ব অর্থ, মীয়াম্ন খঙনদবতা শীজিন্নবা) ১০। অবাচকত্বং (মীয়াম্ন ইহায়-হায়নদ্রব, পন্ননীংদ্রব) ১১। ক্লিষ্টত্ব (ৱাহৈ কয়ানা মরক্ থন্‌খিবনা-কোঙদোক্লীংলিব অর্থদু য়াম্ন থেংনা ৱানা কোঙদোক্লরিব) ১২। বিরুদ্ধমতিকারিতা [ওন্নতৈনব পুক্নিং-ৱাথল্ পোক্‌হল্লা, ওইথোক্লরোইদবনু কোঙদোক্লব হোৎনরুবা] ১৩। অবিমৃষ্টবিধেয়াংশভাব (মকোক্ ওইকম্ থোক্লিব বিধেয়াংশসবু থম্নরুদনা নাকোয়ননা থম্বা, মরু ওইকম্ খোক্লিবদুবু খৌশাদনা উথোক্পা)।

শীংথাখিব মরু ওইব দোষশিংসিগী খুদম্‌শিং য়েংসি—

১। দুঃশ্রবত্ব—পূণ্যভবন ওইরব ব্রজরাজ সঙ্গাইদ
থুংলবদ কৃষ্ণন অক্তিংসেব [বা?] ছৌনবী।

কংসবধ ৪/৯৪

পাম্বহরি নোংশাম মাইলোত্তন চেন্নকম্
থুক্উ মথা চোল্লব পাম্বোম অনি তিংহুন।

কংসবধ ৪/৯৯

২। অশ্লীলতা — মসিগী মথল্ অহুম্ সুই [ক] ব্রীড়া (ইকাইনিঙাই ওইব-ৱাচোপ্) [খ] জুগুপ্সা (হঙোইনিঙাই ৱাচোপ্) [গ] অমঙ্গল (য়াইফমতৌ নত্রব ৱাচোপ্)। থুদম্শিং—

[ক] ব্রীড়া—

করিগী ৱারুগনি বীরেন্ বাবু
লৈশাবীনা ওন্নরবসু সিনেমা টিকেৎ অমগা, পুক্নিগা

— শন্দ্রেম্বী থোরক্লো নহুম্ পোঙ্জেল শাবিগে – ৬৪

[খ] জুগুপ্সা—

মমথিরব গলিদগী মোংলব মফমদগী
হুই অমোম্ অমা য়োয়ো থোংহুনা
মথুন্ ইচোৎ চোৎনা থোরক্ই।

— তোল্লম শাহুগী ৱাথল্ ৪৮

[গ] অমঙ্গল –

হা নোংবান্ কোংয়াম্বা!
য়ৈন কাংদ্রুম্ মফোম্থোক্
পুন শংবাই নাত্তংপা!
কুম্বীগী তেরা'থাহুদা, ইতৈ ইতৈ কৌরম্বা
পম্লোগী তাউজিং লমন্ থুম্বনি।

— থাইনগী লৈরাং ৩৬

৩। অনুচিতার্থ—

অপোম্বা লৈ।

লুংশিবা ইনম্ য়াওদবনা,
হুখিনি চিংনফে মালংবনা!
পুক্লুংদা লৈহী লোত্তবনা

চুপ্ কনি কিন্নদে খোইমুনা।
কজবা অথীবা অমতনি ইমিত্তা;
চৈবা থাগৎপা অজ্ঞানি নাকোংদা। —লৈপরেং ৭

৪। অপ্রযুক্ততা—

বনগী থোং শান্দোক্‌পদ, দশরথ নিংথৌদ
মারৌ পোথাং হাপ্‌খিব মাতৃপ্রেমগী মৈহুক্তি।

— কংসবধ ৪/৯৮

৫। গ্রাম্যতা—

ওক্‌ মকোক্‌ পান্‌বশিংদো, থী শীক্‌থম্না চাশিন্নগা,
মমৈ ফেৎ ফেৎ হাইদুনা মবুক্‌ তহি তহি কংদুনা।

— তোন্নব শাহুগী মাথল. ৫২

৬। অপ্রতীততা—

শিঙেন ইন্দু ঐহাক্তি ওইরেদকো অরেম্বা!
পোংথ্রাং ওইবা ইন্দুনি থরাই মাদি ইবুংনি।

— শিঙেন ইন্দু ২০১

৭। সন্দিগ্ধতা—

"থাংস্থু পাম্‌দে তাম্‌থু পাম্‌দে" থুন্নক্‌ই কংসন
শাগ লান্‌বু তৌবদা করি থুংলাই চংবগে?

— কংসবধ ৭/১৯৯

৮। নেয়ার্থতা—

নংগী মুংশিহৈত্তব পুক্‌চেল অদো তোক্কুন
মীমুংশিগী লাইজন থম্মোই অহু চুম্মলু।

—কংসবধ ৭/১৯৮

৯। নিহিতার্থতা—

খোইমুশিংনা কাওদুনা খোইবীরোম্‌দা পাইশিল্লে।
খোইবী "লাম্লে খোইমু-শা! লৈরাংইতা কানিদো।"

— থম্ব-থোইবী শেয়েং ৯৬৬

১০। অবাচকত্বং—

"খোংজেল্ পাপী, মুরখা ওইবা চাওবা অনিছু,
শিরবোইরে মোইরাংদা। খোইধা মুংগী তিন্ তুবু
মীন অঙম্ তৌরগা তুমিন্ লৈরে য়েংহুনা
— খম্ব-থোইবী শৈরেং ৯২০

১১। ক্লিষ্টত্ব—

ক্ষীরোদজারমণি জন্মভুবঃ প্রসন্নাঃ। —**সাহিত্যদর্পণ ৩**

ক্ষীরোদজা হায়বদি লক্ষ্মী, মাগী লৈফম্ব থম্বাল্ মাগী (থম্বালতুগী) পোক্নফম্ ওইরিব ঈশিং অমুম্ব অর্থসি খঙ্হন্নবা হোৎনবদা য়াহে কয়ানা মরক্ খন্থিবনা পাক্ অর্থ লেপ্ন য়াদবা।

১২। বিরুদ্ধমতিকারিত্ব—

ভূয়তাৎস্তু ভবানীশঃ — ভবানীশঃ হায়বসিনা ভবানী (দুর্গা) গী মপুরোম্বব হায়ন্নবা হোৎনরুবদা ওইথোক্কবা।

১৩। অবিমৃষ্ট বিধেয়াংশ ভাব— **আসমুদ্র ক্ষিতীশানাম্**— সমুদ্র অমসুং কংফাল্ শীন্নখুংনা অমুম্বা হায়ফম্ থোক্লিবসিগী-দমক্ 'আসমুদ্রম্' অমুম্বা প্রয়োগ তৌফম্ থোক্লিবনি।

কাব্য দোষকী লায়ন ফংনরিব অপোব য়াফম্শিং নৈনখরে। মথোয়সিদগী হেন্ন কুপ্শিন্ন দোষকী য়ারোলশিং খুদম্শিংদি সংস্কৃত লোল অমসুং মাগী সাহিত্যদা চানন চংশিন্দুনা নৈনব নত্তনদি লোয়না শূনা ফংবা পাক্ ওইথোক্লোই। অতুম্নদি ওই-রগা কাব্য দোষকী উৎখি্ব য়াফম্শিংদগী অমুক্ কুপ্শিন্ন—মখুং হুক্তিন্না নৈনগদব দোষকী য়াফম্ কয়ামরুম্নুদি ঐথোয়না 'রস অলঙ্কার' গী লাইরিক্তা নৈনখরে। মফম্ অসিদা নৈনরিব য়াফম্ খরসিতনা দোষকী য়াফম্শিংবু চাননা মপান্ খোপ্-চিন্নমক্তি য়াদ্রি। কাব্যগী আত্মানি শীংথানরিব রস অমসুং অলঙ্কার অনিসিবু মহয় য়াম্না কোঙ্দোকবগী মতাংশিংদসু দোষ পক্খিনিঙাই য়াফম্ (নিয়ম্) কয়া লৈরি। বিষয়সিমক্সু (রস

অলঙ্কারসিমক্সু। কুপ্পবগুরব বাক্য্ ওইবনা মখোয়সিদা পক্প দোষশিংগী বাক্য্শিংসু য়াম্ম কুপ্প হৌনশানি। পিক্কব প্রবন্ধ অসিদা ময়াম্তু পুবা ঙমদে। অদুম্মদি ওইরগা হিরম্ অসিগী মচাক্ শূননবগীদমক্ রসদোষকী অতোপ্প খুদম্ অমত্তংগা য়েংসি।

মহাকবি কালিদাসনা কুমারসম্ভব মহাকাব্যদা— জগৎকী মমা-মপা ওইরিব (জগতঃ পিতরৌ) পার্ব্বতীপরমেশ্বর অসিগী সম্ভোগশৃঙ্গারগী বর্ণন নীংঙাইদনা তৌরি, মসিবু মম্মটাচার্য্যনা— **ইদং পিত্রোঃ সম্ভোগবর্ণনমিবাত্যন্তমনুচিতম্ (কাব্যপ্রকাশঃ)** হেক্ অপোক্প ইমা-ইপা অসিগী সম্ভোগ শৃঙ্গারবু নীংঙাইদনা বর্ণন তৌহৈদব মতৌ অদুগুম্মা তৌহৈদে, মতীক্চাদে হায়রি।

কাব্যদোষকী বাক্য্ অসিদা নীংশিংহৌগদব বাক্য্ অমত্তঙ্গা লৈরি। ঐখোয়না মথক্তা নৈনখ্রিব 'অশ্লীলদোষ' কী ব্রীড়া কৌব মথল্ অসিমক্ মতাং চারবদি হায়বদি—হক্কব সম্ভোগ-শৃঙ্গার রস ফোঙ্দোক্কবগীদমক্তদি—কামকেলি হৌগৎলক্পদা 'গুণ' (কাব্যতুগী ফজব হেন্গৎহন্নব মচাক্) ওইনৈ, দোষ থক্ ওইদে।

মতৌ অসুম্না থক্তা নৈনখ্রিব অপ্রতীতত্ব হায়বদি খ্যাতি বিরুদ্ধতা কৌব দোষ অদুমক্ হৈশিংলব কবিশিংনা খুৎশু ফজনা শুরবদি 'গুণ' (ফজহন্নব মচাক্) ওইরি—

কবীনাং সময়ে খ্যাতে গুণঃ খ্যাতবিরুদ্ধতা। সাহিত্যদর্পণ ৭/১৮

—মহাকবিশিংগী নিয়মশিংদা (মখোয়না য়াৎলম্ম পথাপ্-শিংদা) মীয়াম্ম খঙনদ্রিব (মীচম্দা ফাওরক্দ্রিব) বাক্য্ অদুমক্সু [কবিগী শক্তিনা চালহন্না ঙম্মবদি] অফব কাব্যগুণ ওইনৈ। খুদম্—

সম্প্রতি সন্ধ্যাসময়শ্চক্রবাকদ্বন্দ্বানি বিঘটয়তি।

সাহিত্যদর্পণ পৃ০ ৫১৩

—সুমিদাংবাই ওইরক্কবসিদদি ঙানুথঙ্গোং তুমাসি লাব-অমোম্ কায়নৈ।

কবি, প্রকৃতিনা শেম্লব তেংবান্‌বসিদা নৌনা খুংজনলহনা অনিরক্‌শুব খুৎশেম্ অমুক্ মাহাক্না পাওখোক্‌ই। মাহাক্না উক-খঙ্‌লুরিব অচৌব-অপিকপ পোৎ পুম্নমক্ উরিব খুৎশেম্ অসিতনা লোয়শিন্নহন্‌খিবা হৌনদে হায়বসিনা হৌনশা ওইরহনা পোং পুম্নমক্ মাহাক্ মশাগী পাম্‌জব মিৎয়েং মতুংইন্না নৌন নৌনা অমুক্ শেম্‌দোক্‌ই। প্রকৃতিগী পোৎ পুম্নমক্‌পু মমৃত্তানা খঙ্‌দোক্‌ই। অমগা অমগা চাংদম্নৈ, ময়াম্‌দ্‌গী লম্‌চৎ স্বভাব-শিংদ্‌দগী লৌশিন্নিঙাই গুণ পুম্নমক্ লৌশিল্লি, শন্নাইদব, পুক্নিং বাখলত্তদা লৈরিব চুম্নগী ভাবতগী ওইব ধর্ম্মশিংবুস্ মশক্ পান্না মচু-মমেন্ লেপ্ন শাওং-শাদা পান্না লেপ্‌হন্নব হোৎনৈ।

হায়খি্রব কবিনা সাহিত্য জগত্তা হেক্ তৌরিব থৌদৌ, মশাগী হৈনজব মরম্‌চৎ (বৃত্তি) অসিমক্তনা প্রকৃতিগী পোৎ-য়াম্‌সিগী মফম্‌দা কবিধর্ম্ম, কবিপ্রসিদ্ধি নত্রগা অছৈবগী পথাপ্ হায়বদি মঙোন্দ মসি হায়রগা পক্‌চগনি, মাবুদি অসুম্ব লম্‌চৎ শাজৎ চৎহন্নবা চুনগনি হায়বনচিংব খরাইপাম্ব-পান্দব পোৎ-শিংগী পরিং য়াৎপিরি, অা-তুংদস্ পরিং অসি য়াৎলক্‌খিগনি, খায়নদগী লৈরক্লবনি। মরম্‌দি অরাংব থাক্নী লেখকশিংদি মনীং-মথা তম্নব অনৌব লৈশেম্বনি। হায়রিব অছৈবগী পথাপ্ অসিগী খুদম্‌শিং সাহিত্যদর্পণদগী লৌশিল্লগা য়েংসি—

"ইহাং হাংজিব অতিয়াসিগী মচুদি অমুবনি, দান তৌবনচিংব-দগী ক নরিব মিংচৎ অতুগা মহৈনচিংবদগী ফংনম্লিব মিংচৎকী মচু অঙৌবনি, নোক্‌পগী মচুম্ব অঙৌবনি। অপাম্বগা ওন্নতৈনবদগী খোক্লক্‌প অশাওব অতুগা খম্বদগী পোক্লিব অশাওবশিংগী মচু ঙা.ই।

খম্বাল, খম্বাল অশংব অমসুং চরাংনচিংব ঈশিং পাম্বীশিংবু [কনাগুম্ব কবিনা] তুরেল নত্রগা সমুদ্রদা শাৎহল্লি, কাংজন-চিংব ঈশিং-উংকেক্‌শিংনা ঈশিং লৈকম্‌শিংদা কোয়চৎ চক্লুনা

শাই। নোংইন্‌শিংবা থাবল্‌ থক্লক্লনা হিংই। বর্ষাকালদা কাংঙশিংনা হিমালয়গী মানস সরোবরদা চৎলি।

মুপীমচাশিংনা মখোঙ্‌না কাওরবতদা 'অশোক' পাম্বী মপাল্‌ শাৎলি বকুলনা মুপীগী মায়খোং উরগা শাৎলি। মুক্তানচিংবগী নিংখিজরব লিক্লাং পরেংশিংসি মখোন্‌কারক্লিবী মুপীশিংগী মথবাক্কদা ভমৃথৈলৈতনা ফজব মুদোক্চৈ, অতৈদা মদু য়োদে। মশামক্কী শাবীমাঙ্গপাম্ন বদুগী কায়ন মৈশা লাংলবতদা মখোন্‌ কারকৃপী মুপীশিংগী মথক্সোই মপুংফানা অবা-মৈশানা থমৃথেংনা চাকৃথেকৃই।

বসন্ত লৈরাংশিং মপুংফানা শাৎলব বসন্তঋতুসিমক্‌ কামদেবগী লীরুংনি অদুগা মাগী লিয়ীদি—খোইমু পরেং-পরেংশিংসিনি; অদুগা অমুকসু হায়রিব বসন্তসিমক্না মাগী তেৌঙ্গেমকসু ওইনরিবনি। মুপীওইবীশিংগী খোয়-খোয়রব মংশি মিৎয়েংনা পাখংওইবশিংগী থক্সোই থীন গায়দুনা মপোৎ হুরাম্বিথিবগুম্না মাহাক্কী (কামদেবগী) তেৌঙ্গেশিংসিমক্না পাখং ওইবশিংগী মথক্সোই থীন গায়দুনা মপোৎ হুরাম্বি।

থম্বালনা অয়ুক্‌-নুংখিলদা অদুগা থরোনা অহিংদা শাৎলি। থাবলবু লিম্নাংদা শীংথানৈ। নোংমঙলবতদা ৱাছোং জগোই শাই। অশোক পাম্বীগী মহয় পান্দে। বসন্তঋতুদা জাতীপুষ্প শাত্তে। লৈশাত্তম্‌দে)। চন্দন পাম্বীশিংদি মপান্‌ শাত্তে, মহয়সু য়ান্দে।

— সাহিত্যদর্পণ ৭ | ১৯

অসুম্ব ৱাফম্‌শিংসি অচৌব কবিশিংনা মখোয়গী কাব্যশিংদা শীংথারি। মখোয়গী মহয় য়াল্লব কলম্‌শিংদগী থোকৃখিব ৱাফম্‌শিংসিমক্‌ অাছবগী পথাপ্‌ (কবিসময়) হায়বদি কবিশিংনা চৎনরম্লব লম্বীনি (নিয়মনি) অসুম্না ইকাইথুম্না শীংথানৈ। উৎপ্লিব ৱাফম্‌শিংসিগী চানব থুদম্‌শিং অমসুং মখোয়সিগা

মান্নব অতৈ তত্নশিং মহাকবি কালিদাসনচিংব কবিশিংগী কাব্য-শিংদা থিগদবনি। কাব্যদোষ ইপক্ মপুক্তুর চানবা মপুম্ ফারব কাব্য খিবা বাবা থোক্ই, অহুমদি ওইরগা য়াম্নক্ ফুরে, শীংথানরিব কাব্যগ্রন্থশিংদদি করিগুম্ব দোষ থরা য়াওরবসু থাজগী মায়ইংগুম্ লৈতেং ওইনৈ।

খোয়দোক্প য়ারোল্—কাব্যদোষকী খুদম্শিং ঐখোয়না শৈরেংঙাক্ত পীথরে। লামায় পাক্ত কন্দনবনি। শৈরেং নত্তব কাব্যশিংদসু দোষশিং লৈ—লৈবা য়াই।

সাহিত্যদা লেখককী খোয়দোক্প স্জনশক্তি—

........ময়েক পুম্ব ব্রহ্মানা শেম্খি, ব্রাহ্মী (ব্রাহ্মীলিপি) কৌনখি, মতম্তুগী ময়েক অসি চৎনরক্পনা হৌজিক্ শীজিন্ন-রিব আর্য্যভাষাশিংগী ময়েক্শিংসি অমুম্ অসুম্ থৈথরক্তুনা ওইখ্রিবনি, থাজনরি। সংসার পুন্নমকী লাইরিক্কুগী লিখোয়-রবনি য়ানরব বেদবু ইশিন্দুনা লেঙ্দনা থম্বা ওম্নিবসি 'ময়েক' অসিগী চাউরব অবদাননি। বেদদা শৈরেংশিং-ইশৈশিংত নত্তনা গদ্যভাষাগী শাংলব লেখ কয়ামরুম্, বৈদিকছন্দগী বিচারশিং, লিঙ্গ-বচনগী (ব্যাকরণগা মরী লৈনব) বিচারশিং মশীং থীবা অমদি জ্যোতিষকী রাফম্ ফাওবা য়াওরি। মখোয়সিদগী তশেংনা খঙ্নরে মহুদি বেদবু ময়েক্না ইহুনা থনম্বা হায়বসিসু য়াম্ন ওন্নিভৈদগী দরকার লৈ, খঙনরক্লবনি।

পৌরাণিকযুগতদি শ্রীগণেশমক্না খোজেঁপায়রহুনা ইখি, খুদম্ ওইনা ব্যাসদেবগা গণেশকা অমিচংনা মহাভারত লেংখি-বগী য়ারী শীংথানিরি—"সত্যবতী মপারি ব্যাসদেবনা গণেশবু লাইরিকইব কলাসি য়াম্না হৈরবনি নীংলহুনা মহাভারত অমসুং অতৈ পুরাণশিং ইবিয়ু নেক্খি। য়ানখি, শর্ত অমদি থম্খি—

ঐহাক্না অসুম্ ইথরক্পদা ইখুৎকী থোর্জৈসি থক্ লেপ্‌হন্-গনু। মহ্ ঙম্‌গদবা লৈরবদি ইগে মক্রবদি ঐহাক্ নহাক্কী 'লেখক' ওইবা ঙম্মোই। ব্যাসনা শর্ত অসি য়াখি। শর্ত অমদি থমখি —'ঐহাক্না হায়রক্লিব' পুম্নগী অর্থ মমূত্তানা খঙ্‌লগা ইবি-গদবনি, অর্থ খঙ্‌দনা করিগুম্ব অমত্তা ইবিবা য়ারোই। গণেশনা শর্ত অসি য়াখি।"

ব্যাসনা ঈশিং ঈচেলগুম্না তত্তনা হায়খি, গণেশনা চিথদনা ইশিন্‌খি। অনিমক্ মশা মশাগী শর্তশিং কাউনদে, ঙাক্লে। অমনা কলম্ লেপ্‌হন্দনবা অনিগুবনা অর্থ খঙ্‌নবা হোৎনমিন্নৈ। ফনা মপূং ফারব প্রতিভা শাগোন্নহনমক্‌পু অনৌ-অনৌব পোৎশিং পুখোক্লিব মীওইনা অরুব-অরাব খুত্তম্‌শিং থেংনবা অহুগা মী অমনা নিংখিনা শেম্‌শারঃনা পুখোরক্লব পোৎকী ময়েক্ শেংনা মহাও খঙ্‌বদা তরায়না থোক্কবা, তরায়না লাম্থোক্‌ফত্রব বাক্যম্ অনিসি শাগোন্নবদি শোয়ক্তব হৌনশানি। অরু-অরুব মতাংশিংদা গণেশকী কলম্‌সি অফা-অপুন্ নঙ্‌বগুম্না পল্লি; ব্যাসদেবগী অথুপ্প বাক্যম্‌সি করিনো? থম্বে। মাহাক্না থল্লিঙৈদা ব্যাসদেবনা অতৈ শ্লোক্‌শিং শেম্‌হৌই। অসুম্না অমনা অমগী মতেং লৌনরহনা লাইরিক্ কয়া লেংখি।

হৌজিক্ শেংলে— ইবা, য়াম্না জ্ঞানতানা, মনুং যুম্না খঙ্‌না ইগদবনি। হায়দোক্লিবহন্সু অসুক্কী মতীক্ শেংনা খোম্থোক্ চুন্না হায়দোক্কদবনি মহুদি— হায়দোক্লিব মহামক্না মমূত্তানা খঙ্‌লিবা অদুগুম্না তারিব মীবুসু খঙ্‌হন্‌গদবনি। মরম্‌শিং-সিনা লেখককী থবক্ মাহাক্কী সাহিত্যদা লৌরিব দায়িত্ব য়াম্না চাউই। ব্যাস-গণেশ অনিমক্কী থবক্‌সি পুন্না সাহিত্যকার অমত্তনা তৌরিবনি, অসিমক্তুনা মাবু অনৌব লৈশেংহনি, শীংথানরি।

ঐখোয়না 'সাহিত্য' কৌব প্রবন্ধদা মাগী মথল্ অহুম্ থায়দোক্লিবসিমক্ পুন্না লেখক্‌শিংগী পোথোক্ ঙাক্তনি।

মথোয়সিগী বিষয় অমমম্‌দা চংশিন্দুনা থিরুবদা পাক্‌ লোয়ব নত্তে, পুন্সি চুপরিবনি, কায়নথংদা মীনা মাবু মশক্‌ থর থয়া খঙ্‌নবিরক্লিবনি, মহাসমুদ্রশিংগী মগুণশিং শীংথানবা ঙম্মদবগুম্বনি।

হায়নরি—'থাংশাংগী মপাঙ্গলদগী কলম্‌গী মপাঙ্গলনা কয়া হেল্লি, থাংশাংনা ঙমদ্রব থবক্‌শিং কলম্‌না পাঙ্‌থোক্‌পা ঙম্মি। চুম্লব রাক্সম্‌ অসিমরুম্‌ থোর্জেপায়রিবশিংগী দায়িত্ব চাউবা হেন্‌গৎহল্লি। মীওইব মপুক্লিং-রাথলনা লেপ্লিবশিংদু কোন্না মথুংমা পাঙ্‌থোক্‌ই। ঐখোয়না 'সাহিত্যদা মনস্তত্ব' কৌব প্রবন্ধদা মাগী অকুপ্প ফিরেপ্‌ অমম্মং সাহিত্যদা মাগী মথৌগী রাক্সম্‌ উৎখরে। মতাং অসিগী ওইনা হায়নীংবদি—মীওইবন মমাল্লব অতৈগী পুক্লিং-রাথল'পুম্ব জয় তৌনীংলবদি সৃজনশীল সাহিত্য পাম্বৈনরক্তুনা থীন্দুনা তাক্‌হন্বা, লম্‌জীংহন্বা তঙাইফদে। চানরব সাহিত্য-লৈচন্না নত্তনা অচম্ব পাউ পীবনদি পুক্লিং-রাথল্‌ জয় তৌবা য়াদে। খুদম্‌ ওইনা— 'নহারোল্‌ থবক্‌ ফংনদ্রে, করিগুম্ব অমত্তং ফংননব হোৎনবদা মশাগী ইজ্জৎ-মান-সম্মান, শেল কয়া চাদীং তৌনরে, কায়নথংদা ইমুং-মচুংগী মীওইফাওবগী ইজ্জৎ অমম্মং ধর্ম্ম ফাও মাঙ্‌হল্লবতদা করিগুম্বদা থবক্‌ অমা ফংবা ঙম্মি।' মসি অচম্ব পাউনি। 'সাহিত্যগী সত্য' প্রবন্ধদা য়াওখিব সাহিত্যকারগী 'ডায়রী নোট' অদুগুম্বনি। মসিবু সাহিত্যকারনা রারীমচা, লীলামচানচিংব সাহিত্য লৈচন্‌ শেম্‌দোক্তুনা অহাম্বদা সত্যম্‌-শিবম্‌-সুন্দরম্‌গী মঙ্‌লৈবাক্তা ভাবোক্‌শিংবু তাওহল্লবদি মথংগী খেপ্তা সাহিত্যকারতুনা নৈনরিব সমস্যাতুদা (মানা ভা-বোক্তা রাকৎলিবতুদা) লেপ্পমক্‌ থবক্‌ পায়থৎনীংগনি শোয়রোয়, তৌবতবু হায় ইচম্‌ চম্লব পোৎ অদু হেক্‌ শোক্লুবদা স্নাওন্‌হন্বা ঙম্ব লেখককী স্পর্শমণি পাঙ্গক্কুরব থোর্জে তঙাইফদে।

থাংশাংগী মথৌনাদি গুণগী হক্‌চাঙ্গী পাঙ্গল লৈরিবৈ-মথৈতগীনি, মথা তাদে, মতম্‌ শাংদে। (১) শারীরিক বলনা

খাংশাং পায়দুনা মপাঙ্গল লোয়না শীজিন্নব ওল্লিবমথৈ শক্তিগী য়ুবী য়াক্পী শানৈ। মসিগী ফত্রব হু অমনা—অমনা অমগী মথক্তা লম্মন্ শীঙ্গদবগী তাঞ্জা য়েংনদুনা লৌ হৌরক্পা ঙাই-নদুনত্তা লৈনৈ, তত্তনা শক্তি পরীক্ষা তৌনৈ; শক্তি লোয়রগা লোয়রে। (২ আত্মিকবলনা জয় তৌরক্পদি অমুক্ হন্দোক্লবা য়াদে, মপুং ফানা জয় ওইথি। মায় পাক্লব সাহিত্যকারহুগী সাহিত্য লৈচন্না শোক্লুব ভাবোক্কুনা মতুংদা লেপ্পিরহুনা মাগী মীচং চংবিরকই। অসিনি—খাংদগী কলমনা পাঙ্গল্লিব মতৌ।

সাহিত্যদা লেখককী দায়িত্ব অসুক্ চাউরিবা মাবু মীয়াম্ন কোক্ নোল্লিব মতৌ, উরিব জগৎ অসিবু মানা নৈনা অমুক্ শেম্লিব মতৌ—ময়াম্সি মাহাক্না কলম্ পায়রিঙৈ ইথোরক্পা তাঞ্জা খর অহুতগী, মপুন্সিগী য়াম্নমক্ মপুং ফারব মিংকুপ্ অহুতগী অয়োবী থাক্কী প্রশংসানি; অহুন্নদি ওইরগা মাগী মীয়াম্দগী মীথোয়-মীহেন্ন রাথল্ ইথোরক্পগী তাঙলব তাঞ্জা অহুতনা মীয়াম্দগী মীকোক্ থোংলিবনি; অহুবু লুরিবদি মাহাক্কী তাঙলব মগুণশিংসি কদায়দগী কম্দৌনা ফংগনি? লেখককী তাঙলব মতম্ (ইননব মপুং ফারব তাঞ্জা) অসি লাংলব মতম্ অমসুং সমাজ অসিদগী থায়দোক্কুনা লৌবা তাবনি। ঋষিযুগকী চিক্লব-ইংলব তপোবনহু, মী লাংদ্রব ইপোম্ হৌদ্রব তাঞ্জাহুদি হৌজিক্ ফংলরোই। লাংলব সমাজসিদা লৈহুনা মসিমক্কী মপাও মঙোন্দা তম্বা তাবনি। চাউরব বন, হৈকোন্-লৈকোন্শিংদুগী মহুত্তা পীক্লব লৈকোন্, পীক্লব গাম্না, ফুলগাশ্কী মুংঙাইব-ফজবদা পেম্বা তাবনি, পীক্লব ফজবগী সীমাহুংদগী পাক্-চাউরব ফজবগী লম্দম্লোম্দা চীংথোক্পা তাবনি। লেখকনা কলম্ পায়রিঙৈদি—লাইনীংলিব মুনিগী মতৌ, প্রেমীগীদমক্ ঙাওরব প্রেমিকাগী মতৌ, মচা নোঙ্গাথ্রবদা মোল্লংদা লৈরিবী মমাগী মতৌ মথোয় অসুন্না ইগদৈরিব বিষয় অহু চেৎনা

খন্‌গদবনি, চে-কলম্‌ পায়রিঙৈমখে য়াম্ন পুক্নিং লৈত্তাগদবনি। লেখকনা থোর্জে পায়ত্নুনা ইবা হৌরক্‌পদা মপান্‌গী সংসারসি কাওথোক্নুনা, মাগী বিষয়দুগা মাগী পুক্নিং-থাখল্‌গা চাননা নপ্‌ শিন্নখিবা তঙাইফদে। থোপ্‌-থম্মোই পুক্নিং-থাখল্‌পুম্ব ইগদৌরি বিষয়দুতগী মথাপোন্‌ খিবা তঙাইফদে। কবি চাউবগী শৈরেংসিনা থাফম্‌সিগী মচিদু ফোঙ্‌দোক্নি—

নঙ্গা মরুপ্‌ ওইবদা
ঐগী থাখল্‌ মরুপ্ন
মালংগী তাম্থা চানবা
লৈনা জগোই সারিবা।
— চীঙ্গী লৈরাং অমদা, থাইনগী লৈরাং।

নৈনরিব থাফম্‌ অসিগা য়াম্ন চানরব খুদম্‌ অমা মহাভারততা য়াওরি—তরানিপালনি চুপ্না শোক্নরুব লালজাউ লোয়রবদা, যুধিষ্ঠিরস্মু হস্তিনাপুরদা হল্লিলক্লদুনা ময়াম্‌দু মুংঙাইনা থারী শানরম্মি। মহৈমহৈ পুক্নিংমকা থাম্নরবদুদা অর্জুননা শ্রীকৃষ্ণদা হায়জখি—

বিদিতং মে মহাবাহো সংগ্রামে সমুপস্থিতে।
মাহাত্ম্যং দেবকীপুত্র তচ্চ তে রূপমৈশ্বরম্‌॥
যত্তু তদ্‌ ভবতা প্রোক্তং পুরা কেশব সৌহৃদাত্‌।
তত্‌ সর্বং পুরুষব্যাঘ্র নষ্টং মে ভ্রষ্টচেতসঃ॥
মম কৌতূহলং ত্বস্তি তেষ্বর্থেষু পুনঃ পুনঃ।

মহাভারত, আশ্বমেধিকপর্ব (অনুগীতা) ১৬, ৫—৬

অর্জুননা হায়জখি— পাম্বোম্‌কল্লব দেবকীনন্দন, ইবুংঙোগী চানব লাইওইরব নতীক্‌-নগুণশিংদু, হন্দকী লালফম্‌দা শেংনা থঙ্‌লরে। নহাক্না উহন্বিখিব শক্‌ফম্‌দুমক্তি চানব তাঙ্‌লব ঈশ্বরস্বরূপনি।

মৃণালকুপী অধোয়ব কৃষ্ণ, ইবুংঙোনা ননাইবু মরুপ অমা ওইনা চাথিরক্তুনা লালক্ষম্দা তাক্পিখিব পাউতাক্'পুম্বদ্ (শ্রীমদ্ভগবদ্গীতাদ্) ননাইনা লালগী থবক্শিংদা পুক্নিং চোয়-খিবমা হৌজিক্ লোয়্না কাওখরে। মাধব, তাক্পিখ্রিব পাউতাক্ পূম্নমক্তু ননাইনা হৌজিক্সু য়াম্না তাজনীংই, অমুক্তগা তাক্পিখো।

বাসুদেব উবাচ—

অবুদ্ধ্যা না গ্রহীযস্ত্বং তন্মে সুমহদপ্রিয়ম্।
ন চ সাদ্য পুনর্ভূয়ঃ স্মৃতির্মে সংভবিষ্যতি॥
নূনমশ্রদ্দধানোঽসি দুর্মেধা হ্যসি পাণ্ডব।
ন চ শক্যং পুনর্বক্তুমশেষেণ ধনঞ্জয়॥
স হি ধর্মঃ সুপর্যাপ্তো ব্রহ্মণঃ পদবেদনে।
ন শক্যং তন্ময়া ভূয়স্তথা বক্তুমশেষতঃ॥
পরং হি ব্রহ্ম কথিতং যোগযুক্তেন তন্ময়া।
ইতিহাসন্তু বক্ষ্যামি তস্মিন্নর্থে পুরাতনম্॥

—মহাভারত, আশ্বমেধিকপর্ব (অনুগীতা) ১৬, ১০—১২

ঐহাক্না লালক্ষম্দা তাক্খিবশিংতু নহাক্না নরৌশিং কত্তবনা লোয়না লৌশিন্না ওম্হৌদ্রিবসি য়াম্না মুংঙাইতে। হান্না তাক্খ্রিব য়াক্কম্ পাউতাক্শিংতু হৌজিক্ অমুক্ লোয়না নীংশিংদুনা তাক্পদি ওইখোক্লরোই। ঐনা তাক্খ্রিবশিংদু থাজদদুনা তৌরিবরা নত্রগা নরৌশিং কত্তবমক্তনা লোয়না লৌশিন্হৌদ-বরা, ময়াম্দু মাঙ্হন্খিবদুদি পাম্মুই, অরাবনি! লুরিববু ময়াম্দু হৌজিক্ চিংখদনা তাক্পদি ওইখোক্লরোই। লালক্ষম্দা ঐহাক্না নঙোন্দা তাক্খিব ধর্ম্মদুদি পরব্রহ্ম থঙ্নবগীদমক্ য়াম্নমক্ মতীক্ চারব-য়াংলব লম্বীনি, হৌজিক্ অমুক্ ময়াম্তু চিংখদনা তাক্পদি ওইখোক্লরোই। লাল হৌরম্দায়দা নঙোন্দা ধর্ম্মতত্ত্ব তাক্খ্রিব ঐগী খুত্তাক্তুদি—য়াম্নমক্ তাঙ্লব অখন্নরব ফিরেপ্ অমদা লৈরদুনা হায়বদি পুক্নিং-য়াখল্'পুম্ব অমত্তা ওইনা চোক্শিন্না

লাক্‌শিল্লহন্না—যোগযুক্ত ওইরগা পরব্রহ্মগী রাকম্‌শিংহ তাক্‌-খিবনি, অথন্নবনি, হৌজিক্তি হায়না তাক্‌খিবহুগী সুপ্নগী অরিব ইতিহাসমথৈ তাক্কে, নপুক্লিং চংনা তারো।"

অসি হায়রগা শ্রীকৃষ্ণনা মশামক্না ব্রাহ্মণ অমদগী তাব্রহৌব ব্রহ্মতত্বগী ইতিহাস অর্জুনদা অমুক্‌হন্না তাক্‌পিখি—অধ্যায় নিফুমণ্ডা চংনা। মমিংনা "অনুগীতা" হায়না খঙনখি।

হৌজিক্‌ য়াম্নমক্‌ ময়েক্‌শেংনা খঙলে মহুদি— করিগুম্ব চঙ্খোম্ব লাইরিক্‌ অমা ইথোক্‌পদা চানব যোগসাধনা তৌবগুম্না পুক্লিং-রাখল্‌ পুন্নমক্‌ লাক্‌শিন্দুনা (মুনিনা লাইনীংবগুম্না) মুন্না রাখল্‌ খল্লগা চোক্‌শিন্না ইথোক্কদবনি।

রামায়ণ, মহাভারত, খম্বথোইবীশৈরেং অসিনচিংব মহাকাব্যশিংনা শীংথারিব রাকম্‌শিং, য়েক্লিব চরিত্রশিঙ্গী ফজবশিং, প্রকৃতিগী বর্ণনশিং, সংস্কৃতিগী মচাকশিং মখোয়সিনা তাক্লিব সত্যশিং-সিদা মীওইব পুন্সিগা চাননা নক্‌শিন্নবা য়ারিবা ওইথোক্লিব বিষয়শিংনা করি করিনো? চানবমক্তগী লাপ্তুক্লরব কবিত্ব শক্তিনা নোয়খৎ-চাউখৎহল্লিবনা করি করিনো? খোঁদোক্‌-রাথোক্‌-শিংহুদা কয়ানা লেপ্নমক্‌ থোক্‌খ্রিবনো? কয়ানা ভাবনা শারিবনো? রাকম্‌শিংসি লুদি লুই, অহুম্নদি ওইরগা মখোয়সি মমৃত্তানা নৈনবা তঙাইফদে। হৌজিক্‌ হৌজিক্তা নৌনা ফোং-ফোংশানা শানা থোক্‌খ্রিব রাথোক্‌-খোদোক্‌ রারীনচিংবগী কনাগুম্বনা সাহিত্য-লৈচন্‌ শেম্নরক্লিবশিংহুদম্ব অহুমঙাই—সাহিত্য-তগী ওইব অনৌব বিচার ধারা, তোপ্‌তোপ্ন মহাও অমদি পুক্লিং-রাখল ফোঙ্‌দোক্‌পগী অনৌব শৈলীদা সাহিত্যকারদুগী মরনাই চরিত্র শীংথাদা হায়রিব সাহিত্য লচন্দুবু নৈনগদবনি, নৈনরিবনি। লেখককী প্রতিভা, হৈশিংবা (অভিজ্ঞতা), কল্পনা তৌঙম্ব-শক্তি, মীমথল্‌শিংগী মনস্তত্ব (মনোবিজ্ঞান) কুপ্না খঙ্‌বা, হোৎনব কন্না (অভ্যাস লৈবা) অমুম্ব পাম্বৈশিংসি নিংঙ্খিনা

শীজিন্নদুনা অনৌব সাহিত্য লৈচন্দু চোক্শিন্না পুথোক্কদবনি। মরম্দি লম্ লমদ্গী চাউর চাউরব পুয়া পুরাণশিং, মহাকাব্য-শিং ইদুনা লেখকশিংনা অনৌব মী-রোলশিংদা পীবিরম্লিবদু-মক্তনা জাতি অদু লৈবাক্ অদু নোনা থাদুক্ শেম্গৎ-শাগৎ-নবগী থুক্কম্, অনৌব যুগকী আদর্শ ওইরব মচাক্ লোনকম্ ওইনরিবনি।

বাল্মীকি রামায়ণ ফোঙ্ড্রিঙৈদা, ব্যাসকী মহাভারত ফোঙ্-ড্রিঙৈদা অঙাহনলগী খম্বথোইবী শৈরেং ফোঙ্ড্রিঙৈদা—মহা-কাব্যশিংসিনা উৎলিব আদর্শশিং নত্রগা মখোয়দু নত্তব লোখৎ-নিংঙাই ওইত্রব অতৈ রাফম্ কয়ামরম্ লৈরম্ব য়াই—মহাকাব্য-শিংসিগী বারীদা অমদি মখোয়সিগী সমাজদু মক্তদা, তৌইগুম্বসুং শীংথানরিব সাহিত্যকারশিংসিগী মমল্ নাইত্রব প্রতিভানা শোক্লু-বদা স্পর্শমণিনা শোক্লুবদা য়োংনা স্না ওন্থিবগুম্ কবিনা পাম্বা লোৎরিব বারী-থৌদোক্শিংদু লোয়না স্না ওন্থি কবি প্রতিভাগী মঙালদা; মুমিৎ মঙালদা জীবশিংনা য়াইবী মকারাম্না হিংনবগুম্ অরি অনৌ মী-রোলনা হিংনরি, আ-তুংগী মী-রোলসু হিংনগনি; কবিমত্তা চিংনিঙাই লৈতে।

রামায়ণগী আদর্শ, মহাভারতকী আদর্শ, খম্বথোইবী শৈরেঙ্গী আদর্শ হায়নরিব'পুম্বসি সাহিত্যকারশিংদুগী থোয়দোক্ল তাঙ্লব প্রতিভাশিংদুগী মগুণশিং অদুতনি, অতৈ কবিসু নত্তে, মখোয়গী খোর্জৈতনা শান্নরম্বনি। মখোয়না শেম্নম্ব অনৌব জগৎ অদুদা ভাবোক্না পেম্নজবনি। ইশিন্দুনা থম্মোৌরিব অদুতনি লেঙ্ড্রিবা। থুদম্ থরা নৈনসি—মণিপুরগী মতম্ অদুগী সমাজগী শিভম্ অদুমক্তদগী মচাক্ লোৗরগা লেঙ্থোক্থ্রব 'মাধবীদা' মকম্ মতম্গা চান-চুনত্রব রাকম্ কয়ামরম্ য়াওরি—রাজকুমার বীরেন্গী ফুঙ্গা মপান্দা ইকোয় কোয়না কম্লিব অহল্ মরি-মচাদুনা—'লোল্দি ফনা মফরে হায়ববু থবক্তি ইফং ফংদে,

কান্নরোই লাইরিক তম্না তোক্লো, খবক্‌ শিংননবনি।' বাকম্‌ অসিদা মাধবীগী মতম্‌ অতৃগী মৈত্রবাকী ঙিতম্‌ (সামাজিক অবস্থা) মতাঙুদা লাইরিক্‌ হৈরগা খবক্‌ ফংদে হায়রিক্লিবলি লেখকনা মশাগী অনীংবা (অপান্বা) পন্থ্‌ংফম্‌ অমা য়েন্নবা হোৎনবগী মথা পোন্‌খিবনি, বাকম্‌ অসি মাধবীগী সমাজদ্‌গদি চানদবনি।

"অঙক্‌পা লুহোংবা" মঙাংদা— (১) 'মতম্‌ অদুমক্তদা মমাং শঙ্গোইগী কাচিন্দগী মুপীমচা অমা খোয়কু্না বরগী (বীরেনগী) ঙকশমদ কৈপরেং হুক্‌খে।' (২) 'রাজেন্না বা অনিখোক্না খুয়দনা মচানুপীবু ভুবন্দা কন্যাদান কত্তুনা মশাগী অরান্‌বা চুম্‌থোক্‌খি।' (৩) বন্দীশংদগী লুহোংফম্‌দা খুদক্তা পুখোরক্লব শশীদা—'বীরেন্না মরুপ্‌কী অবামন্‌গীদমক্‌ মনা ওইনা ঐগী ইচনন্‌পী অসি কৎলবনি' হায়দুনা মচন্‌ ইবেম্মা খম্বাল নসাবু শশীদা কন্যাদান কৎখে।' মতৌ অসুম্না মফম্‌-মতম্‌ অমত্তদা লুহোংব অহুম্‌ থোন্‌খিব মতাসি মাধবী মতম্‌গী মৈত্রবাক্তা অদুগা হৌজিক্তালগী মণিপুরী সমাজসিমক্তদ ফাওবা ইচাচানদে, তুংদসু পাক্‌ ওইথোরক্তদবা নত্তে। মসিসু লেখকনা মশাগী অনীংবা (অপান্বা) পন্থ্‌ংফম্‌ অমগী মথাপোন্‌থিবনি।

সাহিত্যনা পুন্সিগী ব্যাখ্যা তৌই হায়নরিবসি উৎলিব মাধবীগী থেংদোক্‌শিংসিমক্‌পু ইওই ওইথোক্লরোয়দবনি হায়না অর্থ (অভিপ্রায়) লৌনবদা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মখোয়সিগী মনুংগী সত্য করিনো? [সাহিত্যগী সত্য প্রবন্ধদা নৈনখিব বা লৌরগা] হিরম্‌দুগী অরেপ্প বা লৌশিল্লগা লেপ্‌কদবনি। ওইথোক্লরোইদ্রবশিংবু পুন্সিগা নক শিন্নবা নফু-হাফু (বলাৎকার) উৎলুবনদি মদু ওইবা য়ারোয়। "অঙক্‌পা লুহোংবগী" উদ্দেশ্যদি— (১) করিগুম্ব পাম্বৈ অমনা উরীরৈ-বীরেন্‌ থুংনহল্লতনি, লুহোংব য়েংবা লাক্‌পী ঙিজোল চম্মন্‌খিবনা মফম্‌-মতম্‌দুগা চুনজবী [অঙাওবীগুম্নবী] কাচিন্দা

লোংলবী নুপীমচা অমনা মীগীনি হায়না লাক্লিব বরদা লৈপরেং হুক্খিরবা থোদোক্নমক্তম্বু উৎনীংলুবা নত্তে। (২) মীয়ামগী ওইনা লাল্লা চখরিব চুম্ত্রব চংনবী অসিবু [কমলগী মিৎয়েংদা] রাজেন্না খুদক্ অহুমক্তদা তঙাইফদনা চুম্থোক্হৌদবা য়াদে মতাওম্ চুম্থোক্খিবা নত্তে। মখস্তনা চুম্থোক্লিবনি উৎপতনা হেক্ য়াবস্থু নত্রি, তৌইগুম্বসুং মীনা খুদাং পায়রুরবী [কন্যা-দানগী অশেংবহু মাঙ্খ্রে চিংনরব] মচানুপীদুবু ফান্দুনা পুরক্লব-দুদা অতৈ উপায় উদ্রদুনা বীরেন্গী অপাম্ব মতুংইন্না [ফিতম্-শিংসিনা য়াত্রন্দুনা] খুদক্তুমক্তদা কন্যাদান তৌখিবনি। মসিমদি পুম্চান্ চানবমক্ নত্রবস্থু খজিক্তি মচানরি। (৩) শশীবু বন্দীশংদগী লুহোংকম্দা খুদক্তা হেক্তা পুথোরক্পা অহুগা মবুংনা য়াশক্খিবা কায়দনা থস্বালসনাবু শশীদা লুহোংখিরবা থোদোশিংসি অওইবমক্ লেখকতগী পাম্জরব খুৎশেম্শিংনি, মখোয়সিনা পুন্সিগী চানব ব্যাখ্যা ওইনবমক্তি মপুং ফাজি। মখোয়সিগুম্বনা পুন্সিগী ব্যাখ্যা ওইনগদবা অদুগা অসিগুম্ব-শিংসিদগী সাহিত্যগী সত্যমক্ লেপ্কদব য়ায়েপ্তি (মওংদি) অমনি। থাইনা—

নুংশি চাংঙ্গেং পন্থেংদা য়াইবী য়োল্লা পাউখুম্বা,
চায়না পুংদা লেপ্তুনা অচৌবা থবাক্ লোংথিবা,
ঈকোপ্ পুংদা কাওফাবা, খোইরেন্তাক্তা কৈফাবা।

— নীংঙম্দবা, নদীয়া

থোক্খিরব থোদো মতা অহুগুম্না শাবী-শানৌশিংগী নুংশি-লৈরাং মপুংফানা লৈশাত্তম্হন্দুনা মহয় য়ালহন্নবনি ; ফনা য়ৈখায়-থীন্গায়হুনস্থু কায়নথংদা অচুম্বনা জয় ওইবা শোয়দবনি, উৎপনি কমলনা 'মাধবীদা'।

অতোপ্প খুদম্ অমগা—

হিরম্ কয়ামরূম্দা য়াম্নমক্ মপুংফানা আদর্শ ওইরব রামনা অকম্ব অনি মতীক্চানা লাম্বা পানরিঙৈদা সুগ্রীবগী

ময়াম্ব য়োং-নিংথৌ বালীবু উরুম্দগী লুম্থুনা হাংখি্রবসিমক্, সত্যতদা পুংয়ান্ লেপ্লিব রামগী চরিত্রদা অকায়ব লৈরবসু আদি কবিগীদি অপাম্ব পম্বুং য়েনিনবগীদমক্ হায়বদি—মহাক নত্তনদি 'সীতা উদ্ধার' তৌবা য়াররোয়, মৈ শাক্কী থম্লহুনা মরুপ্ ওইনখ্রব স্বগ্রীবত্বগী আতিতায়ী য়েক্কবত্ব মাহাক্মকীসু আততায়ীনি নীং রামনা কান্নগদব লম্বী অনি (তারা ফংবা সীতা ফংবা) য়েংলহুনা থবক্ অদু পাঙথোক্খিবনি। মসি কবিগী তোপ্ তোপ্প প্রতিভাগী অনৌব স্বষ্টিনি।

লেখককী য়াম্নমক্ চখোল্লব প্রতিভানা পুথোরক্লব, তেং-বাম্ব'পুম্বনা ঙক্কা থাগৎনরব অনৌবা স্বষ্টিগী খুদম্ অমা য়েংসি—মহাভারত, ভাগবত পদ্মপুরাণ অহুম্মক্তা য়াম্ন শম্ন ময়াংকংলবী বারী অমা ওইনা য়াওরিব চুম্নগী উপাখ্যান—চম্নব শকুন্তলা উপাখ্যান্ অসি ফজরব অনৌব স্বষ্টি কয়া পুথোক্পা হৈরব মহাকবি কালিদাসনা—দুষ্যন্তগী মুংশি-বাখলদা মোম্রংনত্বনা অঙাওবীগুম্ ফম্লিবী শকুন্তলাদা—নোংমংদনা বজ্র তারক্লব দুর্ব্বা-সাগী শাপ্, রাজচক্রবর্ত্তী দুষ্যন্তনা আশ্রমদুদা গন্ধর্ব্ববিবাহ মতম্দা পীরম্ব রাজচিহ্ন য়াওরব খুদোপ্ মপ্রোয়ব মরান্য়াই নিংথৌ কোন্দা থীল্লকপদা ঈশিংদা তাথিবা মদ্বু ডুম্—ভা-কাবনা ফংদ্না নিংথৌদা কৎলুবা অসুম্বা লেখকনা শেম্জিম্বা থোদোক্শিংসিমক্তনা—অহাম্বদা (অহৌবদা) ঈথৌলাংব মথা পোম্না চম্বা মপাম্থোংগী চীংশিম্নব বাখলতনা মুংশিনরম্ব প্রণয়-সঙ্গীততগী অরোয়বদা (ভরত পুক্কচাউ—মতৌ য়েংবা মুংঙাই-রবদা) বাংলব-শেংলব স্বর্গগী ওইরব সাত্বিক প্রেম ওইখি। দুষ্যন্ত-শকুন্তলা অনিগী কল্লব নুংশি লংলা ভরতনা ওইখি। মাহাক্কা পলেম্-পম্থৌ অনিবু স্নেহবন্ধনদা পুন্শিঙখি। অসুম্ব থোদোক্শিংসিমক্তনা শকুন্তলা উপাখ্যাননা "অভিজ্ঞানশকুন্তলম্" বাংলব পদবী ফংখি। অসুম্বা স্বষ্টিসি বাংলব কবিশিংগী

কাব্যজগৎকী স্বর্গগী লৈকোন্দতা ওইথোক্লিবনি। কালিদাসকী সৃষ্টিসিমক্ নৎলমদ্রবদি নাটক্ অসিগী ঋারীসি চুম্নগী চল্লব ঋারী অমদগী হেল্লম্লোই।

হান্না চল্লপ্ন লৈরম্লব ঋারী ওইরবস্থু নত্রগা ইরৈ-লৈরমদ্দবদগী সাহিত্যকার মশামক্কী প্রতিভাতনা শেম্গৎ-শাগচ্চরব ঋারী পরীংবু ওইরবস্থু লেখকনা মনীংতম্না সাহিত্য লৈকোন্দা শেম্জরিব থোৎ-নৌরব মনম্ মুংশিরব সাহিত্য লৈরাংতনা মীওইবগী পুক্নিং-ঋাখল্ অমসুং থম্মোই-থম্বালবু চুমিৎ মঙালনা থম্বাল্ শাংকায়হম্বগুম্ শাংকায়হল্লি। কবি-প্রতিভাগী মঙাল্তনা কাব্যজগৎকী [অতৈ কলাজগৎকীসু] সত্যম্-শিবম্-সুন্দরম্ পূম্না মহয় য়াল্হম্বা ঙম্মি। মখোয় অহুম্সিগী পূম্না শুপ্চিল্লব মমিংদি 'ফজবা' হায়না খঙ্নৈ। ফজবা হায়বসি অওইবমক্তি—সাহিত্যকারগী [অতৈ কলাকারগী] অথোয়ব প্রতিভানা পুথোরক্লিব তাঙলব মিৎকুপ্কী অথল্লরব পোত্থোক্পুনি।

সাহিত্যদা সমালোচনা—

সমালোচনা— সম্ (চম্থোম্না) আ (মাইকৈ পূম্নমক্তা— হিরম্ পূম্নমক্তা) উপসর্গ অনিসিনা থক্তা কাব লুচ্ ধাতু (য়েংবা খঙ্জিম্বা ক্রিয়া) কৃদন্তগী অনট্ প্রত্যয় ঋাহৈসিগী অর্থনা মান মরম্ ওইদুনা করিগুম্ব পোৎ অমা য়াম্ন কূপ্ন কাচিন্-কোয়া য়ৌশিন্না (মনুং-মপাল ফাওনা) য়েংলদুনা খঙ্জিম্বা, হায়বনি। সমালোচনা ঋাহৈসিগী মচুৎশিন্না —'সমীক্ষা' হায়ব অমসু শীজিন্নরি। সম্ উপসর্গনা থক্তা কাব ঈক্ষ্ ধাতুনি আ প্রত্যয়নি ; অর্থনা চম্থোম্না য়েংদুনা খঙ্জিম্বা হায়বনি। করিগুম্ব পোৎ অমবু মনুং-মপাল্ ফাওনা য়াম্ন মুন্না খঙ্নিঙাইমখৈ খঙ্লগা মানা (সমালোচক অদুনা) লৌরিব পোকপুগী মহাওচুবু ভাবোক্তা অমুক্

মপুংফানা পাউ তম্বোকপা, মসিনি সমালোচনাগী থবক্।

ভারতকী সাহিত্যদা— ইহান্ হান্ন ওইনা বেদনা সমা-লোচনাগী মরূহন্থি [বাকম্সি ঐথোয়না বিষয় প্রবেশতা নৈরদি] পুরাণশিংদা মশোল-চোং মরা পাম্না হৌখি। মসিগী চানব শক্তমক্তি সংস্কৃত মহাকাব্যশিং অমসুং অতেই কাব্যশিংগী মতমদা মপাল-মউ মপুংফারহনা মশা-মরেং শন্নোকপা উবে। অমসুং গদ্য কাব্যশিংগী টীকা ইবশিংনা ছন্দ অলংকার রসমচিং-বগী মরমদা কূপ নৈনরহনা কাব্যগী মগুণশিং পুথোক্ই। খুদম্ ওইনা—

উপমা কালিদাসস্য ভারবেরর্থগৌরবম্।
দণ্ডিনঃ পদলালিত্যং মাঘে সন্তি ত্রয়ো গুণাঃ॥

— মহাকবি কালিদাসনা উপমা অলংকারদা মহয় য়াম্লি, ভারবিনা অর্থ য়াম্না থোক্পা হাহে শীজিনবদা মহয় য়াম্লি কবিদণ্ডীগী লোল য়াম্ন ফজে [কনাগুম্বনা—নৈষধগী লোল য়াম্ন ফজে] অদুগা হায়রিব ফজরব গুণ অহুম্মক্সি পুম্না মাঘ কবিনা লেংব কাব্যশিংদা লৈবা উই।

উদিতে নৈষধে কাব্যে ক্ব মাঘঃ ক্ব চ ভারবিঃ।

— নৈষধনা লেংব কাব্য কাওরক্লবদা মাঘনা কদায়দনো, ভারবিনা কদোম্দনো?

উত্তরে রামচরিতে ভবভূতির্বিশিষ্যতে।

— ভবভূতিদি মাগী উত্তররামচরিত কৌব রূপক অসিনা মরম্ ওইহনা সাহিত্যজগত্তা ফোং ঙানখি।

কাব্যেষু নাটকং রম্যং, তত্র রম্যা শকুন্তলা।
তত্রাপি চতুর্থোঽঙ্কঃ, তত্র শ্লোকচতুষ্টয়ম্॥

— কাব্যলক্তা নাটকনা অথোয়বনি, নাটকলক্তা অভিজ্ঞান-শকুন্তলম্না অথোয়বনি, মহুদসু মরিগুব অঙ্কনা অতৈগী শ্লোকনা,

হেন্নি। করমব মখিত্তব অকানিদা অমুক্ শ্লোক্ মায়থক্তি খোয়দোক্লা লিংথিজে।*

অসিমচিংব সমালোচনাগী পোৎশিংসি কাব্যশিংদা চাওখৎ-লবদা চাওরাক্লা ইংশোক্ ৪৭৩ (মালব সম্বৎ ৫২৯) অমাই অমসুং অসিগী মমাংদগী হায়রিব পোৎচংশিংসিসু—মহাকাব্যশিং অমসুং অতৈ কাব্যশিংগা লোয়ননা চাউথৎলকই। ভারতকী ইতিহাসতা হিরম্ কয়ামরম্দা খোয়দোক্লা চখোল্লকনি শীংখা-মরিব গ্রন্থগা অসিদদি—কাব্যশিংগী টীকা ইকত নত্তনা চানব স্বতন্ত্র সমালোচনা শাস্ত্র কয়ামরম্ উবা ফংলে। লক্ষণগ্রন্থ কয়ামরম্ পুথোক্লরে। রাজশেখরনা লেংবা কাব্যমীমাংসাদগী বাকম্ অমা য়েংসি—

স চ কবেঃ শ্রমমভিপ্রায়ঞ্চ ভাবয়তি। তদা খলু ফলিতঃ কবেঃ ব্যাপারতরুঃ অন্যথা সোঽবকেশী স্যাৎ। —কাব্যমীমাংসা

— সমালোচককী মতিক্ চাবব অমুক্ত খঙ্ব ঙম্লব প্রতি-ভাদুনা কবিনা হোৎনরিব—কায়দোঙ্বগী বাজথিব মতৌ কাব্যদু পাখৈসরগা মাহাক্না তম্লিব পান্দম্ (প্রয়োজন-অভিধেয়) অমসুং কাব্যদুগী মহুংগী ভাবপুম্ব ঙাক্সোকহল্লি। সমালোচককী কুপ্পব য়ৌশিং মবুদ্ধিত্তনা ময়ম্ ওইগ্রদুনা কবিগী হোৎনজমন্ উপালদুগী মহম্ য়াল্লি (কবিগী হোৎনজমন্দি—সমালোচককী অবামন্দগী মহম্ য়াল্লি) নত্রবদি অরেম্বদা মাঙ্ই। অগুইবমক্তি—চখোল্লব সমালোচকক্কী হোৎনজমন্তনা কবিগী কাব্য তরং তরংনা ঙাক্সোক্ই।

সমালোচনা তৌবগী য়াম্নমক্ মরু ওইরিব পান্দম্দি—কবিগী কাব্যদুবু মখল্-মখা কয়ামরম্গী মিৎয়েংশিংনা য়েংলগা মথোন্দা ফাওরিব মহাওদু অতৈ ভাবোক্ (পাঠক) শিংদসু

---

* অভিজ্ঞানশকুন্তলম্গী য়াম্ন শীংথানরিব শ্লোক্ মরিসি লাইরিক্ অসিগী লামায় ২৮/২৯ গুবদা 'সাহিত্যদা প্রকৃতিবর্ণন' মতাংদা য়াওরি।

ফাওহন্নবা (খঙ হন্নবা) হোৎনবা, পাঠকনা কাব্যহ্ মমুত্তানা খঙ্জনবগীদমক্ তেংবাংবিবা, কবিহ্গী অপান্ব পান্দম্দি অসিনি, হায়না শেংনা পুথোক্পা অহ্গা সাহিত্য-লৈচন্ অদুগা করম্ব মথল্গী সমাজগা চান্নরিবনো কদায়ফাও লাল্লিবনো কদায়ফাও চুম্লিবনো মখোয়সি লেপ্পা—মখোয়সিনি সমালোচককী মপুংওইব শিন্থাশিং। ৱাফম্ অসিবু কনাগুম্ব সমালোচকনা △ ত্রিভুজগী কোণ অহুম্গা পান্থক্লি শীংথারি, মওংদি অসিনি—

(১) সমালোচক মশামক্লা কবিগী কাব্যহ্বু মুন্না মমুত্তানা খঙ্গদবনি।

(২) খঙ্লব কাব্যদুগী ৱাদু লূপ্শিন্না নৈনদুনা মীমাংসা পুথোরক্কবা হোৎনগদবনি।

(৩) খঙ্লদুনা পুথোরক্লব ৱাফম্দু অতৈ পাঠকতা মরীক্চুন্না মচাক্শূনা পাউতম্গদবনি। কবিগী কাব্যদু ফনা ফজরবদস্মু ফনা য়োৌনা খঙ্লবদস্মু সমালোচনা তৌগদৌরিব সমালোচক অদুনা ফজনা ফোঙ্দোক্কুনা মরীক্চুন্নব লোলনা পাঠকশিংদা পাউতম্ববু মহৈত্রবদি মাগী সমালোচনাহ্ মীয়াম্গী ওইবা য়াত্রে, মথন্তা খঙ্জরগা পিক্লব ঙম্খৈনুংদা কাজিন্দুনা লৈরে। মরম্ অসিনা সমালোচকপু লোল অনি হৈরব মীগা (দ্বভাষিয়াগা) পান্থক্লি হায়নৈ। অওইবমক্লি—কবি অমসুং পাঠক অনিমক্কী লোল হায়বদি অনিসিদা চেল্লিব থুপ্লব ভাবশিং মমুত্তানা শিংৎশিংনা খঙ্লব সমালোচকনা অনিহ্গী মরক্তা লৈরদুনা পূন্না ৱারী শামিন্নবতনা সমালোচনা মহয় য়ান্গদবনি।

—অমুক্সু য়াম্ন কুপ্শিন্না নৈনবা তারবদা—মহয় য়াল্লব সমালোচক অমা ওইননবগীদমক্ মথাদা পীরিব মচাক্শিংসি ভঙাইফদে। (১) নৈনগদৌরিব কাব্যদ মকোক্কগী মতোল্লোম্ব ফাওবা চিংথদনা খঙ্দোক্পা। সমালোচক মশামক্ কবিমক্ ওইদবা য়াদে হায়বমক্তি নত্তে তৌইগুম্বসুং কবিনা খন্থিব থাক্

অহু য়ৌনা খন্থবদি কৈ, অহু য়ৌরবতদা কবিগী পুক্নিং-বাখলহু পাঠকতা পীবা ওম্‌গদবনি। করিগুম্বদা কবিনা কবিগী সমা-লোচনা ভৌরক্‌পা থেংনরবদি মহু চন্নাম্নরব মীনা চেখাও কংজবগুম্মি, কাকতালীয় ন্যায়গী মতৌগুম্ * নিংঙ্গিজৈ। অভিজ্ঞান শকুন্তলম্‌গী মরীদা—

বাসন্তং কুসুমং ফলঞ্চ যুগপদ্ গ্রীষ্মস্য সর্বঞ্চ যৎ
যচ্চান্যন্মনসো রসায়নমতঃ সন্তর্পণং মোহনম্।
একীভূতমভূতপূর্বমথবা স্বর্লোকভূলোকয়ো
রৈশ্বর্যং যদি বাঞ্ছসি প্রিয়সখে শাকুন্তলম্ সেব্যতাম্।

— মহাকবি গেটে

— বসন্তগী হৈরাং-লৈরাং পূম্না, গ্রীষ্ম ঋতুগী (ওল্লাংথাগী) হেক্ লৈরিব বৈভব'পূম্ব শূনা, মীওইবনা ফংনহৌনরিব অবা-নুংঙাইনচিংবগী পুক্নিং ইহুন্‌শিং অমত্তচিথদনা পূম্না অহুগা অমুক্তহু অবামৈচাক্‌শিং অমদি গুম্ফাংনিঙাই বাকম্‌শিং; পূম্না— মমাংঙৈদা অমুক্ত পূন্‌শিন্‌থিজ্রিব মখোয় পূম্নমক্‌সি মসিদা অমত্ত ওইনা ইপূন্ পূল্লরে নত্রগা [শম্না হায়রবদা] স্বর্গলোক-মর্ত্যলোক্ অনিমক্কী ঐশ্বর্য্যশিংবু পূম্না অমুক্তদা ফংনীংলবদি মরূপ্ অভিজ্ঞান শকুন্তলম্ পাবিগদবনি।

কবিগুরু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা—

"শকুন্তলাদা য়াওজরিব শক্তিগী মঙ্গলনা মরম্ ওইরম্নুনা মানা সিদ্ধি ফংখি (প্রেম মহয় য়ান্‌খি), মসিদা নিংথিনা মপুং-ফানা লোয়শিন্‌খি। শকুন্তলাদা ইচম্ চম্‌জব মতৌ, দুর্ব্বাশাবু থৌশাহৌদবগী চংজখিব মরাল্ অমসুং মদুগী অবাবা ময়াম্‌সি মঙোন্দা পূম্না লৈদনমক্‌প মশাদা য়াম্না তপ্‌থজব মতৌ, লৌশিং

* মুল্লহুনা মখোক্ লোয়রব কোনামহৈ'মগী মপাদা কাক্না হেক্ তোংলবদা খুদক্তা [তাঙ্গা চাক্লরদুনা] কেল্লক্‌পা থোঁদো অসিবু কাকতালীয় ন্যায় কৌই।

মাঙ্দব মতৌ, অমস্নং ঙাক্পিহৈরব গুণ মখোয়সিস্নু মঙোন্দা য়াম্ন চোক্শিন্না লেঙ্দনা লৈ। মহাকবি গেটেগী বা লৌরগা ঐহাক্স্নু মসি হায়নীংই মহুদি— শকুন্তলা নাটক হৌগৎলক্পদা কবিনা য়েক্লিব মাগী তনৌ-তনৌরব শকক্ম্সিমক্তনা য়াম্নমক্ মঙ্গল শক্ফম্নরব অরোয়ব মহয়তু (মাহাক্রা মচা য়াওনা মপুরোয়বগী নাপ য়াজবা ফংজবগী বাংলব প্রেমগী মহয়তু) নিংথিনা ফংজখি; মসিমক্তনা মহাকবি গেটেনা নাটকসিদা মর্ত্যলোক-স্বর্গলোক অনিবু অমত্তা ওইনা পূন্শিন্হল্লে, হায়রিবনি।"

— সংস্কৃত সাহিত্যকা ইতিহাস, শকুন্তলকী সমীক্ষা লা ১৯৫

কবিনা কবিগী মরোল্— অরাংব ভাব অহু শঙ্বগী খুদম্দা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা কুমারসম্ভবকী মরীদা হায়রিব বাফম্সিমস্নু কবি মশামক্কী লোলদা য়েংসি—

"প্রেমের মন্ত্রবলে মন যে সৌন্দর্য্য সৃষ্টি করে তাহাকে বাহ্য সৌন্দর্য্যের নিয়ম বিচার করিয়াই চলেনা। শিবের ন্যায় তপস্বী গৌরীর ন্যায় কিশোরীর সঙ্গে বাহ্যসৌন্দর্য্যের নিয়মে ঠিক যেন সংগত হইতে পারে না শিব নিজেই ছদ্মবেশে সে কথা তপস্যারতা উমাকে জানাইয়াছেন্। উমা উত্তর দিয়াছেন্— "মমাত্র ভাবৈকরসং মনঃ স্থিরং" —আমার মন তাঁহাকেই ভাবৈকরস হইয়া অবস্থিতি করিতেছে। এ যে রস এ ভাবের রস; সুতরাং ইহাতে আর কথা চলিতে পারে না। মন সেখানে বাহিরের উপরে জয়ী, সে নিজের আনন্দকে নিজে সৃষ্টি করিতেছে। শম্ভুও একদিন বাহ্যসৌন্দর্য্যকে প্রত্যাখ্যান করিয়াছিলেন্, কিন্তু প্রেমের দৃষ্টি ধর্ম্মের দৃষ্টির দ্বারা যে সৌন্দর্য্য তাহা তপস্যাকৃশ ও আভরণহীন হইলেও তাঁহাকে জয় করিল। কারণ, সে জয়ে তাঁহার নিজের মনেই সহায়তা করিয়াছে, মনের কর্তৃত্ব তাহাতে নষ্ট হয় নাই।

শান্তির মধ্যেই সৌন্দর্য্যের পূর্ণতা, বিরোধের মধ্যে নহে। কালিদাস তাঁহার কাব্যের রস প্রবাহকে সেই স্বর্গ মর্ত্ত্যব্যাপী সর্ব্বাঙ্গসম্পূর্ণ

শান্তির মধ্যে মিলিত করিয়া তাহাকে মহান্ পরিণাম দান করিয়াছেন, তাহাকে অর্ধপথে—"ন যযৌ ন তস্থৌ" করিয়া রাখিয়াছেন্ নাই। মাঝে তাহাকে যে একবার বিক্ষুব্ধ করিয়া দিয়াছেন্ সে কেবল এই পরিণত সৌন্দর্য্যের প্রশান্তিকে গাঢ়তর করিয়া দেখাইবার জন্য ইহার স্থির শুভ্রমঙ্গলমূর্তিতে বিচিত্রবেশী উদ্‌ভ্রান্ত সৌন্দর্য্যের তুলনায় উজ্জ্বল করিয়া তুলিবার জন্য।

জননী আমাদের দেশের প্রধানপদ; সন্তানের জন্ম আমাদের দেশে একটি পবিত্র মঙ্গলব্যাপার। সেইজন্য মনু (মনুসংহিতা লেখক) রমণীদের সম্বন্ধে বলিয়াছেন—"প্রজনার্থং মহাভাগাঃ পূজার্হা গৃহদীপ্তয়ঃ।" তাঁহারা সন্তানকে জন্ম দেন বলিয়া মহাভাগা পূজনীয়া ও গৃহের দীপ্তিস্বরূপা। সমস্ত কুমারসম্ভব কাব্য কুমারজন্মরূপ মহৎব্যাপারের উপযুক্ত ভূমিকা। মদন গোপনে শরনিক্ষেপ করিয়া ধৈর্য্যবাঁধ ভাঙিয়া যে মিলন ঘটাইয়া থাকে, তাহা পুত্রজন্মের যোগ্য নহে; সে মিলন পরস্পরকে কামনা করে, পুত্রকে কামনা করে না। এইজন্য কবি মদনকে ভস্মসাৎ করাইয়া গৌরীকে দিয়া তপশ্চরণ করাইয়াছেন। এজন্য কবি প্রবৃত্তির চাঞ্চল্যস্থলে ধ্রুবনিষ্ঠার একাগ্রতা সৌন্দর্যমোহের স্থলে কল্যাণের কমণীয় দ্যুতি এবং বসন্তবিহ্বল বনভূমির স্থলে আনন্দনিমগ্ন বিশ্বলোককে দাঁড় করাইয়াছেন; তবে কুমারজন্মের সূচনা হইয়াছে।

— প্রাচীন সাহিত্য, (রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর)

মতৌ অসুম্না অরাংব কবি অমনা অতোপ্পা কবি অমগী সমালোচনা তৌরককপসিদি ভাবোক্ত ইতোপ্ তোপ্পা মুংঙাইব অমা পী. মাহাক্কী ফজরব সাহিত্য লৈচন্দুমক্নসু সাহিত্য জগৎকী লম্বী অমা লময়াম্বিবগুম্মি। মরম্দি মুমিৎমঙালমক্তা য়েৌভম্ব্রব মকম্ য়েৌনা চংশিল্লিব মথোয়গী প্রতিভাছদি মীয়ামগীদি মিৎ-থক্লিঙাই মঙালনি।

সমালোচককী অনিশুব তঙাইফদ্রব গুণদি (২) য়াম্না চম্থোনব থম্মোইচেম্বা, পুক্চেল চাউবা অমসুং সহানুভূতি লৈবনি (লেখককী মফমদা মিনুংশি খঙনা বামিন্-নুংঙাইমিন্নবা—লেখককী পুক্নিং-

রাখলনা শাংনা-রাংনা চংশিল্লিব অহৃক্কী মতীক্ মাহাক্ সু খোঙবু ওইনা চংশিন্‌মিন্নবা), মাহাক্কী ভক্ত ওইবা, মখোয়সি সমালোচকক্কী তঙাইফদব গুণশিংনি। রাফম্ অসিবু গোস্বামী তুলসীদাসনা—"অচৌ অচৌবি লাইরিক্‌শিং মমূত্তানা খঙ্‌ননবগীদমক্তি ভক্তহৃদয় তঙাইফদে," হায়রম্মি। ভক্তনা ভগবান্‌গী রূপ-গুণনচিংবগী মথা পুম্পোন্ পোন্ খিবগুম্না সমালোচকসু লেখক অমসুং কবিহৃগী দৃষ্টিকোণগী, মাহাক্না খল্লিব রাখল্ পরীংহৃগী, কাব্যগী অক-কত্ত গুণশিংহৃগী মথা পুম্পোন্ পোন্ খিবা অহৃগা কবিহৃবুসু নীংজবা অমা ওইবা তঙাইফদে।

(৩) সমালোচকক্কী অহৃম্শুব গুণনা মীচং সঙ্গল নাইদবনি। করিগুম্ব কাব্য অমগী মরীদা নাক্‌পাক্ তানা য়েংনরক্লবদা সমালোচকতি চপ্ চানা ময়ায়লেপ্ কদবনি। অসিদসু 'নত্রি—মশামক্কী পুক্লিং-রাখল্‌হৃগী মায়য়োক্তা মীকাংলুপ্ অমা লেপ্ খ্রবমক্তদসু সমালোচকনা মশাগী অচুম্ব অরেপ্প ক্রিয়েগুগী করিগুম্বদসু থক্ হোঙ্ দোক্ফদে। সত্যমেব জয়তে। অচুম্বদি অমগুনি।

সমালোচকতি, কাব্যহৃগী নত্রগা কবিহৃগী মাংজোননা করিগুম্ব ইথীল্-ইফায় অমত্তগী মমি মশাদা তাহন্ ফদে। মাহাক্না অপাননা মরী লৈনরিবদি কাব্যদ্ গনি, মাবু ইরিব কবিদ্ গা নত্তে। মাগী মপাম্হোংগী ওইব পুন্সিগা মত্তোম্দগী তাঙনথোক্ খ্রিব প্রতিভাগী ফজরবদ্ গা মরী ইরৈ-লৈনদে, মত্তৌ অসুম্না সমালোচনাগা কবিগী মপাম্হোংগী পুন্সিগসু মরী লৈনদে, লৈনরুবা য়াদে। সমালোচকনা কবিপ্রতিভাগী ফজরবশিংহৃগা মরী লৈনগদবনি।

মথক্তসু পন্ খ্রে— সমালোচকক্কী (৪) মরিসুব মগুণদি মাহাক্ মশামক্ সিস্ চানব কলাকারনি নীংগদবনি মশাদা কাওরক্লিব কাব্যগী ইথীলসু মীঙোন্দা নিংখিনা মরীক্ চুম্না পাউদম্ব হৈরব, ইদ্ না ফোঙদোক্লো হৈরব (লোল শূবা হৈরব মী—শক্ক শিন্নী) ওইগদবনি। কাব্যদ্ বু ফনা নিংখিনা থঙ্ দ্ নস্

কোঙদোক্লব কলাহ্ মশাদা পন্তব্রবদি মাহাক্ নিংথিব সমালোচক ওইদে। শব্দশক্তিবু নিংথিনা খঙত্রবা মাবু চথোম্না শূবা মহে-ত্রবদি কবি প্রতিভা নৈনরুবগী অবাংবা য়াকমদি থাপ্তুনা মীতোন্দা থাথিনব চিঠি ইবা ফাওবদা মপূংফাদে।

ময়ায়ওইব যুগতগীনা হৌজিক ফাওবা চৎনরিব সমালো-চনাগী মথল্‌শিং—(ক) আত্মপ্রধান সমালোচনা (খ) সৈদ্ধান্তিক সমালোচনা (গ) ব্যাখ্যাত্মক সমালোচনা (ঘ) নির্ণয়াত্মক সমা-লোচনা; মরিসিনা মপুংনি—মকোক্‌থোঙবনি। কনাগুম্বনা (১) তুলনাত্মক সমালোচনা অমসুং (২) মনোবৈজ্ঞানিক সমা-লোচনা কৌব মথল্ অনিসিমসু শীংথারি।

মখোয়সিগী মরীদা নৈনসি—

(ক) আত্মপ্রধান সমালোচনা— কাব্যহু নৈনরুবগা মশাদা ফাওরক্লিব মহাও (খুল্লব ভাব) অহুতবু মপূং ওইহন্না ফোঙ-দোক্লিবহুবু আত্মপ্রধান সমালোচনানি শীংথানৈ। মসিদা, সমালোচনা তৌবগী থোয়দোক্‌প অতৈ অতৈ নিয়ম্‌শিং থোয়না চংহন্দে মশাতগী পুক্লিং-য়াখল্ ফোঙদোক্‌পদনা মপূং ওইনৈ। সমালোচক মশাতগী ওইব আদর্শ অহুদা তোংহনা কাব্যহুগী মরীদা লেপ্‌কদব য়াকম্ অমা হেক্তা লেপ্লি। মসি সৃজন-শীল সাহিত্য লৈচনশিং নৈনবদা চানৈ।

(খ) সৈদ্ধান্তিক সমালোচনা— কাব্য ইননবগীদমক্ বিদ্বান্-শিংনা লেপ্লিব নিয়ম্‌শিংগী য়াকম্‌শিংদা য়াম্না নপ্না (ইকায় কায়দনা) করিগুম্ব সাহিত্য লৈচন্ অমগী অক-কত্তা (ফজব খিবা) লেপ্পবু সৈদ্ধান্তিক সমালোচনানি শীংথানৈ। করম্ব কাব্যদা করি নিয়ম্ শীজিন্নরিবনো হায়বসি মচাতানা মশক্ খঙনা শীজিন্নবা হায়বসি মসিগী হেন্‌ক্রবনি। মসি য়াম্না মপূং ফারব মথল্‌নি।

(গ) ব্যাখ্যাত্মক সমালোচনা— কাব্য ইননবগী মক্ মেপ্পরিব নিয়মশিংচু লোয়না চিংথদনা ইথ তৌরুদনা কাব্যচুদগী মপুক্লিং-বাখল্দা থাওরক্লিব ভাব অচুব্ তীংনা ব্যাখ্যা তৌরা, কাব্য লেংলিব কবিচুগী থৌম্মাইগী বা পুন্নমক্কী ব্যাখ্যা তৌবনা সমা-লোচনা অসিগী শিন্থা মপুংনি। অনৌব যুগ অসিদা মসিবু অয়াম্বনা শীজিন্নৈ।

(ঘ) নির্ণয়াত্মক সমালোচনা— মসিমক্তি কাব্য ইনবগী নিয়মশিং অচুদা মতম-মফম্ পুন্নমক্তা চংজরুব তৌদনা মথোয়চুদগী লৌব য়াব থরা লৌরগা মথোয়গী মঙালদা সমালোচক মশাগী তপ্তাব ফিরেপ্ হেক্তা লৌরিবা, য়ারেপ্ অমা হেক্তা তারিবচু নির্ণনয়াত্মক সমালোচনানি শীংথানৈ। মসি আত্ম প্রধান অমসুং সৈদ্ধান্তিক সমালোচনা অনিগী মরক্কী ওইব সমালোচনা মথল্নি।

তুলনাত্মক অমসুং মনোবৈজ্ঞানিক সমালোচনা মথল্ অনি-সিদি মথক্কী মপুং ওইব সমালোচনা মথল্ মরিসিগী মনুংচন্থিবা য়ারবনি। কাব্য অনি চাংদম্নচুনা য়েংবা—মান্নবা, য়াম্ন থেন্নব বাফম্শিং পুথোক্তুনা অমগা অমগা থানচুনা য়েংনবা সমালোচনা তৌববু তুলনাত্মক সমালোচনা হায়নবনি। মনোবৈজ্ঞানিক সমা-লোচনানা তুলনাত্মকতগী থন্না কুপ্শিল্লি, লুশিল্লি। কবিনা কাব্যচু ইবদা থন্থিবা মনোবিজ্ঞানগী (দর্শনগী) লুরব কুপ্পব ভাবশিং পুথোরকপনা সমালোচনা অসিগী মথৌনি। অমৌব যুগ অসিদা শেংনা চাংদম্নবা অমসুং কাব্যদা য়েক্লিব পাত্র-পাত্রী-শিংদ্গী পুক্লিং-বাখলগী কুপ্পব থোঙ্চৎশিং, মীওই অমগা-অমগা খেন্নরিব মওং-মতৌশিং লোয়ন লায়না কোঙ্দোক্তুনা খঙ্হন্না, মথোয়গী চরিত্রশিং-মপ্পুংফানা খঙ্হন্ন মথোয়সি মরু ওইবনি, শীংথারি, চুম্মি।

সাহিত্য সমালোচনা, প্রবন্ধ অসি লোয়শিনকপসিদ লাইরিক্ অসি হৌগৎলকপদা সংস্কৃত সাহিত্যগী বাকফম

হৌদোক্কৃখিবত্নগী অপা চানা মপান্ খোপচিনবা ওইনা পুরুষার্থ মরিগী মরু ওইরবা রাক্কম্ থরা নৈনবা তঙাইফদে। মখোয় মরি হায়বদি ধর্ম্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ মরিসিগী রাক্কম্শিং শূনা নিংঙ্খিনা নৈনরিব সাহিত্য অতুতপু মপুং ফারবনি শীংথানৈ। মরম্দি সাহিত্যদি পুন্সিগী ব্যাখ্যানি অতুগা পুরুষার্থনা পুন্সি মহৈয় রাক্কনবগী তঙাইফদ্রবা মচাক্-তাক্কক্শিংমি মখোয়সি মীওই-বনা কদায়দা কম্দোনা কয়া য়াম্না মহয় য়াম্না শীজিন্নবগে? কদায়দা কম্দোনা মহয় য়ানখিদবগে? অসিনচিংবগী কূপ্পু-কূপ্পব থারোলশিং পুখোরক্পহনি পুন্সিগী ব্যাখ্যা কৌনরিবসি; পুন্সিগী ব্যাখ্যাগী ব্যাখ্যাহনি সাহিত্য সমালোচনা কৌনরিবসি। মিৎয়েং অসিদা সংস্কৃত সাহিত্য য়াম্নমক্ মপুং ফায়।

মীওইবগী থাদোক্কফদ্রব পুরুষার্থ মরিগী য়ুম্ফম্দা শাগৎলিবনি— সভ্যতা, সংস্কৃতি, জাতীয়তা অসিনচিংব কূপ্পব তত্ত্বশিং অমসুং থৌনা ফবা; মিসুংশি, কিগথনচিংবা মীওইবগী মগুণশিং। মরম্ অসিনা জাতি অমগী জীবনী শক্তিসু পুরুষার্থকী অপুম্ব শক্ফম্দগী ফংনৈ হায়নরিবনি। নীংশিং থোক্তুব মতম্দগী হৌজিক্ ফাওবা মরা-তানা, মশা মরেং ফন্না মপাল্-মউ চাউনা হিংন মহয় শীরিরিব ভারত জনতাগী পুরুষার্থ মরিগী চাউরব সাহিত্য ভণ্ডারদগী মচং থর থরদং লৌখৎলগা মখোয়গী বা থরদং নৈনবা তায়ঃ

১। ধর্ম্ম— খ্রিস্টপূর্ব পোক্লদব চহি ৫০০/৬০০ লোম্ মমাংদা ঋষিশিংনা ধর্ম্মসূত্র কয়ামরুম্ লেখ্লবনি। মখোয়গী আদর্শ উপদেশিংহু কায়দনা কোম্না শ্লোক্শিং শেম্লখি। স্মৃতি (নীংশিংবা) অসুম্না থঙনখি। স্মৃতি মশীং ৫৩ মুক শীংথানরি। হৌজিক্ ফংনরিবনা —(ক) বশিষ্ঠ স্মৃতি খ) কাত্যায়ন স্মৃতি (গ) নারদ স্মৃতি (ঘ) শঙ্খ স্মৃতি (ঙ) যাজ্ঞবল্ক্য স্মৃতি (চ) মনু স্মৃতি মখোয়সিনি। হৌজিক্ যাজ্ঞবল্ক্য স্মৃতি অমসুং মনু

স্মৃতি অনিসি মকোক থোংবনি শীংথানরি। বর্ণ অমসুং আশ্রমগী ধর্ম্মশিংগী ব্যবস্থা মনুগী মথা পোথনি অদুগা মাগী ধর্মব্যবস্থা-শিংবু যাজ্ঞবল্ক্যনা শোগৎলি। স্মৃতিগী বিষয় অহুম্নি।

[অ] আচারখণ্ড— ব্রহ্মচর্য্য, গৃহস্থ, বানপ্রস্থ অমসুং সন্ন্যাস আশ্রমশিংসিগী বাকম্‌শিং।

[আ] ব্যবহার খণ্ড— রাজধর্ম্ম (রাজব্যবহার অমসুং রাজনীতি) মুকদ্দমা, শাক্ষীগী নিয়মশিং।

[ই] প্রায়শ্চিত্ত খণ্ড—খঙ্‌না নত্রগা খঙ্‌দনা তৌরবা পাপ-শিং কোক্‌থোক্‌-চাম্‌থোক্লব নিয়ম্‌শিং।

মনু স্মৃতিদা মমল্ নাইত্রব পাউতাক্ কয়া য়াওরি—
যত্ মনুরবদত্ তত্ ভৈষজং ভৈষজ্যায়াঃ
—মনুনা হায়রম্লিবসিদি হিদাক্‌মকীসু হিদাক্নি।

২। অর্থ শাস্ত্র - মসিদা লৌ-উবা, লম্লোয়বনচিংবদগী থোয়-দোক্লা রাজনীতিগী বাকম্‌শিং য়াওরি। য়াম্না ভল্লিভৈদা মহা-ভারত্তা মপুং ওইনা ভীষ্মপর্ব্বদা রাজধর্ম্ম, প্রজাধর্ম্ম, সমাজধর্ম্ম-নচিংবগী বা য়াওরি। চন্দ্রগুপ্ত মৌর্য্যগী মন্ত্রী চাণক্যনা ইরম্ব কৌটিল্য অর্থশাস্ত্রদা অর্থনীতি অমসুং রাজনীতিগী বাকম্‌শিং মপুং ফানা য়াওরি। মতুংদা শুক্রনীতি, নন্দকনীতিসারঃ রাজনীতি প্রকাশ (মিত্রমিশ্র রাজনীতি রত্নাকর (চণ্ডেশ্বর অসিনচিংব লাইরিক-শিং পুথোক্লরক্‌খি।

৩। কামশাস্ত্র— হিরম্ অসিমক্তি ভৌতিক্ জীবন মপুং ফানা মুংঙাইনবনি। হিরম্ অসিদসু ঋষিশিংনা মাংজোননা হোৎ-নরম্মি। মসিগী খ্বাইমক্তগী অথোয়ব লাইরিক্তি মহর্ষি বাৎ সায়নগী কামশাস্ত্রনি। মসিদা ইনাক্-খুনব নাগরিক অমনা করম্না ময়ুম্ শাগনি, থোংনাও কয়া ফাৎকনি, পুখ্রী কদায়দা থম্‌গনি, লৈকোন্ কদায়দা শেম্‌গনি অসিনচিংবগী বাশিং ইরি অদুগা মুপী-মুপাগী মরী, অমনা অমগী মফম্‌দা চৎনগদবলম্‌চৎ

ব্যবহারশিং, য়াইপ্-চাক্চাগী নিয়ম্শিং ইরি। মসিমু শুদ্ধ কানবা লেখিবনি থাজনে।

৪। মোক্ষ— সংস্কৃততা, মুক্তি নত্রী তাক্পা লাইরিক্ মশীং লাক্তম্দনা লৈ। বৈদিক যুগতগী হৌজিক্ ফাওবা হিরম্ অসিগী ঈচেল্ লেপ্ত্রি। সাধু সন্তশিংনা হোৎনবিয়রিবা 'পুস্তা সাহিত্যাগী মরিগুব পান্দম্গী মম্থুং য়োননবনি।

অনিগুব পুরুষার্থ— 'অর্থ' হায়রবসিগী শীমাহুংদা ভারতকী বিজ্ঞানশিংগী লাইরিক্ কয়ামরম্মু সংস্কৃততা ফংনরি। মথোয়-দুদা অঙ্কগণিত, বীজগণিত, রেখাগণিত ভৌতিক শাস্ত্র, রসায়ন শাস্ত্র, জ্যোতিষ শাস্ত্র, বৈদ্যক শাস্ত্র অসিনচিব মীওইবগী য়াম কান্নিঙাই বিষয়শিংসি ভারতা, অনুবাদনা পাম্বে ওইনরদুনা অতৈ লৈবাক্শিংদা শন্দোক্খি।

ঐখোয়না সাহিত্য সমালোচনাগী বাকম্, খুদম্ মপূংদা সংস্কৃত সাহিত্যাগী বাকম্শিংগী মতাম্ লোয়নবা হোৎনজা। থক্তা শীংথাখিব বিষয়শিংসিনা সৃজনশীল সাহিত্যাগী মায়কৈ তারে অদুগা অতৈ মথম্ অনিগীমু অয়াবা থয়া নৈনরে। হৌজিক্ অরোয়বদা হৌরক্কম্দা অমুক্ হন্জিন্বগুমা সমালোচনাগী মরীদা অঙাহল কবিয়মনা হায়রম্মিবসি য়েংসি —

খোক্ইবা লীলাদুগা য়েংজিবা ভাবোক্দুগা
চৈরক্ লৌমদম্ অদুদা অনি অসি শরুনা
ভাবোক্তুগী থমোইগী লোম্ংদগী হৌরক্পা
লাইজদুনা থুমবা ; ইতোপ্ তোম্ম নহাক্না
য়েংখিবদা উরিবা —ইপাকসিদা শাৎলিবা
থরো-থম্বান্শিং অদো, অদুনি সাহিত্যগী
লৈরাং, লৈরাং হায়রিব শিখেন্ লৈশক্শিং অদো ॥

[বিজ্ঞাপ]

লেখকগী লাইরিকশিং : কোঙলবা

মখিং　　　　মখল্

মহাভারতকী মচুম্ময়—মহাভারতকী পাত্রশিং [illegible] ... [illegible]

চরিত্রচিত্রণ

হৈমতেঙ্গুপুচং—কৈদশিং চাই পুক্তিনী সাহিত্যথোঙ্খুল ... ১৯৬২ ইং

সংস্কৃত পাঠরো　সংস্কৃতকী মচি ওইব পাণ্ডিতাহ ... ১৯৬৬ ইং

সংস্কৃতিগী মচেং মিচেন—মীওইবগী অমত্ত ওইরব ... [illegible]

প্রাথম্ নৈনবা

মুক্তা পরেং—সংস্কৃতকী বাগ্মীমচা-অনুবাদ ... ১৯৬৯ ইং

গান্ধীদর্শন—মহাত্মা গান্ধীজীবু ভারতকী দর্শন ... ১৯৬৯ ইং

মিৎয়েংনবা

ঈশ্বরদর্শন　শিবতত্ত্ব নৈনবা ... ১৯৭২ ইং

বেদান্তডিণ্ডিম—শ্রীশঙ্করাচার্যগী অনুবাদ ... ১৯৭২ ইং

গীতা পঞ্চরত্ন—রামগীতা মতাংগী অনুবাদ ... প্রেসতা

সাহিত্যদর্শন—সাহিত্যগী সমালোচনাতত্ত্বশিং নৈনবা ... ১৯৭৮ ইং

কোঙ্গ্রিব লাইরিক্শিং—

শ্রীশ্রীআদ্যশঙ্করাচার্য—মপুক্কারব পুন্সি অমসুং মাগী থবক্—

শ্রীঅরবিন্দগী গীতা ভূমিকা—অনুবাদ—

রস অপনকামগী অলঙ্কার—রস অমসুং অলঙ্কারগী কুপ্রবারোল নৈনবা—

ফংকম্—ইম্ফাল বুক হাউস, পাওনা বাজার, ইম্ফাল
[illegible], পাওনা বাজার, ইম্ফাল।